কুঞ্জমলা

(ঐতিহাসিক নাতক)



কুঞ্জমালা

(ঐতিহাসিক নাটক)

লেংজবা :—

শ্রীবাহেংবম তোমচা সিংহ

শগোলবন্দ, মোইরাঙ লৈরক

 মমল লুপা ২৫/—

কোংদোকপা :—

শ্রীসনসম ইঙোতোম্বী (রিঙ্গো)
লেকচরর ইন জিওলোজি,
ডিঃ এমঃ কলেজ ওফ সাইন্স
ইম্ফাল

অনিশুবা খুৎনম

কপী মশীং ১,১০০

★ *Printed at:– Nongareima Printing Press,*
Haobam Marak Irom Leikai Imphal.

কচচবা

পলেম পুকক্কবী নংগী খুয়াদা
কচচবা, প্রেমগী খুদোনসে লৌবিয়ু।
মিংকী পিজনা জত্না চামথোকলবা
মক্তুবা ভক্তিগী খুদোম্নি।
থম্মোইন্নুংদা অবাবা পোংলুম পুত্থনা,
অরুবা চিন্তাগী ইপাক্তা তারিঙৈ,
অবা অনা নত্তনা মপুগী খুংশেম ফজবা
মিংয়েংনা হাংমদা লৈরিঙৈ;
চহি কুমজা য়ামথ্রবা মৈতৈ নিঙ্তোনগী,
অবাবা পুন্সি হারিবু খল্লুহন ,
হাবনা ফুল্লবা, ইথিল কল্লবা থম্মোইনা লীবা
পরিং চুমদবা খুদোম্নি।
ভক্তিগী খুদোন্নি খনবিহনা
অয়ানবা কোঙ্গাই ডাকপিয়ু পলেমও!

শ্রীহাহেংবম তোমচা সিংহ

ডি, য়ং থিয়েটরনা রোক্সী হোলদা অহানবা ফোংবা—

১শুবা ফোংবদা শাখিবা মী

নুপা—

চাওয়াইবা—	কুঞ্জমালাগী মপা—	শ্রীযুৎ পিশকাশং
চাওভল—	খুমনগী মপা—খুনগী অহন	,, দাওজী শর্ম্ম
কোমোল—	থোইবগী ,, — ,,	,, গৌরচন্দ্র ,,
তোম্বুং—	,, পাখং	,, নোরেন্দ্র সিংহ
থোইবা—	,, ,,	,, বাবু সিংহ
মোদোন	,, ,,	,, গোকুলচন্দ্রসিং
চন্দ্রসিং—	ইম্ফালদগী ,,	,, তোমচাসিংহ

নুপী—

কুঞ্জমালা—		শ্রীমতি মনিমচা দেবী
খুমন—	কুঞ্জমালাগী মতা	,, লৈমতোন ,,
কোন্দোন—	মমা পোক্তবী	,, মনি অশংবী ,,
লাঙ্গৈরবী—	শ্রীযুৎ ইবোতোম্বসিং	(লাঙ্গৈরবা ওইনা)

———

কুঞ্জমালা

অহানবা পন্দুপ

১বা উৎপা

কংসী লমহাং

হুনিংনা লোইবী চীংজাও তুংওইনবা মতম্দি, কুঞ্জমালা শীং কোকখোং অমা লুম্না পুহুনা মযুম পাংনা লাক্লি। ফিজোন্দি থরা মোত্ত চুগানি, মশম-মনাস্থু থরা ফাই, বাথন্দি চনিং তান থম্লি, মাইথোংদি হুংশিন্নুংওন্না উই। কুঞ্জমালা হায়নিসি কনানো হায়বদি——

ঈশৈ

চীংদা শাংপী ইঙেল্লে—চীন্নদনা কেনথিবী
চীঙ্কা তোমথিন নাইতোম শাংচবী
মৈতৈ চনু মমোমলোই, সতি কুঞ্জমালা,
পলেম্নস্থ নাএয়োক্কে, নুজা লাইরবী।
মালংবনা হুমহুনা লৈরাং লৈখোক লোইদনা,
থাংজিং খুংশেম তুংইন্না, কেনথি লম্ম, থাংদা।

কুঞ্জমালা যুম য়োরহুন শীং কোকথোং অদু থাই। মশম-মনা শেগজিল্লি, ফিজিনা হুমাই ওংহুনা অব্রা। ডাহাক পোৎথাই। হুংড্রাইতবা মিৎয়েংনা যুমদা হাক্কেৎ য়েংলগা হাইরকই—

কুঞ্জমালা—য়ুম ইবেম্ম ! নংবু থাদোকনা চৎখিফমম্ম লৈজদে, অতুবু নংগী নশাইকোন্দ চংলক্কদবসি কৈ লৈরমগদবমুক হেক কিদকো। নারক শীংলক্কা শীং চনবা চৎপদি ইরুপ ইপিক্কা খোংবু ময়াওবনিন অফি অপা থরা কোকই। য়ুম ইবেম্মা ! নংবুদি কিগ্রেদ—য়ুমদ হল্লকই হায়হুনা মিকুপ অমা ফাওবা ইংনা পুক্কিং লৈতানা লৈ। ফলোইদকো ওন্থোক্কা চৎনিংখিদ্রেদা—

(অমুম তৌহুনা কুঞ্জমাল মিকুপ খরদং অরাবা পোথারিটে, মমা অতোপ্পী কোন্দোন চংলকই, তাবা মুংঘ্রাটতবা খোন্থাংনা হায়রকই)

কোন্দোন—ইবেম্মা ! তৌজিরা লাক্লিব্র ? নৈবাক পুম্ব ওসাইনা হল্লরক্লে, করি তৌহুনা লৈরকই ?

কুঞ্জমালা—থাং থর খোদহনা—য়ানবা ইয়া য়াদ্রহন খর যেগ্রে।

কোন্দোন—নৈদা খুম্বমক্তি, অদু হায়রুগে হায়হনা লম্বীদ ওরইহনা লাক্লিবনিনে—নত্রা ? (চংশিন্দুনা শীংহুন অদু য়েংলগা খোংপাক্কা খোক-কাওরগা হাইরকই) শীংনি হায়হুন শীংজা অহুম মরিদং হেক পুরকএ।

কুঞ্জামালা—হোয় হোয় ইমা হয়েংদগীদি য়াম্না পুরক্লগে।

কোন্দোন—হয়েংগা খোরি পুবা কাওরে হায়য়ু—হংচিংনা শীং চোংলি য়াম্না পুবা ওমদে হায়য়ু—খুম্বা লৈরগা লোইরে, থবক ফবা ফত্তবা অরাইবনি—চাবদা য়াম্না য়াম্না চাও।

কুঞ্জমালা—হোয় হোয় ইমা শীংসিনা কদাইদা থম্মুগে ?

কোন্দোন— কনানা খংজবগে থম্নিংবা মফমদা হেক থম্মু।

ঐনা নংবু শিনবা করি ইতিক লৈ নংনা তৌনিংবতা তৌ।

কদাইদা থমগনে, থম্লিংবা মফমদা চেক থমউ।

কুঞ্জমালা—অহুদি চাকখুমদা থমউরগে।

(কুঞ্জমালা শীং কোথোং অহু পুহুনা চৎখি, কোন্দোন নমিৎ থান য়েংহুনা লৈহোই)

কোন্দোন—ঙসিদি চাক অমতা থোংলরোইদহায়।

(কুঞ্জমালা চংলকই)

কুঞ্জমালা—ইমা করি রাংলি, ইনশাং কা লৈরব ?

কোন্দোন—ইনশাংকা করি অমতা লৈতে, কঁদইদগী লৌরুহুনা লৈগনি য়ুম শাবিনবা লৈতবনিনা ইনশাং থিবকা চৎপা ঙমজদে। শীং হ য়রা খুদাপ অমতা পুরকই—লম্বীদা পুরৈ অহুক য়ায়া শৌবহু মঙা তকক্কু মফোইরকউদনা। য়ুমগী করিগুম্বা কাম্লনবা অমতং তে শিনাবিগেকাদি খনবিবা নত্তে। মীনবু পংগে হায়না পাংপ্রবদি তাকুনকা খংবা নত্তে।

কুঞ্জমালা—অহুদি থোংদ্রেদনা ইমা ?

কোন্দোন—থোংগে থোংউ, থোংঙোই তোকউ; ঐগীদি হাপ্পীরুরম্ব পুক্না ইথন থনগংগ্রে—

কুঞ্জমালা—ফরে অহুদি তোকলসি পাব কুমলরুগা কুমলকপগী থোকপা তৌবা হায়বা অহুনি।

কোন্দোন—তাজনিংদ্রে, ইমা খিং তাজনিংদ্রে, নাকোং অসি শীংজানা য়েরে, হায়জৈ হায়হুনা ইনবিগদবম্ব নত্তবা করি থোকই হায়হুনা ঙাংবিরকইবনো ?

কুঞ্জমালা—অতুয়ৌনা হঙ্গোইরবদি করিগী ঙাংউগদগে। ঙাংঙরোই ঙাংঙরোই শাওবিরগনু।

(কুঞ্জমালা ইমুংদা চংখি, কোন্দোন শাওনা য়েংহৌই; কুঞ্জমালাগী মমান্নবী খুমন য়াম্না হরাও হরাও লাকই)

খুমন—ইমা! ইতা কৈত্রা?

কোন্দোন—লৈ ইবেম্মা। করিহায়বগে?

খুমন—কদাইদা লৈবগে?

কোন্দোন—ইমুংদা ক্লোঙ্জিক্তা চংখিবনি।

খুমন—ইতা! ইতা!

(কুঞ্জমালা মশম মনা শেমজিন্নগা হরাও হরাও থোক্লই, কোন্দোন ইমুংদা চংখি)

কুঞ্জমালা—ইতা লাকইত্রা—করি হায়বগে?

খুমন—ঙসি ঐখোয়দাময়াম শিন্নাইক্নম কাসি হায়নরি। য়াওরুসিনা ইতা?

কুঞ্জমালা—ইতা ঙসিদি য়াওররোইদা—লশিংকোম্ব অমতা লৈত্রে।

খুমন—এঃ নহাংগী অদুবু লোয়রবরনে থংক য়াম্না বক্লিনা।

কুঞ্জমালা—কদাইদগীনোদা ইতা।

খুমন—চাক থোংগদৌরিবরা? চংলুসিবা মোইথাপ ঐঙোম্নগী লৌরো, কোন্না অমুক শিংউ।

কুঞ্জমালা—ঙসিদি তেক্লগেদা ইতা, ঐ তুম্বম্ব য়াম্না তুম্মিংলে।

খুমন—তৌগদবনি, মাগী অম্বম্না হেক চাওথোকপসিমা—ওস্থোক্লা লিথংক্লে, মুংশিখিত্রে। সে লাকও চংসি, নংগী তরেংকা ঐ

পুখিরগে। তরামচা তিন্নবা হায়বসি ফনা মীপুংঙাইবনি, অবা-অনা কাওবনি, নখোইগী ইমানা চৈগত্রাও ?

কুঞ্জমালা—শাওরন্নু ইতা, ঐ ইমাবু লশিংকা লৈহল্লগা কোন্না য়াওরগে ঙসিদি তোক্লগে, লাকও ইতা ঐ থিন্দোক্লগে।

খুমন – মাগীদি অসি মঙাইরে, য়াবু য়াত্রবদি থবং হেক্তা তৎপা।

(মখোই অনি তুংথ-মাংথা থোকখি কোন্দোন
ঈশিং পুন অমা পুহুনা ঈমুংদগী থোক্লকঈ;
মামাঈ থাঙ্গত্তুনা য়েংতুনা লৈ !)

কোন্দোন—ঈশিংস্থ মরিক অমত্তা লৈতেনেসে—হল্লকপা হৌনদে হল্লকলরোইদবনি, অঙ্গম বারী শাদুনা লৈঙবদবা। (কুঞ্জমালা—চংলকই) এঃ হন্দি মহল্লকইদনা, লেংলকপা ফনা মকুইরে ঈশিং পুন অমা ফাওবা লাকখৎলুবা ঙল্লরোইদ্রা ? "নংদি করি তৌহুনা লৈরমই" হায়রিব্রা ? ফয়বস্থ ফত্রবস্থ ঐনা খিৎ অহন্নি, নংনা অঙাং থরা মওইরিদনা, অতুক লৌতানদবস্থ ময়াবনি। নং অসি ওন্থোক্না ফজখিত্রেদা ইবেম্মা। ইচা অপোকপকা ওইরম্লবদি কোন্দোনগী ইতিক থংঙোইদ্রদো, মীনা মচা পোক্তবনিনা তৌরিবনি হায়খিপনি হায়হুনা খা অসি ক্রক ক্রকচিক্তুনা হস্থহুনা লৈজরিবনি। মুপী ঐখোইদিনে চহি তরানিথোই-হুমদোইদা ঙাইরিভৈদগী মী তরেৎ-নিপান চাবা য়ুম অমা শিৎনান্না কোকখোং নাহুনা পুরকলিবনি। নত্তিক য়েংগে হায়হুনা অতুক ভুমিন্না লৈথোকপনি।

নংগুম্ননা ভৌজবা শারিবসি মিংতা থাকপা থুম্লোই
নিংবিক্করিবোইরে ? নং অমুক য়েংউ, ঐ অমুক নোমগে।
মপানি হায়তুনা তৌবশারিবা অসিনা মচা বারক্কেদি
কায়ত্রে—ইবেম্মা,—ইবেম্মতা হায়তুনা হেক লৈরে।
নংবু কনাগী মুমদা নিনি শুনা চম্লগদগেনে হায় ?

(থুদোঙ্গীনে করিনে, হায়রল্লগা কেৎ হায়তুনা চৎখি)

কুঞ্জমালা—মুপী !....নংস্ত মুপীনিকো ? অঙকপনি। নংবু মুপী
ওইনা শেমলকইবসি করি লাইনবো ? ঐবু শাইতিংখং
মরক অসিদা কয়া কুইনা হিংহনা পানথিগবা— কৈ নৈয়.
ঐবু শুমহুনা পাব্রু, মপোক ফত্তনা পোকলপননি। ঐস্তু
নিন্দাখক তৌরোই।

(কুঞ্জমালা ঈশিং পুন অদু লৌতুনা ঈশিং
শোকপা থোকখি)

লাইট ওফ

অহানবা পন্দুপ

২শুবা উংপা

মাঙ্গোল

অয়ুক চাকচামাংনি, খুমনগী মপা চাওভল হিদাক থক্না থক যায়া চাকশিন্না নংহৌরারোই মচাগুম পয়া শিতুনা লৈ।

চাওভল—মোদোন ! কোদোন !

মোদোন—(থোক্লকই) পাবা।

চাওভল—কুমশিসিবু ইচাশা থবক অসি ইপাং প্যাংশিন্দেকো, হায়বিগে নথোই ঐনা লৈত্রগা থংগনি। মীওইবা হায়বা অসিদি বাত্রগা লোয়রবনি। কুম অমগী ওক্লব'ফৌ অতুক কাপচিন, হবাই অতুক লিশিন কুম অমগী ইকপা ওক্লবা শীং অতুক পৈশিন, সুংঙাইবা হায়ববু অতু মঙাইদনা মীগী মপান, ভাংনিংতুনা থোক্ল থোক্লবা লাকনি হায়তুনা থোঙ্গাই নিক্তুনা লৈথোক্লবদি মীনাই ওইবা হায়বসি মঙাইনে।

মোদোন—করি তৌসিহায়বগে পাবা ?

চাওভল—শীং অতুক চল্লুনে, নংন খুমন হায়বী অসিনা শীং চাক্তে হায়তুনা কাম্বমক্তদা মমিৎ অসি কোরিমুক ঙাংব্রে।

মোদোন—ঐদি শীংচনবা অসি ইলেপ্পু, লেপত্রিনা পাব।

চাওভল—নংবু চঙে হায়বা নত্তেনে—নিতিগী চৎলু লেপকন্নু হায়বা বানিনে—বাত্রগা লোয়রবনি।

(চন্দ্রসিং মপানলোমদগী চংলকই, খুমন ইমুংদগী থোক্লকই, বা ঙাংমবা তাতুনা লৈ)

চন্দ্রসিং—পাব ঐসু ঙসিদি শীংচনবা চৎচক্লগেনা—

চাওভল—ইচাসিদি করিগী ইচানা শীংচনবা চৎচক্লদগে। নতানা মরাইনা চক্লকনি। মাগীদি মথৌনিনা তৌদবা য়াদেদো—ইচাগীদি নোংমা নিনি নিংথৌ লাইরেল মৈদিঙু স্না পুক্লিং পেত্রিবা ফাওবা অতুক লৈবনি, সুংঙাইনা লৈথোকউ। চীং-মান কাতুমা শীংয়েন চনবা

ইচানা হৈনবা থবক নত্তে।

চন্দ্রসিং—করিগী হৈনদদগে, হৈনগনি পাব।

চাওভল—হুম-হুম— য়াদে য়াদে, এনা চৎপ। য়াদে হায়রিবা অসিনি। হায় হায় মোদোন ! নত্তাওত্ত চৎহন-লাকহ-নগনু—মানা হৈনবা থবক নত্তে !

মোদোন—হোয়-করিগী চৎলুগদগে ইত্তাও ; চৎলসি ইরু মাইথ-জরুরসি। (মোদোন চন্দ্রসিং থোকখি)

খুমন—করিগী হৈনরোইদোরিবা, মাদি নিপা নত্রা ?

চাওভল—কদাইদগী হৈনগদগে মাপোকহৈদগী শীং কোকংথোং অমা ফাওবা পুজরক্তিবা মীত্তানি।

খুমন—য়েংঙোই পাব। অহুগা ত্তাদ চন্দ্রসিং অসি মতম অয়াম্বদা ? থন্তা চিপক চিপক ফমহুনা ইনুংদা নুংঙাইতনা উই; করিগনো ?

চাওভল—মপা-মমা মরুপ-মপাং নুংশিনবপুম্বা শেৎ থাইনহুনা ইম্ফাল সনা লৈবাক থাদোক্তুনা এখোইগী ফুবালা লবাই তুমিং-কাং মরক অসিদা দগুগী মথক্তা লৈরিবনি। করি হায়: নুঙাইগবনো ?

খুমন—অহু পাব লোই থারিবনি হায়বদাই, কয়া কুইনা লৈগদোরিবনো, মা অমুম লৈরগদ্রা ?

চাওভল—হোয়, কয়া কুইবা হায়বা লৈত্তে মৈদিত্ত, ইবুঙোনা পুক্লিং নুঙাইরকপা মতমদা লৌথৎপিবা হায়বহনি।

খুমন—লৌথৎপিদ্রবদি মা অহুম লৈবা ত্তারেদনা ?

চাওভল—হোয়, লৈবা তারে

(খুমন হায়ফেৎ হয়রওই)

খুমন—পাবা ঐ বা অমত্তা হায়গেনা?

চাওভল—করি বানোনে?

খুমন—য়ানি হায়বা থাজদেবো—ঙসি তাদনা শীং-চনবা চৎপদা ঐস্থু চৎলুগে তাদদা থরা হায়বিয়ুবা,

চাওভল—লৈশাবীনবু শীংচনবা চৎলি হায়বরনে?

খুমন—মী বিকথন্না চৎলি। ইতা কুঞ্জমালাখোইদি ইতত্তুনহুম চংলি।

চাওভল—ফৈ হায়বস্থু খংদা, ফত্তে হায়বস্থ খংদা মীনা তৌবা পুন্নমক তমগদ্রাও, পু-পাং শুদবা, য়ুমলিং-খুল্লিংদবা, পিনাই পানাইদবা মীগী মত্তৌস্থু পংতম তমগদ্রাও? কুমথবা তমগদবা নত্তে চাওখৎপা ফজবতা তমগদবনি।

খুমন—অত্থু ওইরবদি তাদবুদি চংহল্লিবা করিগীনো। মাদি, ফজব্রা?

চাওভল—মানা নিপানি, নংনা নুপীনিদন।। নিপানা অবাবা পঙ্গাও নোস্থ, নুপীনা য়ুমগী অকুপ-অতা নোস্বা, লৈবাক পুন্নমক চৎনারিবা অসিনি। নিপা মাদি মী ওইদবা য়াদেদো, নুপীদি নিপাগী মপান তাংবনি। অহুনা নবুং অসিবু অস্থক কন্না নোমইবা অসিমত্তুদা শুদেদা হায়রিবা অসিনি। হৌজিক ঐ লৈরিবঁ অসিদা মহৈ-মশিং তম্বীহনা অবা-অনা থরা থাংহন্দুনা, য়ুম পানবগী পোরম অসি নিংথিনা তম্বীব্রবদি হয়েং তুংদা মী ওইহৌরোইদোরিবনি।

বেথোক-মোথোক্তুনা হেলাং পুহুনা মাংহোগদবনি।

থুমন—ও—নিপাবুনা মহৈ তম্বীরিবনি, অহ তৌরিবনি হায়হুনা ওইনবা পংশেম শেম্বীবা অহুগা মুপীবুনা মীগী ময়ুমদা চৎখিগদবনি করি ক.ন্নবনো। হায়হুনা পংনোম নোমহনবা অউনপোৎ ৎরা তম্বীরগা হেক্তা লোইবা, ঐদি য়াজনিংদে পান। লৈবাক্না চৎনগে চৎনৌ চৎনরোই তোকউ ঐগী শরুক লৌ-ইংঙোল, যণ-লোক লোইনা তম্বীরমউ হয়েং করিগুম্বা লাইবক থীরবা মতমদদি মরাইবক থীহুনা তৌরিবনি, মওক ওকচদহুনা তৌরিবনি হায়হুনা হন্না ফাওবা য়েংবিদহুনা উচেক-রায়াগুম মীগী শায়গন-শায়াদা তাংহুনা পালহনবা! মুপীদি মপা-মমাগী সন্থ ফংহন্দুনা মহৈ-মশিং তম্বীহুনা ফিবম চানবা শেম্বীবা য়াদ্রা?

চাওভল—ইবেম্মা ইপা ওক্লে, নংগী আইন ময়াম অসিবু শীং-চনবা চৎনবা আইল্লা? ওকএ ইপা খংঙে সিদগীদ চৈ য়াওরক্লনি।

থুমন—মপা-মমানা মচাগী লাইবক্নি। মচাবু নিপা থঙদে মুপী থঙদে মীওইনবা শেম্বীবা অসি মপা-মমাগী তৌফম থো-কপা থবকনি। থাবিরম্বা বৈরাক্তা মচা ১গুনা কাজহোগদবনি।

চাওভল—ইবেম্মা মুংশানা মুংশা হায়শৎলকপনে ইপা বিভূল! চুরে, চৎলো নবুংখোই কারক্লনি চাক-ঈশিং থোরাং লোই-রুরে। তরু-তহেন্না তৌবিয়ু ইচা চন্দ্রসিংহ হংজোইগনি।

খুমন—তৌরুরগে, অদুগা ঐস্থ থরা চংকে। ঐনা পুরকপা অহনস্থ নোংমা ফাদোকস্থ চরা নোংথন্নগনি। অমুক্তদি চংলু:গেকো পাব, হা—। মীওইবা হায়বা অসি তম্বা ভমদে খুবাক খুনমদনি—মিংনা শং শং উরিবা সিমত্তাই। মী পুন্নমক অত্তাং ওইরিব্তৈদদি—অচৌ-পিশক, লাইরব-ইনাকখুনবা খাইদনা অরাবা অকনবা থবক নোম্বা হৈনহনবনা ফত্রা ?

চাওভল—হে: ইমাইপেম্মা করম্বগী লৈশাবীনো মচিল অসি ভসাইদগী প্রেক প্রেক শুকলেপ হেক লেপ্তবা, মুপীনবু ইমাইপেম্মা—ভাইখো, নংবু শীংচনবা অসি কয়ামুক চংনিংগ্রবগে ? নংগী তাদনা চংলে চংলু, চংগ্রে চলু। নং নপুম অমুক্তং থিংহল্লবাদ হল্ল, হায়বা য়াদবা তারে, কোকথোং ফানা পুরক্তবা য়াদেকো ?

খুমন—পুরকওইয়ে, চুম্না য়েংনিংহ্না চত্তা চংলুগে হায়বনি।

চাওভল—(মথবাক য়েবা) অং—ইমাইপেম্মা—ইমাইপেম্মা, লৈশাবী চাওথোক ফারহ্না চীং-মান কাহ্না কোইনা শান্নগে হায়রবা রা ওইরে। খুমন ! নং হায়বিগে নং চোপ্পা নংলখিনি। নহাকথক অসিদা ইপা ইপুনা চংনরক্তবা ভাক্তা য়াম্না পুথোরক্তদোরি।

(খুমন শাওহ্না ঈমুংদা চংখিগে তৌবা)

চাওভল—ভাইখো ভাইখো নংবু করি য়েংউপগেনে ?

খুমন—চীংদা কারগা লোক্তাক য়েংগনি, থাঙ্গ-কয়াংচীং য়েংগনি,

অচৌবা চৌংশাং পরেং, তান্নবা তম্পাক, অকোইবদা
তারিবা খুল ময়াম ।

চাওভল—অদুতরনে ?

খুমন—লাইর-চুথবা মরাইবকথৌবা মী কয়া য়াম্না লৈ, মাখোইবু
মীনি হায়দুনা শীংথানদ্রিংবা অসি কয়ামুক পংথবা, মতিক
মথৌনা লৈখিদ্রবা ভাকনো হায়বা অদুম্ম য়েংগনি ।

চাওভল—অং (শকক্ষম হন্দুদুনা) অদুদি খুমন নংসিদ ইপানা
বারকপা ইতিক ওইরোইদৌরিদনা !

খুমন—পাব ঐনা হায়রিবশিং অসি য়েংহন্নদ্রবদি সত্য করিমচা
য়েংলক্করোই, চৎপদদি চৎচরুগে ।

(চন্দ্রসিং, মোদোন ইরুজবা কাবকই ইমুংলোমদা চংলকই)

চাওভল—মোদোল !

মোদোল—পাব (মোদোন লেপ্পুনা লৈদৌই)

চাওভল—সে নচন-স নংনা শীচনবা চংপদা পুবিনবা থরা
হায়বিয়ু হায়দনা ঐঙোন্দা তকইবা লোইরেনেসে ।

মোদোন—করি বানোনে পাব, হরাও-কুম্মৈ য়েংবা চৎপম্ম নত্রা
শীংচনবা চংপবু করম্না লৈশাবী পুদুনা চৎকদগে ?

চাওভল—ইপানা হায়রমলিবম্ম অদুনিনে, কনাগী ইকাই-ইকি
অমত্তা থংখিদ্রেনে । হংদে, নংনা পুবিগে হায়রগা পুবিবা,
পুবিরোই হায়রগা তোকপা । কবিনো ভসি মানা ঐঙোন্দ
তৌরিবা আইন ময়াম অসি ইপা ভাব তাদনা লৈরম্নবনি
কবিনো ভূল তাদহু মডাইখ্রেনে ।

মোদোন—নুপী মমান্নবা অমতম্ম য়াওদনা নিপা ময়ক্তা মত্তোমতা করম্না—

খুমন—অতুগী বুদি ইতা কুঞ্জমালাগা হেক্তা চৎমিন্নজগে।

(খুমন ইমুংদা চংখি,)

চাওভল—কোয়নে হোয়নে, ইবুঙো খিত্তা পুবিগ্রো ইপা তাঙ-নিংদবনা শিগদোরে, অমুক্তং মমা উহঙ্গবদি খংদবা লৈত্রে (মোদোন চংখি) অহল ওইরকপা মায়বা অসিনা অমুক ফজবা লৈতে। মচা অফবম্ম ময়াওই, মীখোং হুক্তবা ডাংনবা শাখিবা ময়াওরকই, নুংশিদবদি ডমদ', মাইদা

(মপোৎ-মচৈ লোশিন লোইশিন খোমজিন্দুনা থোকখি)

লাইত ওফ

————

অহানবা পন্দুপ

অরা উৎপা

চীং চৎনবা লম্বীনি

উ অচৌবা অমগী মখোংনি কুঞ্জমালা, খুমন মাংথাদুনা লাকই

খুমন— ইতা নংগী থাং অতু ঐ পুবিগেদনা ? (পায়বা)

কুঞ্জমালা—ঐ অসুম পুজগেদা, মাবু মাত্রা করিগী শাকইবনো ?

খুমন—ইতাদি মাদ্রা ?

কুঞ্জমালা—ঐবুদি মাদেয়ে।

খুমন—ইতাদি বাদ্রগাঐদি করিগী বাকনি, ইতানা হেন্না কনব্রা ?
কুঞ্জমালা—লাইমা মুঙাইখিদ্রেদা, ঐদি ইতং তঙনা চৎপনিনা
বাদে, ইতাদি ঙসিদা লাকপনিনা হায়বনি ।
খুমন—অদু ওইরবসু বাদে, নিতিগী হেক চৎলগা লোইরে ।
কুঞ্জমালা—বাবু বাদ্রবদি কৈদা ।

(মোদোন, তোম্বুং, থোইবা মথং-মথং লাকই)

মোদোন—মুংশাসি খরা কনমনগ্রে ইচনশা, ঙহাক পোথাখিসি
হায়বরা ময়াম্মু করি হায়বগে ?
তোম্বুং—(কমথখিবা) ঐথোয়গীদি বেরা লৈজদে ইচনশিংগী
বাতনি । ময়াম করি করি পুনরকই থবক শংলিঙদা
চাথোকহৌরসি, অরৈ-অরৈবা পুথোক্লরকওনা ।
খুমন—হায়মা, হৌজিক্লা বারমালে, নিপানবু য়াম্না পাংদেনা !
তোম্বুং—পাম্মুরবসু বেরা লৈজদে—থবক শংলিঙদা অহৎক চা-
থোকহৌবনা ফগদ্রা মহায়বনি ।
মোদোন—চিন্দি বাদে বাদে, অদুগা ফম্ববদি ফমথথোকগ্রে ।
তোম্বুং—ময়াম থম্নরিঙৈ, বাই তানব্রিঙৈদা ঙহাক পোথাবা
নংগদ্রা হায়দুনা তৌবনি, থম্নবা লোয়বিরব্রনে ?
মোদোল—ইবেম্মা করি হায়বগে, ঙহাক পোথাখিসি হায়ব্রা ?
কুঞ্জমালা—ঐদি থোইনা শাজদে তাদা—ইতা নংদি শাদ্রা !
খুমন—শাদে, ময়ামদি শাদ্রগা ইতোমতদি করিগী শাকনি ।
কুঞ্জমালা—হায়দা শাবু শাদ্রবদি কৈদা ।

তোম্বুং—(হৌগত্তুনা) অহুদি চৎপা তারেদনা। ইবেম্মা খুমন থাংকা থৌরীকাহ্ পায়বিগেদনা?

খুমন—পুবিমু কৈম্ম ইরাইনা পুজ৭নি।

তোম্বুং—এঃ ইচম্দি য়াম্না শাওগল্লি পোৎনিদনা (ফমথবা)

খুমন—কৈদৌনা শাওকগদগে?

তোম্বু—অহুগা অহুক থীনা হায়বা।

খুমন—তাদ তোম্বু নংদি নবুক য়াম্না ফজেনা?

কুঞ্জমালা—হেরা থৌওইনা তাকমু লংনগদবগী তৌরিবনি।

তোম্বুং—অওইবনিনে, চুম্না ইচন ওইবগী ইকাইগদ্রা হায়হ্না পুবিগে মহায়পোৎনি। ওস্তোক্লা থীনা হায়ত্রে হায়বা বানি।

খুমন - অহুবু করিগী অহুক য়াম্না শাওরিবনো, মাগীসি হৈজদহ্না তৌরিমালে হায়না খঙ্গোকপা য়াদ্রাও?

তোম্বুং—অহু—খাইবনা বানী মচেৎ অমত্তা ভাংবিদবা অসিবু করম্বা নিংবা থ্দ্রা লৈবগে?

থোইবা—থাইদোকপা লৈজদে, মম্বাম ভাংনবা অসি ত বা মুংভাইহ্না অমুম ত জ্বনি।

তোম্বুং—মী ফংখিদ্রবা মীতানি। তুমিন তুমিন হেক লৈরহ্না ভাংবদি ইভাং হেক ভাংথোক্তুনা—মীনা তোবা অফ ফদো য়েংহ্না হেক লৈরহ্না—

থোইবা—ভাংনিংভাই লৈজদহ্না তৌবনি, লৈবু লৈরবদি করিগী ভাংদদগে?

তোম্বুং—ভাংবু ভাংনিংদ্রবদি ভাংনিংভাইনা অমুক লৈবা হৌনদে।

নিংবগী মতুংদা থবক্না কোন্না ইনবনি, থবকী মতুংইন্না উপায় লাকপনি। অদু—ময়াম্না ইফম ফমথবিরক্লবা অসিনদি চৎপা তানবিরব্রা ?

খোইবা—ঙাংগদবা লোইনা ঙাংথোকপিরো ঙাইজখিগে।

তোম্বু—ময়াম্মক ৱারৌনম্নুসিকো, অরাবা পোথানবা, লম্বী তেন্নবা অদুক পংঙাং ঙাংবনি, খোইখা-লিনখা থানম্নুসি। (ৱাখল য়াম্না লুনা খম্বা) অওইবসু অওইবনি ঐখোই অসি চিন্দা ফহুনা অম্মুম তোবপা ভারেদকে—মুক্না যাত্রাসু নাত্ত, লমজেনসু খোইদে, শুকসু চৎতে, থাংসু হৈতে, লিন্দাসু পান্দে, জগোয়সু শাদে, ঈশৈসু শক্কে, লনসু লৈতে, ইপা-ইপুসু ফম্নাইদে, শকসু খোইদোক-হেন্দোক-ক্নাদ্রে লুইদ—সত্য, অমতং শোক্লমউদন—থম্বাবাসি ও মুক্তং মুকথেরদুনা খোইবী মুন্নবা অসি য়াংরুগে হায়ববু—

খোইবা—লোইবা-খম্বা নাইদ্রেদনা, করিনো অহন অসিনা তৌরিবা অসিবু ঐখোইসু ঙহাক ফমথখিবা তারিমাল্লেনে।

(ময়াম্মক ফমথবা)

তোম্বু—লেপ্পসিসু কুইনা লেপ্পবদি ৱাবনিনে—থিন্দুনা তাক্ক্রবা মখৈ থংদবা অসিনা অপংবা তিন্নবা ৱারিবনিনে।

মোদোন—করি করিনো ঙাংগদবা ঙাংথবিরকওদনা।

তোম্বু—(য়াম্না লুনা খম্বহুনা) করিনো ঐনা ঙসি তৌরবা অসিদি ঙাংবা য়াদবা চিল-লৈ ককখিগদবা ৱা ঙাক্তা য়াম্না হাংনিংঙবএনা।

খোইবা—কনাস্ত খোইদোকপা য়াওদে হায়রিয়ু করি তৌরিগে ?
তোম্বং—নিংথৌগী নাকোং ফক্লাংদা লেংলি হায়বা না লৈ। শামু বারুম নিংথৌ- বারুম, থাগাদা থাবা নত্তে। ঐ অমা হাংলগা মা চানগনি হায়বা অসিনা করি লৈবগে খনবিবা নত্তে, চিরাপ্রি হায়দুনা থক হেক্ত হুপ্লিল্লুগদবনি । বা কৌবদা ভাংজত্রবোই, মানা মনা থোকপা তৌজত্রসহু।
খোইবা—এঃ য়াম্না ভাব তাশিন্নকএর , ঐদি খোইদোক্না কিগন- লাক্লদবা, ভাংবদা হানলংদবা, বন্ধ লৈতবা মী ওইরবোই নিংভমই ।
মোদোন—এঃ থাথা নত্তে ভাব য়াম্না তাগিপোৎনি। ভাংবগী জাতি পনম্তাক পঞ্জেন ফাওরিবনি ।
তেম্বু —(লাপ্না লোক্তক লামদা মুন্না য়েংলহুনা) ভাইখা লৈবাক মচাশা, লোক্তাকী ঈশিং অসিনা স্তম মচাওখৎলক স্তম মচাওখৎলক পংচাওদা চাওখৎল ক্লনা মোইরাংকাশি তাও- থোকখিহুনা মথং মপং ঐখোইগী ফুবাল্লা কাসি য়োব্লক্রবা, করি উপায় তৌগনি ?
মোদোন—খুমন নংগী অহবু করি কর য়াওরি, থবা পিজত্রিবদি নংগী তাদ তোম্বুাস চংপা ভম্মোইদৌরি।
খুমন—ইমানদি রারগা চংবনি হায় ।
খোইবা—ইবেম্মা খোইনা পংবরারেইদ অহু নত্রবদি তোম্বুংশি ভাইখদা খরা থেংবা তার।

তোম্বুং—(শাওনা ফুক হৌগত্না চৎকেকা তৌহ্না) ইকাইরেদা সত্য—চৎসি চৎসি—

মোদোন—খল্লথোকখিসি করিনো (কাবা) থাঙনা তৌরিবা অম্মা নোংমা নিনি চৌংদা কাহুনা লৈরগা লোইরেদনা।

তোম্বুং—হুম অহুনকাদি ওইবা বা নত্রে, থোইবদি করম্না খনবি?

থোইবা—নোংম-নিনি ঈশিং হন্থ্রিবা ফাওবা হিদা লৈবা হায়রহুনিদনা।

তোম্বুং—এঃ--নোংমা নিনগী বা নত্তে, হুম পংচাওদা চাওহ্না লৈপ্রগদবনি। ইবেম্মাথোইশু খনবিয়ুনে—

কুঞ্জমালা—অদুক চাওবা লৈবাক্তী বাদি ঐথোইনা শংগা ইতিক ওইজবা নরেদা তাদ।

থুমন—ভমগে কায়নদি নিংদনা কাম্বরক্লবদি?

কুঞ্জমালা—অদুদি করি হায়না থুমগনি?

থুমন—খংনিংদে তল্লি, নামৎ শিংনবনি কায়রগা লোইরে। (থিকথিক নোকই) কনানা মোদোনৈদ চিংগদগে?

থোইবা—ঐথোইদি অপংবা ডাকুনি, খনবা থোক্লে, হায়দোকপিরকওনে।

তোম্বুং—অহু ওইরবদি লৈবাক লোকএ।

থোইবা—তুরেল ময়াম অসি থৈদোক্লসি লোক্কা তাহল্লম্লুসি হায়বিরিত্রা

তোম্বুং—এঃ খংত্রবদি তোকপিরো। লোক্কাক্তী ঈশিং চিথখিত্রবা শুরুং অদুদি উবিরুরত্রা?

থোইবা—উবমক্তি উজ্জিয়ে।

তোম্বু'—অদুনদিনা—চহি চাম থন্দুনম্‌ থংঙবোই। অম্মক
 নঙ্গা লৈবা অসিবু উদ্রবদি খরা লাপথ্রবদি তাবা
 ফাওবা ঙাহরোইয়ে। বদাইদগী—লেবাক্কী কান্নগদবা
অনৌবা থৌরাং অমতং থম্নবা য়াওবা ঙম্নরোই।

মোদোন—ইশা ইশা পানজবা ঙম্নবা ফাওবা হোৎনজবা ঙমদ্রিতে
 অসদা লৈবাক্কী বা থন্দুনা লৈবা ঙম্বা নত্তেদা।

তোম্বুং—মশা মশাগী থনবা ঙাক্না ঙাইবা অসিনা অসি য়ৌনা
 চাওথৎল্লিবা অসিনি।

থোইব—মরৈবাক নিংইবনি হায়রুনা লানগাই ঈশৈ শক্তুনা
 লৈবাক ইরাং হৌৎনগদবগী শরুক মশা-মশাগী হিংনবা
 কন্না নোম্নবনা ফজ্রনে?

তোম্বুং—(মীনা ঙাংবকা ১তা তাদনা বাথল মুন্না থন্দুনা) শুরুং
 অসিদা চেন্থখিবা ঈশিংগী শরুক্তগী লোক্তাক্তা তারবা
 ঈশিংগী শরক্তা হেন্নতুনা তৌরিবনি।

থোইবা—অতুদি খুল হৌতুনা শুরুং অসি লাওনবা তৌথৌ চউসি
 হায়রিব্রা?

তোম্বুং—ঐথোইগী ফুবাল্লা অসিদি পংখ্‌-পংখ্‌বা ঙাক্তনা থুনিংহু-
 না লৈরম্নবা বা ওইরে। নিংথৌকা থনগে নিংবিরুদু—

থোইবা—সেনে সেনে, পরপ পরপ হায়বিরো থেংখ্‌গনি। (পীবা)

তোম্বুং—(চাথোম চাওনা হুকচিল্লগা) মোইরাং লৈবাকসি লো-
 ক্তাক্তা লুপখিবা তারক্লবদা লৈবাক মোইরাং মাংনা তারক্লবদা

মোইরাং নিংথৌনা খম্বা নোংবান কৌথংলে স্না মাংদা অনিমক থুংঙরে। (মৌপুম খুদিংমক শাহনা) কনাবু হায়না কৌশিবা—তয়ুম খম্বা! অজ্ঞা, তয়ুম নোংবান! ইনিংথৌ. কুম অসি—অজ্ঞা, কুমসি কুম অসি থাংজংনা মোইরাংদা অকনবা কনা লৈ, অথৌবা কনা পোকই য়েংগে হায়রুনা নোংনা অরেপ্পা লৈতনা লৈথহনা। মোইরাং লৈবাক অসি তাওথোকখিগদোরেদো—অজ্ঞা, করম্বা স্না য়াথং-তাকপিসি অজ্ঞা,। মোইরাংগী অশিংবশিংনা খন্নবদা খোর্দকী শুরুং অসি খুমনখ্রে অতোপ্পা অমা তৌবনা ফবা তারে হায়না খন্নরে। হৌজিক মোইরাংদা অকন-অথৌ হায়ববু তয়ুম অচানবা নখোই অনি মঙাইদো; তয়ুম অনিনা করি হায়বগে? অহুদা খম্বনা খুমইবা—অজ্ঞা ঐবু লোয়বা লৈমাবা মোইরাং লৈকোই মপু স্না নোংদম অম্বুম তৌজো হায়বা অহুমঙাই। তয়ুম নোংবান—অজ্ঞা ঐবু লোইবা লৈমাবা মোইরাং নিংথৌ ইনিংথৌ—স্না চরন্না কৃপা তৌবিনি অজ্ঞা। ননাই ইতাও খম্ববু হান্না অহুক তৌ-হনবিরগা ইতাওনা ঙমদবা মতাং থোক্লগা, খরত। মঙাইরবা চিরবা কাল অহুদা স্না য়াথং ফিগাও শানা য়াজগে অজ্ঞা। নোংবানগী বা অসি তাবদা মোইরাংগী অঙম্ব', নিংথৌ সভা ঙরং ঙরং ঙংনরক্লে—অহুদগীদি মোইরাং নিংথৌনা স্না য়াথং তাখরকই—তয়ুম অচানবা নখোই অনি অমমম

তৌনরো, ঐদি লাইরবনিনা করিম্ব পিনিঙাই লৈতেদো,
ইমোম লাংলেন থোইবী অমতা পোকপী থাদোইসে কান্না
ফাওবা নিপাদ: পীরগে—সিনিনে—.থাইবী পীনি হায়রগা
লোইরে। নং ঐনা ঝাগদবা নত্তে। লৈবাক কাইবস্তু—
লৈবাক শেম্বস্তু মী মথল অনি সিদদনি—মতিক-লৈবা মী,
মশাগী খনবা মীথা, মরৈবাক্কী খনবা মীরা খংদে, শা
পাইনিংবা মতিক লৈবা মীনা লৈবাক্কী থবক তৌগদবনি।

থোইবা—মথা লৈত্রদনা ?

তোম্বং—মথাদি নোংমৈ অম্বাইড ফাইরেন লমদাদা শীংচনবা
চংপদা অম্বুম্না পোথাবা কান্দা খঙ্গে, চক্কু-ইরান নিংহুনা
পোথাবীয়ু।

মোদোন—অদুদি ওঝা ঝারিলিবা চংপা য়ারেদনা ?

তোম্বং—হেরা লৈবাক মচাশা ঙাহাক ফমখিসিদা, থবক শুবা
হায়বা অসিদা অপংবদনা শুবনি—কৈগা ফত্তেগা মীনা
চাওশিক্লবনি। হৌজিককান অসিদি ঙাংবনা রাজ্জানি।
ঙাংদনদা লৈয়ু।

(খুনা, মফিমরোল, মপোৎ-মচৈ লোই-
শিন্দুনা মী অমতা হৌরমদনা থুনা থোক-
খি ময়ামম্থ নোক্ক-নোক্কতনা মতুংদা চংখি)।

অহানবা পান্দুপ

৪বা উৎপা

মফম-চীং মথক

(হুমিং নৈথরকপ মতমনি, মী পুম্নমক শী' য়ানবা লোইনরে কুঞ্জমাল দি লোইদ্রি। খুমন শীংজা ৩/৪ দং থুপচিন্দুনা কোইয়েং য়েংদুনা লৈ)।

খোইবা—(কুঞ্জমালাগী মনাক্তা চংহুনা) কোকথোং ফাদ্রিবরা? ওকএদা অসুক য়াম্না পুবা হৌনদে নিত্তিগী লেপত্রগা লোইরে। ঐ পুনশিল্লগেসে।

মোদোন—ইচনগী বু হৌজিক ফাওবা লোইদ্রিবরনে? ময়াম চংহুনা হোংনবা হায়বত্তুনিদনা। (চংশিল্লকপা)

কুঞ্জমালা—য়ারনি তাদ লোইজরে। (মোদোন চংখি)

তোম্বুং—ইবেম্মা খুমনগীদি লোইরব্রা? ইবুং পুনবিগেদনা।

খুমন— (শীং থরা ফৈরেং তুরেং পুনশিল্লগা) পুনবিন্নু কৈদ ইরাইনা পুঞ্জগনি।

তোম্বুং—ইঃ, ইচনগী শীংসিদি য়াম্না য়ামইনা, শীংনবা লাকপা নত্তমাকে মী খংনবা লাকপিবা ওইরমালেনে?

খুমন—অংক য়াম্নবনু, য়ম্মু য়াম্মনগ্রৈ—ইতা লোইরব্রা?

কুঞ্জমালা—লোইরে ইতা

খুমন—করিগে নো অসুক য়াম্না পুগদৌরিবনু—নতিক নত্তনা নওক হেক হাপ্পহুনা মুংশিখিদ্রে, নং কিমন্দুনা শক্ক শয়াং পুহ পুংতেক তেল্লরনি, লিন্দা থরা পাল্লুবা!

তোম্বুং—হায়মা—নরিনোনে ইবেম্মা শীং য়াম্না পুৎবু লিন্দা পান্দে হায়রিবা অসিবু—

খুমন— হেরা তাদ নং অসিমা থংদি থংদনা।

তোম্বুং—ইবেম্মদি থংবিরব্রা ?

খুমন—ঐবুদি থংহুনা হায়জরিবা অসিনি ।

তোম্বুং—ইবেম্মনা থংইবা অহুম্ম মপুং ফাগ্রি, চাওথোকখিবনা হান্দুনা করি অমতা মপুং ফানা থংহোদবা তারে। ইবেম্মদগী কেন্না থংবা মী য়াম্না লৈরমখিনি । হান্না ঐ মঙাইরে হায়দোকউখিনো ।

খুমন—কদাইদা চাওথোকইবা ? থংববু থংই হায়বদনি ।

তোম্বুং—খল্লু কোঞ্জেং কোকফাই হায়বা তীল অহুনা মনঙন্দা নম্বো অমমম পুহুনতা লৈব, মরুম চংবা কোঞ্জেং কোকফাই অমতং কং মথক্তা লৈরম্বা উবদা পাক হেক ফারগা ফাক্তো-ক্তুনা হন্দোক্লিংইবনি। তো ঐখোই অউবদা কয়া রানা থোকপ্রবনো—অহুবু লিন্দা পান্দহুনা তৌরিব্রা ?

খল্লু — খল্লু। (হন্দোক্তুনা ফমই)

থোইবা— মী হায়বা অসি ঙাংবা হৈবনা ঙাংহুনা পানবা, হৈতবা ঐখোইনা মীনা ঙাংবা পংতা তাহুনা পংনোম নোমহুনা পানবা কে—(কুঞ্জমালাদা)

কুঞ্জমালা—হোয়। (য়াম্না তাম্না-য়েংহুনা) ফজেদা য়েংবগী পেনবা নাইদেদা। (শোঞ্জবা)।

থোইবা—করিনোনে ইংেম্মা ফজরিবরো ?

কুঞ্জমালা—করিস্ম নংেদ' তাদ

থোইবা—ওঃ—তাকথোক্কি দব', ঙৈ।

মোদোন—(শীং অকংবা মতুপ অমা পুত্না লাকই) নয়েং মথৈদি শীংচনবা অসি লাক্কবা তারে, অরেম্বদা নামৎ ওন্থোক্না শিংখ্রে।

কুঞ্জমালা—তাদ হল্লসি—ময়াম বারী-বাতাই শারিঙৈদা থরা থেংদোকখ্রে।

মোদোল—ইচন ঙাইবনী বা নজেদা তপ্পা তৌ। ময়াম বারী বাতাই শাদুনা পোথা পোথা চৎসি। নোংমতং ঈরোই কাংপোং অমা চৌদ্রনা চল্লবনা ফগদ্রা হায়বনি। ইহেঃ—চীংথক্তা ঐগী থৈজা হুন্দোক্লম্মেন।—ময়াম অমুক্কা বারী-রাতাই শাদুনা ঙাইরমখোকো। (চৎখি)

থোইবা—ইস, নুংশিংনা লিরকা হুম্রবপা অসিদি ওন্থোক্না নুংাইখ্রেদা।

তোম্বুং—অর-অনাকা লোইনা হুমদোকখ্ররনি।

থোইবা—উজাও ময়াম অসিনা নোমনোম নোমনোম হাইরিব জগোই শাবকা মান্নি।

থুমন—অওইবনি ইতা য়াম্মা ফজখ্রে ঐদি য়ুমদকা হন্নিংদ্রে।

কুঞ্জমালা—লাপ্পা উবদদি কয়াদা পুক্লিং হুরিবা অহুবু মনাক্তা চংলবদি শিফম নাফম্মা থল্লবা অকিবগী মশক্কি। অতুন'

থুমন—ফজদ্রে হায়রিব্রা ?

কুঞ্জমালা—ফজে, য়াম্না ফজে।

তোম্বং—তো—হুংশিং শিংলি, হৈনম লৈনম পুহ্না কয়াদা ইংনা তপ্না হুমলি। অমুকম্ব অকিবা ফংনা প্রলোয়গী মশক ওইনা শিংলকই। অহুনা ঈশ্বরগী থুৎশেম, মানা শিনবা অসি ফজবা, অথৌবা, অমাংবা, অতোংবা, লোইনা ইয়াও য়াওরি। মুন্না থংলগা অঙকপা, শাওনিংবা, লোইনা কোক্কদবনি। হোৎনৌ, মুন্না থংনবা হোৎনৌ, থংদ্রিবৈদা অথংবা শাহ্না লৈখোক্কম্ব। মীনা তাক্লগা নংনা করি

হেন্না থংই হায়হুনা শাওম্ব।

থুমন—ফৈ তাদ, য়েংগনি, মাইকৈ তরা থোক্লা য়েংগনি।

তোম্বং—য়েংজহৌ, শজিবুগী মাংজিন্দা চীংজাও লমজাওগী অকিবগা লোয়নবা, অচৌবা ফজবা শকফমস্ব হ্না চিথদনা য়েংজহৌ। ইবুংনা হায়বসি শাওগম্ব—মোদোন্দু মফি মাংখ্রবরা ঐ অমুক্তা য়েংবিক্লগে। (থোকখি)

থোইবা—চীংমাইদা হৌরিবা উজাও ময়াম অসিনা নোম-নোমকা হায়রিবা জগোই শাবকা মাল্লি, ফজদ্রা ? অরা-অনাকা কোকপনি।

কুঞ্জমালা—য়েংউ ইতা অমুবা চীংশাংনা লেপ্লিবা চীংশাং পরেংশি অসিনা পনগী মশক ওইনা মণিপুর তম্পাক অসিবু কোয়-শিল্লিবা—চীংগী চীংখ্রাংদা লৈচিল্লা শাংথ-লেনথ তারিবা তাম্লবা তম্পাক অসিদা খুন মচা মচানা পরেং পরেং

তারিবা, য়েংখি য়েংখিবা মাইকৈদা পুক্লিং হুনবগী মশক্লি।

খুমন—অওইবনি ইতা, পাকত্রেদা ইতা, লোক্তাক অসি মিৎয়েংনা লোম্না ফংদনা শন্দোক্লি। থাঙ্গ অসিনা নুংশিরিবা অমুবা ঈশিংগী ঈপাক অসিদা চায়থররুবা কোরৌহনবগী অরংবা মশেক্লা য়ৈবদা, কয়াদা পুক্লিং হুরিবা তগুপ তরংলবা মচু অম। ওইরিব'। ঈশিংনা ঈপাক পাকশ্রবা অহুদগী কোয়না য়েংবদা অমুবা চীংশাং পরেং, তাম্না শন্দোকপ্রিবা তম্পাক অহুদগী তারমদাই হুমিংকী মশেক্লা য়ৈবদা তগুপ তরংলবা ঈথক লক্তা তিঅমদা তোংহুনা থম্মোইনা পামজবা মাঙ কনাগী তম্ফাক্তা ভাক্তুনা, তাইবং কনাগী অনাবা বাহৈস্ন তাদা, অৱাবা কনাগী মতৌগু উদা, কোইরৈ লৈহুনা, কোইত্তাও তাওহুনা লৈরবদি নুঙাইপ্রগনিদা ইতা।

কুঞ্জমালা—নুঙাইগনি। তাইবং ঈপাকথক অসিদা, নিংনবগী হিগুংদা মতমগী ঈথক ঈপোম মথক্তা মপুগী কোলোই শক্তুনা শয়েং-পম্বোম ভানহুনা পুন্সি অসি লেল্লবদি কয়াদা নুঙাইগবনো!

থোইবা—অহুগুম্বা পুক্লিং হুনবগী মশক ওইরবা দৃশ্য অহু মিৎনা য়েংবতদি পামজদে, মী অহু ইশামক্লা ওইজনিংই। অহু-গুম্বা মী অহুবু ঐথোইসি ওইবা ইকং কণ্ডহল্লবোইদ্র নে?

কুঞ্জমালা—অহুবু মীনা তম্বা ঙম্বরনে? লাইতনা থংগদবনি। হোয় অহুমকপু নিংবু নিংলবাদ নোংমা শৌয়দনা ফংলক-পন্ন য়াই।

থোইবা—অতুবু—থম্মোইতনা পংপাম পামজরুবা মঙাইয়ে।
খুমন—অঙৌবনি ইত্তা নিংবমখৈ নিংলু, থনবমখৈ থল্লুরগা
কাল্লদবা অরেম্বা বাখল ওইপ্রবদি বাপ্রনিদা।
কুঞ্জমালা—ঐগী শক্তিগী মন্নুংদা লৈতবা, ইতিক ইপা নঙবা
বাখন্দি অরেম্বদা ইন্দ্রি কংনবনি। ওইনিংই হায়রুনস্ত,
ফনা পামই বায়তুনস্ত, তুং-মাং য়েংদন খুমাং চাওশিনবা
চুমদে।
খুমন—থোক্লবা লাক্কনি, নিংউবা বাখন্দি ইলাই লাইনা হোংবা
ঙমদে।
থোইবা—(লাপনা ফমদুনা)

ঈশৈ

মুংশি কনাগী বাখল্লো নিংথিরবী,
মাঙ্গ কনাগী বাখল্লো ?
তাবয়োই ওসিদি পাম্মু মপাউখোন,
লৈহৌয়ে পোইরৈ তাম্ন;
কাইনবগী মৈচাক্লা অপামগী বাখল্লা,
পাল্লবোইদো মুজাগী থম্মোইদা। (শ্রীযুৎ বাবুসিং)

খুমন—ঈশৈ

মালংবনা মুজাদা তাক্লি, মুংশি মপাওবু চিক্লা।
নাপদা ঙংলি লোম্না লোম্না, খোইরাংহল্লি মুজাগী থম্মোইদা
(শ্রীবাবু সিং)

কুঞ্জমালা—ঈশৈ

উররোইনে মুংশি খোইমুদি, পাইখিনি পোইরৈ তাম্না
মাংখিগনি থম্মোই লৈকোন্দগী, খেক্না খেক্না নোকচবী
লৈরাং শোইরোই। (শ্রীযুৎ বাবুসিং)

খুমন—এঃ ঙকখ্রেদা মখোই অনিসে।

(মোদোন লাকই)

মোদোন—মুঙাইরম্মেদা নখোইদি—চৎসি, চৎসি।

(ময়ায়ক মথৎ-মথৎ চৎলি. তোম্বুনা ইকোন কোম্না ময়াম কোইকৌ কৌরহুনা শীং থোংগৎপা হোৎনৈ। মতোমতা ইলাং লাংই)

হো—তোম্বুং!

ড্রোপ

অনিশুবা প

১বা উৎপা

কুঞ্জমালাগী যুম—মাঙ্গোল

চাওয়াইমা কোম্নুংদগী কুমকই, মপান্দগী ফক-মুং থাই। কোন্দোন ইমুংদা লৈরমই, চাওয়াইমা মফি মরোল ফক্না থমই।

চাওয়াইমা—ইবেম্মা! ইবেম্মা! কনা লৈবগে?

কোন্দোন—(ইমুংদগী খুম্রকই, মপান্দা থোরকই) ঐ লৈজে, ঐ লৈজে।

চাওয়াইমা—নচাদি?

কোন্দোন—শীংচল্লুনি হায়রুনা চৎখ্রিমাসে।

চাওয়াইমা—কনাগা ?

কোন্দোন—মখোই মমান্নবা খরগা। (ইমুঃদা চংখি)।

চাওয়াইমা—এঃ করম্বনো, ফনা মচাওশিল্লকএ লৈশাবী মফারক্লে থাক্ত য়োঞ্জবগী মতম মওইশিল্লক্লে। ইচাবু শীঃচন্নবা অসিবু শীং লৈতে হায়হনা তৌরিবকো। ঐ কোনুংকা অমত্তা কাররোইদা, করিব, তৌগবনো—শীংচন্দুনা লৈবা তারেদা (কোন্দোন হিদাক হান্দুনা পুথোক্লকই) ঐ হিদাক অমত্তা থকখিরোই, ইচা ওকউখিবা তারি।

কোন্দোন—(ইংনা চাই) য়ুম অসি লুন্দোক্লমহুনা চৎনিং-দহুনা মতৌরবনি. ঐ ওকচকপে হিদাক থক্কুনা অমুক্তা পোথবিরমউ।

চাওয়াইমা—ইস নংনা তৌরিবা অসিদি করমনো, ইচাবু অম্বুক তোম্না থম্বা ? মানা বাগদবগী শরুক ঐ বাজগে হায়হনা লৈরিবনি ঐ লৈত্রগা বাজহৌবদি বাজহৌবনি, ঐমক হিংলিহৈঙদা,—

কোন্দোন—ফিরোনকা হোংদোকপীরো

চাওয়াইমা—ঐ হিদাক্তা অমত্তা থকচনিংদ্রে, ইচা লৈরমদবা অসিদি ওম্বোক্লা থোইরাংপ্রে।

কোন্দোন—কৈদৌবগে বাখনসি ফত্তবা ঙাক্তম্ব মখম্নুসি। মাবু শীংচনবা চৎহল্লগা ঐনা হুংঙাইনা ফমহুনা লৈথোকপা নত্তে, ঙাকাক্তা লৈতাজবা ফংদবা মখে নোম্লিবনি। ঐনা নংনা তানবা অসিনা মাগী অওং-অউন তম্বীনবা

মাস্থ মতম খরদং ইকাই ইকি হুন্দোক্তুনা য়াওবনা মফগত্রা হায়তুনা মতৌবনি; মাগী মহুম ফানবা মহোং-নবনি। ঐনা খল্লিবা অসি ফত্রে হায়রগা মতোকসি করি তৌবগে, অতুক য়াম্না ৱারোঁবিবা অসিবু। ঐস্থ ইচা অমা পোকই হায়বস্থ নত্তে পুম্নমক মাগী ঙাক্তা নত্রা ? অস্থম তৌতুনা ৱাখল অসি ফজদবা ঙাক্তা উৎলবদ ঐনা হেন্না তনখ্রে। (খরা শাওরপ তৌনা) ঐ ওকউগে, ঐনা ওকফম থোকই। (অমুক হস্থতুনা) ঐস্থ য়োং তৌসিরা হায়তুনা পুথোক্লম্লিবনি, অমা অমুক পায়নিংতুনা থনম্লবনি।

চাওয়াইমা—ঐঙোন্দা তৌবা অকাইবা পুস্থা করিস্থ খন্দবা ঙমই। ইচাবু মীরাইনা তৌবা, মাবু পিদোন্না থস্থা, ঐ য়ারোই। ইচাবু লুনা য়োকপিনি হায়রগা লৈয়ু অতু নত্রবাদি কাম্নদে, অস্থম্না মপুক্লিং মুংশিহনগদবা লৈরবদি ফনা লৈহন্লিংই হায়দুনস্থ ঐ নংবু থস্থা ঙমদে।

কোন্দোন—হোয়—ঐ লৈত্রবনা ফগনি হায়রবস্থ চংখিনি, করি তৌবগে? অতুগা ঐনা হেক হায়রিবমখৈ ফত্তবনি হায়না লোগদবা লৈরবদি ঐ মঙোন্দা ৱা কৌবত্তা ঙাংজগ্ররোই।

চাওয়াইমা—কৈনে, ঙাংবিগনুনে, অস্থম্না ফত্তবা ঙাক্তা ঙাংবিগ-দবগী শরুক স্থপঙাং ঙাংবিদবনা কৈ।

কোন্দোন—(খরা ফল্লপ্পা) মিৎচিনা ফাওবা য়েংজরোইয়ে।

চাওয়াইমা—(খরা ") য়েংগনু, নংনা য়েংলবদি ইচাসে শোয়দনা তুম্বা তারে। (হুম্বতুনা) নংনা তৌথোক্লকপা অসিনা তাবদা ফজদবা, লৈবাক্লা মিনোক চংগদবা ঙাক্কা তৌ-থোক্লকপা অসিনা—য়োং হায়বা অতুতুম কদাইনো (য়োং পুথোক্নুনা পী, চাওয়াইমা য়োং পায়তুনা থোক্ল-কই কমল মতুংলোমদগী লাকই)।

কমল—ইতাও করিনো হৌজিকপু য়োং পাইথংলকইবা অসিবু ?

চাওয়াইমা—এঃ ইতাও কোনুংদগী হৌজিক্তা কুমজরকলমইয়েঃ—ইংখোল অসি নাপীনা কৈ চনবা য়াগদৌরে হায়তুনা অহুক পায়থংলুরিবনি। ফক্না ফম্বীয়ু ইতাও। কোন্দোন ! ইতাওগী হিদাক্কা হাল্লু হৈ।

(কমল, চাওয়াইমা ফক্তা ফম্মিন্নৈ)

কমল—অহু কোনুংগী ঈ-পাওদি করম করম হায়নহোই ইতাও ?

চাওয়াইমা—খংদেদা ইতাও, মখোইগী মচানুপী থাজবগী বাথোক অসি নত্তনা অতৈ থোইদোকপা শাবাও লানবাও লৈতে

কমল—মাগী নোংবান হায়বা অসিনা তেঁজবা শারিবা অসিমা, ওন্থোক্লা নুংশিখিদ্রেদকো ইতাও, কেদৌবগে মীনা পামদ্রে হায়রবদি কোকহেক মতোকথোকউ, মীখোইনা মমাই পানখিদ্রবদি হিদাক লৈতেনেকে, ইতাও; মীখো-ইনবু ফররোই হায়না মকংখ্রিদ্রবদি ফহনবা য়াবা রা নত্তে ।

চাওয়াইমা—মাস্থ পংলানমক লানবস্থ নিত্রিয়ে ইতাও। মাগী মণ্ডক চাওবা, থাও তৈবা, শক্তা নুংশিদবা অসিগী বানি। মপা ইবুঙোনা মরোল অমা মাঙোন্দা পীনি হায়হুনা কন্না মহোৎনরেদো—তোকয়ে পাংদবা মতবা-অণ্ডম তাল্লে ইকাইবা খংদবা মতারবা—মঙোন্দস্থ পংলু লুরবা পোংনিমা।

কমল—মথোইগী কাংবু অসিমক্তবু অমস্থ অমস্থ মহম্নবা য়ারবনি, অহনবা হায়বা অমতা য়াওখিদ্রে। মপাবুং যুবরাজ ইবুঙো মাস্থ মচানুপী অনিস্থ শুদ্রবী অসিবু নোংবান নুপী মশীংথিবা ভমদ্রবা অসিদা লৈতবা য়াদে হায়হুনা শিবমখৈ ময়ান্নবা —অরানবা কোঙ্গাই তৌরম্নবস্থ করি লৈবগে কায়না খন্তবা ময়ারে।

চাওয়াইমা—ইতাও লৈত-লাইরগী বাহুম খন্নসিদা, ঐদি মথোইগী বা অসি ওস্থোক্লা নাকোং বাই চিনশ্রে।

(কোন্দোন হিদাক হান্দুনা পুথোক্লকই)।

কমল—ইবেম্মা নচাদি কদাইদা চৎথি? ইউ উদেদা।

কোন্দোন—'সিদা থবক অমা চৎশ্রি।

কমল—নহান নোংমা উববু য়াম্না চাওরেনা ইতাও।

কোন্দোন—খংদে তাদ কুমসিদি খংইন হেক ইনশ্রে।

কমল—চুং-ফিরাল চারহুনা য়াম্না ফজশ্রেনা ইতাও।

চাওয়াইমা—কদাইদগীনোদা ইতাও, লাইরবসিনা মফি-মরোল

নিংথিবা অমতম্ভ শাবিবা ভুমদে. মথোং ছকপা নম্ভেদা ইতাও—ঐগী হায়ববু মা লৈরিবা অসিনা লোইরে। মুপা মতাচাবা অমদা থাজবিরম্লগা য়ুম-ইংখোল, লৌশিং লৈজ-রিবা থরসি পুন্নমক তম্বীরম্বা হায়বা অহুনি।

কমল—ঐগীম্ভ ইচানুপা থোইবসি মথম্ভা মপোকই। পিশক্ পিক্লিডৈদগী তিন্নরকপনিকো ইতাও হয়েং তুং ফাওবা, ইচা-ইশু হাকুক ফাওবা প্রেম অসি কাইনহৌদনবা ইতাওগী নচানুপী অসি ঐগী ইচা থোইবদা পীরোদনা—পামদ্রা?

চাওয়াইমা—ইতাও ফনা হায়তুনম্ভ নং ঐদি কাইনররোই নচা ইচাগী পুক্লিং খ.দনদি কোক পীথোকপা অসি কয়া পাম-দেয়ে—তৌরিবা অসি উরেদনা—মিৎনা শংশং উতুনা লৈরবা অসিদা করি হায়বগে?

কমল—ফৈ ইতাও অতুগা মশা মশা য়ানরবদি শোয়দনা পীয়ুকো ঐম্ভ অতুনা পামই।

কোন্দোন—মথোংচাবা অঙাং নম্ভেদা, অরেম্বদা অরিবা চেম্বতুনা প্রেম কায়ননবনি—তুমিন অঙাওবীনি—মী-তিন্নবা মুঙাইবা মী নম্ভে।

চাওয়াইমা—অমবু ওইরবম্ভ অমবু ওইরবম্ভ কোন্না থন্ননি ইতাওম্ভ ইচাগী চলন য়েংবিথো—নচা ইচাম্ভ মপুক্লিংম্ভ খংখিসি।

কমল—ফরে ইতাও অতুদি ঐ হল্লগে পীদি পীয়ুদা—

চাওয়াইমা—ঐবুদি বেরা হৈতেনে ইতাও—ঐ থিন্দোক্লরোইকো।

কমল—(চৎনা চৎনা) ফৈ ইতাও ফৈ, নোংমা ফাদোকস্থ মচৎ-থোক্লকউদনা, ইতাও। (থোকখি) ইতাওনা কোইথোক-লকবা অসিস্থ ফনা মকুইরে।

চাওয়াইমা—ফনি ইতাও (ঙহাক হন্থনা খল্লগা) ঙাইগো নংনা নচা অসিবু কয়ামুক য়াম্না নুংশিদবগে? নংনা ইচাবু তুমিন অঙাওবীকা হায়জবা শান্নিবা অসিবু নখোইগী খুরদা ইচাদগী হেন্না শিংবা, মশক-মতৌ ফজববু কনা য়াওরিবগে? ইচাদগী হেন্না মশক-মতৌ ফজবী বুদ্ধি লৌশিং চংখোনবা হৌনবা খংববু খুঙ্গং অসিদা কনা য়াওরিবগে? ইরাই লাইরজবগী কে-মৌহুনা থস্বা ঙমদে হায়বা মঙাই—

কোন্দোন—এঃ, ইমাইপেম্মা ঐদি বা কৌবতা ঙাংজগ্ররোই। ঐনা বা অমতংবু ঙাংউরবদি মহুদা পোকথোক্লকপদি লোইবা খঙ্গা নাইখ্রিদ্রে। ফৈ ফৈ হায়হুনা থাগৎপবুদি ফত্তে ফত্তে হায়বনা মফবরা হায়হুনা মতৌবনি।

চাওয়াইমা—অহুবু চুম্না মশক থী, পুং হায়যুনে মীবু ঙাওই হায়বদি—

কোন্দোন—ঐনা ঙাওই হায়রগা হেক ঙাওগদ্রাও—চুম্না মতা চাহুনা হায়রিব্রা—থাঙ্গশেংনা পামহুনা হায়ব্রা থৌহুনা য়েংগে মতৌবনি পরপ পরপ তান্থোকথ্রবদি ঐনা তুমিন অঙাওবী হায়রুই হায়হুনা তৌরিবা বা ওইরেসে—ঐ ঙসি-দগী বা কৌবতা শুকঙাং ঙাংজগ্ররোই। বাশকউ হায়ব্রা

চাওয়াইমা—খরতা নত্তে য়াম্না ঙাংবিয়ু হায়রিবনি অহুদা মলোম-
দদি। য়াওদনা ঙাংউ হায়বা—

কোন্দোন—ঐনা ঙাংবমথৈ মলোমদা ওইনা খল্লিবা অতনিনে
লুরিবা।

(কোন্দোন ফেৎ লাওনা চৎখি)

চাওয়াইমা—হু, মাসিগী নুপীসি ওস্থোক্না ইশৈ কনবে দা
ওস্থোকপনিদা

—ওস্থোক্না লাইবক থীনা ভমহল্লোইদ:—

লাইট ওপ

অনিশুবা পন্দূপ

১বা উৎপা

কুঞ্জমালাগী য়ুম—মাঙ্গোল

নুমিদাংবাই

কুঞ্জমালা মথন্তা উখোংদা ভাতনা লৈরমই, নোং-নুংশিং কয়া [illegible]।

কুঞ্জমালা—তম্বা ভমদবা অতিয়াগী নিয়ম। ইথং খংহৌদনা
কয়াদা কন্না চুথ্রবা নোংনো! মিৎ-মাই ফাওবা পাংবা
ভমদবমথৈ কয়াদা কন্না চুথ্রবনো! লম্বী চৎপা মীশিংদি
ওস্থোক্না বাথ্রনিদা! ওস্থোকপনি তাইরপনে! মুমে ম[illegible]
জুগোং চাদবা, মফি-মরোন মরাং কাইনা লৈজদবা, শেৎলিবা
অহুমা চোৎথ্রগা—অতোপ্পা অমা হোংদোকনিঙাই লৈজদবা
মীশিংদি—কয়াদা বানা লেল্লিগবা! কারিনো—ভসি ইথং
খংহৌদনা অথুক অরাবা বাখল্লা কুপ্পিবা অসি—মতম নানা

করিগীনো চহি কুমজা কয়াগী মমাংদা থোকখিবা অবা
রারী লীবিহনা, মিকুপ অমা ফাওবা চিক্না পোথাং
ফংদ্রবী লাইবক থীবী ঐবু অনৌবা অবাবা ; অমা হাপ্লিবা
মতম অহু বারবস্থ, শেংনা-চানবা লৈজহবস্থ চিক্না পোং
জনবা মতমদি ফংলমই। মতম নংনা ঐগী পুক্লিংবু ঙসি
ফুম্বংনহল্লি, ঙসি খংহৌদনা মিং অসি পিনা থুমহল্লি ইম
পলেম অপোকপী ! মুমিং অহু শুকশুনা মমথ্রবা, ইমা
ইচাগা শক উনদবা মুমিং অহুদা ইমা লৈ কিগনু হায়দু
নচাবু নথাদা চেংনা কোনশিনবিখিবা মুমিং অহু ঙসি
ওস্থোক্না মান্নে। ইমা ! ইমা ! পলেম পুকফবী ? ঙ
নংতনি রাংলিবা, পুম্নমক শুনা লাক্লি। ইমা ইচাগী উচা
মৈরা মুংথংখিবা, উজাও কয়া ফুক্তোকখিবা, ঐখোইবু য়ুমং
লোইননা ফুক্তুনা পুগে হোংনরম্বা—অকিবা ফংল
প্রলয়গী মুংশিং অহুস্থ শিংলক্লি—য়োংশুক তাবশুম্নবা নে
অহুস্থ তারি। ইমা ! মুমিং অহুদা বাখি, কি
অহুগা ঙসিনা, মতমগী খোংলৈ—বাখন্না থম্মোই কংলি
ইমা ! পলেম ইবেম্মা ! মতম পুম্বদা নচাগীদমক পাম্বো
ভিংবিখিবা পুন্সি অসিদদি অমূক ফংলরোইদকো

কা পলেম পুকফবীও !
নচাগী পাঙ্গল চাওরক্লে,
নমোমগী শয়েং কল্লক্লে ॥
নমোমগী শিম্বা পিররো,

নমোমগী থোদাং তাক্লরো,
খোয়াং লম্মন শিংলগে ॥
নিঙোন পোকপী লাইরবী,
নচাগী মতৌ য়েংলগা'
চিনবান কাংনা নোক্লরো ॥

—কনানো ! পুকচেল কল্লবা কনানো ? থোজানগী ইফুং অতৎ অথম লৈত্রবা প্রেমগী ইচেনবু থওইদনা খল্লিবা কনানো ? কনানো মমাগী মমিত্তা অশাবা পি শিন্থহন্দুনা মপোক অসিমা কপ্পা লেনগে থৌরাংবা কনানো ? ইমা ! ইমা !

লাইট

অনিশুবা পন্দুপ

২বা উৎপা

মাঙ্গোল—অমুক চাকচামাং

(চাওভল থোরী ভাদুনা লৈ, খুমন ইমুংদগী থোরুকই)

খুমন—পাব ! ঐ ঙসিদগা শীংচনবা চৎলুখিগেনা ?

চাওভল—কৈদোবা ! অঙাং নংনাক্লা ইডাও ঙাওশিন্নয়ু, থরা লুনা চান্না তৌবসিদা নং ওস্থোক্লা নরাংলে, হাক্লা মী উশিঙবা তৌগনু ।

খুমন—কদোরবগে পাব ।

চাওভল—নুপীনবু লৈশাবী চাওথোক ফারবা কাওবা চীংমান কোইচৎ চত্তুনা লৈবা হৌনবরনহাই । হাক্লা ননি ও গনু

খুমন—নুপী ওইনতবু পোক্লবদি পুন্সিচুপ্পা অপোম্বা।' অশিনা
হায়দুনা য়োহ্লিং থাংদুনা লৈগদবনি হায়বা ?

চাওভল—ননিং তমগে হায়রবদি নথম্বা তোঙান্না লৈবা তাবে
ঐগা লৈমিন্নরবদি অতাবা অউবনা মপানা য়াদুনা তো
রিবনি হায়খিগনি।

খুমন—নুপীগীম্ব অচুম অরান, অফ-ফত্তা থন্ননব শক্তি লৈ অদু
মখোইদি খন্নবগী পাঙল অসি শিজিন্নবা খুদোং চাবা অম
পিবিদবা করিগীনো ?

চাওভল—ঙাইথো। নংনা হায়রিববু নংনা খন্দোক্লকপা য়াথলসি
অসি য়াম্না ফবা বুদ্ধিরনে ? অদুগা চংলুই হায়দুনা
য়ুমদম্ব পুশিল্লকবা—কুঞ্জমালা অহবু কার পোক্লে—নংগী
শুরুবা অহনা নুপীনা খন্দোক্লকপা বুদ্ধি অসি ফ
হায়রবনি।

খুনম—অদুগীবুদি মরম অমমম লৈ—কান্নবা ভাঙানি।

চাওভল—এঃ লৈশাবীনা শীংচনবা চংপা অসিমা—অদুগা শী
অহ চল্লুরগা মীঙোন্দা পীথোক্লম্বা অসিমা অনিমক কান্নব
অমমম লৈবা ? (নোকপা) হা, হা, হা, শিংইদা ইচাদি-

খুমন—(থুনা) লৈনে, পাব লৈনে। ঐবু শীংয়েন চনবা চংহন
দ্রিবা; লৌউ-শিংউবা য়াওহন্দ্রিবা অসি চাবা থকপা বাকি
অসিগী দমক্তা নত্রদো। মীওইবা হায়বসি খুবাক খুনমদনি
তাদ চন্দ্রসিং অসিবু য়াম্না ইনাক কৈরাক খুনবা মচানি
হায়বদাই ? ঐম্ব মাগুম্না খুদোংচাদবা মতমম্ব লাকপ
য়াই অদুনা অবা-অনা থাংবা তম্বা অসিমা—অদুগা চত্রব

য়াত্রবা, কনাগুম্বা অচোপ-অরেম থীবা য়াত্রবা, মী অমদা
পীথোক্তুনা মাগী অবাবা অতু থরা কোক্নবা — অসিবু ফত্রনে ?

চাওভল—ঙয়েং নংনা অতুম্না থুদোংথীরবা কান্দা কনাগুম্বশিং
অতুনা নতেং পাংবিরনি হায়না থাজত্রা ?

খুমন—অতুবুদি কনানা খংগনি,

চাওম্বাইমা—য়েংউ, তৌজিক লৈরিবা লাইরবা থুদোংথীরবাময়াম
অসি কয়া য়ামগ্রবনো ? নং ঐগুম্বা করিশু লৈতবদি হায়রুম্
নিংথৌমক ফাওবনা কোকহনবা ঙমত্রিবনি। অতুনা মশা
মশা ময়ুম লিংতুনা পাঙ্বা ঙম্লবা মানা মানা থোকপা কন্না
নোমজরগা লোইরে। লাইরবা অমবু ইনাকখুনবা তরান্না
শোগৎপা ঙমদে হায়বা বা লৈ। ঐগী ফিবমদি য়েংদনা
থবাই হাক্না চাওবনস্ত কান্নদে। থবক্তি হেক শুনিংদ্রে,
মতন তন্দুন কোইতুনা লাংতুনা হেক লৈথোক্লে অতুগা
লাইরবে, উপায় লৈত্রে হায়তুনা অওইবগা ওইদবগা তেং-
তুনা, থোক চংতুনা লৈরে। নোংম-নোমগী শুদনা চাগদবগী
থোকচংপা মশিং কেনগৎলক্লে।

খুমন—অতৈ অতৈদি খংদে পাব অতুগা ইতা কুঞ্জমালাদি পাবনা
হায়রিবশিং অতুগী মরক্তা অমতা য়াওদে। মহাক্তি নোং
ফুং ঙানবদগী নোং অমা ঙানবা ফাওবা মিকুপ অমতা
পোখাবা ফংজদ্রবনি। মহাক্তুম শিজিন্নরবদি য়োং ফাওবা
তুমগদবনি। অহুমক্তদা শিংথানবিদ্রিবনি। ঐদি মাবু
য়ান্না মুংশিজে।

চাওভল—কোয়নে হোয়নে, অদুবু শৈশাবী ফারবনিনা ইপা ইকাইরে চৎলমু ইরেম্মা। মরাইবক থীবনা থল্লবা তাইবং-পানবনি। মা বাই হায়দুনস্ত ইরোইবা হৈবগা হৈত্তবগা লুপমিন্নবদি চুমদে।

খুমন—অদু তাদনা চৎপা নুমিৎ অমদা নোংমতগা চৎলুখিগে—শীং কাদি করি অমতা পুরকলরোই।

চাওভল—কুঞ্জমালাদি নোং অমা ভানবা ফাওবদা মিকুপ অমতা পোত্থাদে অদুনা নংদি কোইদুনা লংদনা লেল্লগে হায়রিব্রা?

খুমন—হন্দকমুক্তগা মুন্না য়েংনিংলি।

চাওভল—করি য়েংগদৌরি?

খুমন—লাইরবা অতোনবশিং অসিবু মীনা অমুক থওইবিদ্রিবা অসিবু যাম্না পংথ্রবা অতনবা ভাক্তরা, করি তৌদুনা তল্লি-বনো অমুক্তা য়েংগে।

চাওভল—প্রমাণ হায়বা অসিদি অমা উরগা লোইরে। চাক ফবা ফত্তবা য়েংববু চাক মরু পুন্নমক মেত্তুনা য়েংব্রা?

খুমন—অদুদা পাব মীদি চাকুম্না পুন্নমক চপতি মান্নদে।

চাওভল—(থরা কন্না) তুমিন লৈয়ু, তুমিন লৈয়ু। (থরা নেমথবা) নুপীনবু লৈবাক নিংথৌগী বা পামজবা শারদুনা—থবক ইংখাং কন্না নোমদুনা লৈগেদি হায়দ্রদুনা—লৈবাক থু গাইবা য়াওগেরা? (চৎনা চৎনা) লৈম ইহেন হেনবা শারদুনা।

(থোকখি)

খুমন—বা অমতা হায়রুবগা হেক্কা শাওবা (চৎখি)

লাইট-ওফ

অনিশুবা পন্দুপ

৩বা উৎপা

কুঞ্জমালাগী য়ুম মাঙ্গোল—নুংথিল

চাওয়াইমা থবক শুরুদগী হন্নিল্লকুনা ফক্না ফমই

চাওয়াইমা—ইবেম্মা !

কুঞ্জমালা—পাব ।

চাওয়াইমা—কনাগী কার করা, ইপা কৈথেন্দুম কাহুনা ঙা লৈরুগে, ইপা ইচা চাক চামিন্নদবা য়াম্না কুইরে। করি ঙা চানিংই ?

কুঞ্জমালা—করি কান্নগবনোদা পাব য়ানবনি—ঐ ঙাস্থ কয়া চানিংদে ।

চাওয়াইমা—নকোক অহুদি শংবাইমুক হেক চাওরে, থাওকা অমঙা লৈত্রবরা ?

কুঞ্জমালা—থংদে লৈরমস্থ য়াই। করিগীনো—থিরুববু তল্লিদা—পাব তৈগে হায়ব্রা

চাওয়াইমা—ঐগী নহেনে নংগীনিনে ।

কুঞ্জমালা—ঐগী ওইরবদি তৈরোইদা। চথোক খোত্তোকপস্থ নস্তুবা য়ুমদা লৈবদবু থাউ তৈরগা করি কান্নগবনো ?

চাওয়াইমা—নংবু হন্নুবিরনে—চৎলুনে চৎলুনে—ইপানা হায়বসি কোক কোক ইল্লুদা। ঙাংনবা হাক্না য়াগনুদা—মীনাই—

নাইরোই থাবতু মঙাইরে। নশম ননাহু থাউ তৈশিন্দুনা চিংহি উতি শেংনা নুজথোকউ।

(কোন্দোন লিপৎ লিপৎ চৎলমই—
ঙাংবা মতৌ মান্দনা মুন্না তাই)

কোন্দোন—ঐনা হারিবস্তু অহুনি। মশক অসি কাংমুক শিংনান্না হাঙোক্লুনা তরং তরং লৈয়ু হায়রিবনি। মাবু মিনাইস্তু নত্তে। খিং নেতানা হায়নবিরমউ ঐদি ঙাংনবা ঙমজদ্রে। মীনা মমা পোক্কবীনা য়োকপনিনা অঙাওবীদোনা মশম মনা ইকা কারহুনা কয়া ক্ষিবম খিনা থন্মীরিবনো হাইহুনা নোকনখিনি হায়বা অসিদা ঐদি কয়া ইকায়জদ্রে মপানকা অমতা থোকহল্লনিংদ্রে। মী হায়বা অসিনদি অফবদি ঙাংবিনিংদেদো মীগী খজিক্কং অশোইববু উরবদি ঙাংগদবগীদা য়া কাথত্তুনা লৈরিবনি। থরা কেনা লৈয়ু হায়বা কেরগা করি কান্নগবনো হায়হুনা শিংনান্না থুমদোক্লকই।

চাওয়াইমা—হোয়দা ইচানা হায়বনা চুমইদা—মীনাই মীশন্দনবু চমোৎ চমোং লৈবনি। কেদনতা লৈয়ু হায়বা নত্তে। তনান তনান লৈয়ু হায়বনি। মোংলবদি তুফক তুফাই চল্লি, হকচাং ফত্তে, মীনা হঙ্গোইগনি। ইপানদি ইরো-দোম য়ুম কোইহুনা লৈথোকপস্ত ঙমদা, লৈবাক নিংথৌগী বাস্ত য়াওদবা য়াদা, ইপাগী পোথাকম হায়ববু নংতনি। নংনা ঙাংনিংথগুম ঙাংনিদবগুম নুংশুক নুংঙ্গানা লৈরগা ইপা থবাই নুংঙাইতে খিং হরাও হরাও লৈয়ু—

হরাওবা মতমস্থু ওইশিল্লক্লে। কুমশি হরাওবা অসিদি ওন্থোকপা অমা ওইগদৌরি। নফি নরোন করি বাংলি— নমানা তৌবদা করি ননিং থুংদবা লৈ? য়েংঙোই ঐনা চথোকখ্রিঙদা নমাগা থংনরুম্মুকো। নুঙাইতবা পুন্নমক ইপাদা চোইনা হায়রু। মীগী মমাংদা য়ায়া লাওবা ইপা ইকাইজে। মানা ফত্রগা লৈবাক্লা মানা ফত্তহুনা তৌরিবনি হায়না মরাইনা খংজগনি।

কুঞ্জমালা—ঐগীদমক্তি করিস্থু বারুগনু ঐ য়ান্না নুঙাইরি, করিস্থু নুঙাইতবা লৈতে।

চাওয়াইমা - নং শীংচনবকা অমতা চৎলমগনু - ইচানা করিগী করিনী শীং চনজরুগদগে।

কাঞ্চন—ঐনা হায়রিবস্থু অহুনি—ঐককা ওইরম্লবদি শেৎনিংবতা শেৎ চানিংবতা চাহুনা লৈগদবনি। অত্তদা মানদি শুগদবগী চৎকদবগীতা তৌহুনতা লৈ। শুবা ঙাক্লা নুঙাইবা নত্তে। শুগনবা লাইরবা চাগনবা য়ংগংবা হায়বা বা লৈ।

চাওয়াইমা—য়ুমদস্থু করি অমতা নোমগনু। কোল্লিক বাইরম শেংবা, ফৌশু-চেংশুবা নমা নচা চংহুনা অত্তক মতৌমিন্নৌ অহুগা লোইরে। মা অহন্না মহারাণী শাহুনা কোয়হুনা লাংহুনা লৈরগা করিগী ইচা লৈশাবীনা মীনাই শাহুনা নোম্মুনি—কনাগী দগ্রিনো—নুঙাইনা লৈথোকউ।

কুঞ্জমালা—ঐ করি অমতা বাদে—দগ্রিগী মথক্তা নোম্বা নত্তে। থাক কন্না নৌয়বতদা ঐ নুঙাইজে নত্রবদি ঐ পো-

থাক্সম থংদে।

চাওয়াইমা—থবক নোমজবদি মুণ্ডাইতে হায়রবসু ইপানা লশিং রাত্তনবা থম্বীগনি মোইথাপ নাইদুনা ফীরোন শাদুনা লৈয়্‌। নংনা তন্দ্রগা ঐনা থারিবা হৈ-লৈ ময়াম অসি সেবা তৌবিয়্‌। ইচাগী মতু তুবুম অমা ফাওবা কদাইদা তেক্কদগে হায়দুনা লৈরিবনি। ইপানা চীংবুরোই তম্বুরোই কোয়না চত্তুনা মোল্লিবা অসি গুপ্তগী ইচাগীদমক্তনি। ইপা লৈরিবৈদবু ইচাগী করি বাংকদগে ?

লাও. য়েংঙো লাও ইপানা থারিবা হৈ-লৈসি মশক মমিং লোয়ইনা তাক্কে।

(মপা মচা মখুৎ শন্নদুনা থোকমিন্নখি)

কোন্দোন—(মুন্না য়েংই) লুনা তৌজবা শারেদা—চান্নজবা শারেদা —থারেদা—হিইস—নমানা তৌবদা করি ননিং থুংদবা লৈকা হায়দুনা। মচানি হায়দুনা মিন্নুংহুৎ অসিদবু—ঐবু মমানি হায়দুনা উশিংকদবসি করিদনো। ইঃ শীংচনবা চংমুকা হায়দুনা —মুণ্ডাইরেদা চাওয়াইমা (খুগাম্পী কাপই) সত্য চত্তা চত্তসনু য়েংসি হায়বা। মপানি হায়দুনা থা অমগী মনুংদা নোংমা হল্লকপা মানা করি তৌজরগদগে! হায়জোও নোনজোও. নং নংগীদমক শিবিগে। শিংনা লাক্লদুনকা তৌরবদি কোন্দোন ঐখোয়দি কৈগুমই হায়বা থংদবা শাইয়ে।

(থুমন চংলকপা, ভহাক ভাংবা তাদুনা লৈ)

থুমন—হায়মা, ইশোন ঐদি ভসাইমথৈ কনা কনা যাওরিবোই নিংই। ইত্তাদি কদোমদা চংখি ?

কোন্দোন—থংদে থংদে ইবেম্মা—থংজ লাকচদে—মপা-মচা ইংখোল য়েংগনি হায়হনা খুৎশম্নহনা চংখিবনি।

থুমন—কৈদৌরবগে ভসি ইশোন্না অমুক য়াম্না শাওরিবা অসিবু ?

কোন্দোন—শাওজদে, শাওজ লাকচদে—নিংথি মুক্তাইহনা লাকপিবা নত্তে—কিচিনগদবগী, ইনশনগদবগী, কোন্দোনগী অকাইবা য়েংগদগী লাকপিরবনি।

থুমন—ইন্দোনগী করি কাঈনবা শিনথ্রবগে।

কোন্দোন—থংজরে থংজরে ঐনা শিংশিংনা থংজরে। শিন্নাইফম কাবনি হায়তনা চংল্লে—থবক্তি হেক শুদ্রে—মীগী মীরা মীপাওদা হেক ভাংনরহনা লৈরে। নমানা নংবু দি অত্ত কায়—মানা অত্ত্ব হায়রগা অত্ত্ব হেক খুমউ।

থুমন—হায়মা—ইন্দোনসিদি মতা অমনিনা। থিজেন তাইনবা ভমদহনা নাশিখোং তাইনরিব্রা ? মীগী মপা মচা চান্নজববু অত্ত্বয়োনা শাওবিরিবা করিগীনো ? (ক্ষেৎ চংখি)।

কোন্দোন—(খরা নেম্না) লৈশাবী চিনগনবসিদি—(খরা বাংনা) লাকপি লাকপীনুদা—(ইমুংদা চংখি।

লাইট ওফ

২বগী—২বা

লম্বী-লমহাং

নুংখিল—লুমিদাং রাই

তোম্বুং—মোদোন

তোম্বুং—মোদোনসিং ইবো ন বু ঙসিসে কয়া নথবাই মুঙাইত্রা ?

মোদোন—মুঙাইনা, ঐবু মুঙাইতনা উব্রা ?

তোম্বুং—হায়মুদা, ঐথোইনা ঙম্বা ওইরগা নত্তেং মপাংবিগে—হায়দোক্ত্রগা কান্নবা বা নত্তেদা।

মোদোন—বা হায়বা জাং অসি নঙোন্দা ইহায় হায়দোক্লিংদে।

তোম্বুং—করিগী ?

মোদোন—সিনা অরুবনি সিনা অরাইবনি হায়বস্থ নাইদে পুম্নমক চপ মান্নৈ। মীনা লুনা হায়জবা নংনা ফাগী হেক্তা তাথোকই।

তোম্বুং—ফৈদা বেরা লৈতেদা হায়দোক্ত্রগবু ফনি হায়রবদি হায়দোক্লম্থ। ঙসিদি ভাব ফনা তাবগুম তৌই—কোক অসি রায় কয়া চিন্দে—অহুনা নংগী বা অহু অহুক থন্দোকপিরমসিরা—রায় তাথোকপিসিরা হায়হনা তৌবনি। অহুবু নংনা নতোমদা বাজনিংবনিনা করিম্থ হায়নিংঙাই লৈতে।

মোদোন—করিগী লাইখাইনোনে নংনা তাবিগদৌরিববো—ওস্থোক ওস্থোকপা।

তোম্বুং—ইঙক্তা ঙকথরহুনা, হায়রম্নে হায়রগনে—ঐনকা যাম্না হায়জহুনা মীগী মরাকা থম্নবা ঐনা হেম্না তম্নবা বানি।

মোদোন—অওইবস্থ অওইবনি তোম্বুং ঐ নংগা বা অমা ম্নামু

তান্নিনিংই, নং অমুক্তা ভাব তানা তাও—ভাব থরা তাবিব্রা ?

তোম্বুং—ভাব য়াম্না তাবি হায়ত্না হায়রবা মক্তদা শেংনা হায়য়ু লোথুপ লোকোইকা তোগসু লোৎলগা করিসু ফবা পোং নত্তে ।

মোদোন—অহ্‌দা—

তোম্বুং—অহ্‌দা করি তৌরবা ?

মোদান—নংনা পংহায়দা হায়দোক্লকবদি ঐদি পানবা য়াত্রেদো—

তোম্বুং—(য়াম্না লুশিন্না) নংগী অসিদি য়াম্না ফত্তবা বানিনা—ঐনা নহানমথৈ অগুম উরিবা—মোদোন হায়বা মুপা অসি মবুক মপাওসু ফনা ফনা মউই অহুবু পেংনা চেং চংশবা মীতা মাল্লিদা হায়ত্না—

মোদোন—করম্না ফত্রিবা ?

তোম্বুং—মী তাবা য়াদবা অরোনবা বানা অমুক ফবা হৌনব্রা ? লোম্না তোবা থবক মথৈ পাপনি । ফোংনা, ইফোং ফোংনা হাৎনবনি হায়বা থংনা থংনা হাৎনবনিনা লান্দা হাৎপসু শিবসু অনিমক পাপ লৈতে, স্বর্গ কাই হায়রিবসিনি । হয়েং মতুং মনাওসু শংউ ফনা ফবা থবক ওইরবসু মীবু থংদনা হুরানবা লোনচৎ চৎপা তারবদি মাহু শোয়দনা পাপনি। নংগী বা অসিবু ওসি মহায়দোক্তবা ঐদি নংগা কৌনরোইদবনি । ঐগা থংনবা মীপুমদা নংশা তিন্নগ হায়ত্না চেনখোক্দবনি । হায়রো-হায়রো পরপ পরপ হায়রো অহুক ফত্তবা য়াবু নবুক মমুংদা অহুক কুইনা

থম্লবদি পুমথরক্তুনা লাঙীয়েংবা য়াদবা তারে।

মোদোন—তল্লেদা ওল্লোক ওল্লোকপা—

তোম্বুং—তনগন্নু ঐনা হায়রিবা অসি অওইবনিনে—

মোদোন—অদুদি নং মী অমতা হায়দোকওই হায়হুনা রাশক।

তোম্বুং—তোকওদা হায়রম্নুদা নংনা অদু য়োনা লুনা খন্দুনা হায়রবদি ঐ শোয়দনা পংহায়দা হায়দোক্লিংবা তারে, মসি ঐগী মহৌশানি। হায়দোকপা য়ারগা ইলাই লাইনা হেক হায়দোকউ। ইলাই লাইনা থম্নসি।

মোদোন—ফরে অদুমত্তাইরে ঐম্ভ হায়দোক্লিংবনা মতা অমা অদুমকপু থোইবদদি হায়দোকম্নুকো মাগী শায়নৈ হায়বনে করিনে তাই।

তোম্বুং—তো তৌরেদো, ঐনা খল্লম্বা মথৈ লোইনা। তৌরেদো ঐ অসি অস্তর যামি ওইগদবা থজিক্তা মত্তাইরে—মীনা নিংবসি হেক্তা খংবা—মীনা হায়দ্রিভৈদা হান্না কোক কোক হেক হায়দোকপীবা তারে—অদু ওইরবদি ইবা বাদনা লেম্না চাবা য়ারনি। ঐনা নহানমথৈ উরিবা নংগী নবুক মচা অদুদা তীল অমা লৈরহুনা থোইবগা নংগা হয়াও হয়াও মরুপ মপাং ওইনা চান্ননা লৈরিবা অসি তোক্ক-দৌরে—থাং শংনবা তারে হায়না খল্লম্বা শোয়দ্রে নোংমা থাং শংনবা তারে। য়েংবা হায়বা অদুনি ঐখোইনা তৌবা ওস্বা উপায় করিম্নু লৈতে—হা

মোদোন—হায়মা অমা ওইরবসু অমা ওইরম্নু নং নক্তনা কনাদা তাইনগনি।

তোম্বুং—ওঃ করম তৌসি হায়বগে অতূক হায়য়ুদনা

মোদোন—ঐগী রাখল অসি পল্লেকম থাদ্রে—অচুম অরান অক-ফত্তা খন্নবগী শক্তি লৈত্রে—অম্বয়বু অম্বম হেজিন্নক্নবা—শোইদনা থোকপা অমদি তৌবা মতাম্রে। ফরবদি কৈ ফত্রবদি ঐরা মীরা অমদি শোইদনা শোইবা তারে।

তোম্বুং—তৌবিন্থ মী মাংনবা রাখল অসি থক তৌবিয় করিগুম্বা পোং অমা তুমহনবদা পোং অমা চংই, ইরাই লাইনা তুমহনবা য়াদে। অমবু মাংনবা খনবসে তরাই তরাইনা কোক মাংহনবা য়াদে। মাবুম্ব কন্নবা উপাই অমা লাইনা মশিন্নকই। য়েংঙোই—মাগী অঙোমগী অসিনা—মী অমা মাংনবা হোংনবদা য়াম্রতুনা মোইরাং লৈবাক অসি মথক মথা ওল্লিবসি উইদনা ?

মোদোন—(ভাবতানা) উম, ফরে হন্নসি পংথেং থেংলণ্সি।

তোম্বুং—কিবিরবত্রনে ? পংথেং থেংদ্রিদা—থেংনা চৎপা মী মথৈ শিবা তারবদি ঐনা শিরিবশিদি মশিংথিবা ঙম্মরোই। থেংবা ঙনবগী রা লৈতে শিবু শিয়ু হায়রবদি যণ খোংগুম্দা ফাওবা লাইনা লৌরিবা পোংনি, লোত্তুনকা হিংবা য়াবা নত্তে। শিবগীদমক পংরা রানিঙাই লৈতে।

মোদোন— অওইবনি তোম্বুং — মাগী মাগী কুমগী লাইচৎ হায়বসি ওম্বোক্লা লুপ্রদকো—হৌজিক মোইরাংদা শাগী লানগী রা অমতা তাখিদ্রে—লাইকুপ, লাইজাও পুকচৎ ঈফাইবা কিনখিদ্রে—শুম্মগী চিংথুবা, নোংবান, থম্বা,

থোইবী মাসিদা শুকল্লে।

তোম্বং—সুবদগী সুবদি অদোমগী লাইনা অহুনিনে। মীনা হায়রি-
বমথৈ নাত্রা শেক্লানহু লৈরাক নিংথৌগী বা অমত্তা য়াওজবা
ওমলরোইদবনি—মাইবা, মাইবী, মন্ত্র, যন্ত্র, হিদাক লাংথক
লোইনা মপ্পাই চম্বগদবনি।

মোদোন—এঃ ঐদি নংনা থৌ তৌবিরবদি শোইদনা কনি
খল্লিবদা—

তোম্বং—হিগাইরানকা শুকয়া য়ারোই। নবুক মহুংদা থোইদিং
মক্লমুক চাওবা কাওবা অমত্তা খ ক মাথ শেংনা শিং শিংনা
হায়দোকউ অহুগা মরাইনা ফজগনি। ইকাইগম্বু নং ঐতগী
দশা নত্তে। ইকাইগম্ম মথোক কারকপা খুদীংমকী লাই-
নানি। নিংবা থুংবা থুংদবা—মাংবা তোংবা হায়বহুদি
লাইবাকী বানি। হৌজিকপু নংবু করি তৌগে হায়না খল্লি।

মোদোন—হৌজিক করি তৌগনি—হায়ফম খংদে। মিংচিনা
য়েংদনা েক্তা তোকথোকপা ওমগনি। অহুগা করিগুম্বা
উশিং থওইদবা উংলবা ঐ য়াম্না তমথিবা ওমগনি।
থোকপা অমা তৌহুনা ঐনা নিংইবা অসি পাংথোকপা
ওমগনি।—নত্রগা মথোই অনিমক মা'নবা শিনবা ওমগনি।

তোম্বং—উম—হোৎনহুনা চাং য়েংলবদি ফয়মগদবা অহুদা ফংল
মদবা য়াই থম্দুনা চাং য়েংদনা তোকথোকপা অসি কত্তে।
অহুগা থবক অমা পাংনবনি হায়হুনা পাপ পুণ্যগী বাথন
য়াওদবা মসিহু তৌহৈদে। অহুনদি—করম তৌবা—

মোদোন—হেরা তোকথোকসিদ—মাগুম্বী করিম্বু লৈতবী মুপীমচা অমগীদমক্তা অমুক লুনা থম্নবা হৌনদে। মতম মাংনবনি লেংঙসিনে—

তোম্বং—লেংঙসি লে ঙসি—অহুগা করিম্বু লৈতবা কাদি হায়বিনুকো। কুইর কুইরগা কৈম্বু য়াম্না লৈরকথিগদবনি।—মোদোন্না কুঞ্জমালা মুংশিরুবগীদমক্তি পাপ লৈতে। ইশাতগী নিংবা থুংনবা অচুম অরান থিজ্রিবা—নত্তবা উপায় শিজিন্নদুনা তুং-মাং য়েংলক্তবদি পাপনি।

মোদোন - লেংঙসি লেংঙসি থোক্র থোক্লবা লাকনি। পাপ পুণ্য হায়বা করিম্বু লৈ-া বা নত্তে।

লাইট ওফ

অনিশুবা পন্দুপ

৫বা উৎপা

কুঞ্জমালাগী য়ুম—মাঙ্গোল

মতম মুংথিল তাল্লক কুঞ্জমালা লশিং ওতুনা লৈরমই, কমল লোক থুত্নুনা চংলকই।

কমল—ইবেম্মা কনা কনা লৈ, নংগী পাবখোইদি ?

কুঞ্জমালা—(হৌগংলি ফিদা থাই) পাম্বদি লৈতে সোম্বদা লেংশিনবিয়ু ঐ হিদাক অমুক্তা হাঞ্জরুথিগে।

কমল—(কমথৈ) ইপাগীদি হাল্লুনু থবকতুম শুক্তৌ ইপাদি লোক্লা খুবনা তুম্বা হিপ্পা ইনুং নুংঙাইত্রে। ঙসি নিনি হুমনিসি ইপা থকপা খরা লেপলি। (কুঞ্জমালা অমুক কমথৈ থবক অমুক পায়খৎলি) করম তৌরি ইচাবু খরা নুংঙাইরিব্রা ?

কুঞ্জমালা—য়াম্না নুঙাইজরি পাব।

কমল—ইচানবু নুঙাইরবদি লোইরে—হৌজিসিদা নমাকা অমুক লৈজরবদি কম্না নুংঙাজগবনো—মচাগী কুম্ম য়েংহনা পানজরমগবনিদোসে।

কুঞ্জমালা—হোয়।

কমল—ধর্ম্মতা কাইগনু ইচাসিদি—ধম্মনা শিদবা উপান্নি। অচুম্বা লৈবনা জগৎ অসি লৈরিবনি—অচুম্বনা নোংমা শোইদনা জয় ওইগনি।

কুঞ্জমালা—হোয়।

কমল—নংগী পাবদি কোম্নুং কদোথৈ কাখি ?

কুঞ্জমালা—ঙরাংদগী কাখি।

কমল—সেবাকা য়াম্না লুনা তৌ—মীরাইবা য়াদেকো। নথন্তা পোকপনিনা নহাক শেমলগা লোইরে হায়হনা লৈজরিবনি। ইমাদি করম তৌই—ত্তিন্নবা নুঙাইব্রা লুনা তৌব্রা ?

কুঞ্জমালা—হোয় য়াম্না নুঙাই—য়াম্না লুনা তৌবী।

কমল—ইচানবু নুঙাইরবদি লোইরে—ননিং থুংদবা লৈরবসু লোইনা হায়য়ু—করিম্ম চিংনগনু। নমাদি কদোমদা চৎপ্রি?

কুঞ্জমলা—কদোমদ চৎলমগদবনো থংজদ্রে, ঐঃচংদদি তাক্ক-
মদ্রে—ঙসাই চাক তোকপদগী চৎখ্রিবনি।

কমল—এঃ ফনা কেয়া পাল্লিবা বা ওইরে?

কুঞ্জমালা—হোয় কৌডিকমক্তি নুঙাইনা মপাল্লি।

কমল—থংদ্রেদা ইবেম্মথোই—লাই হায়বা অসিনা শিল্লিবসি—
মমা পোক্কবীনা য়োকপা হায়বা অসিদি ফনা ফুনা
তৌহুনস্থ—ফনা অফ-নুঙাই মচা ওইহুনস্থ নাকন অমদি
মহোবনি। ঝারৌগন্থ নহাক ইকাকথক্তদা থোকপা নত্তে।
থাইনা অা—লাই হাক্তক্তগী কৌরক্কবনি। থাংবতা কল্লু
মানা ফনা তৌইজ হায়বা অতমচাই পুন্নমক খুগাক্তা
তাগদবনি।

কুঞ্জমালা—হোয়, অত্তবু—ঐ লৌ ইংথোন—লক্ষ্মীগী মীয়াইবনী
বা নৎচদে, মাহাক তসি মচা অমতংকা পোক্লমতুনা মচা
নুংশিবা থজিক্কং থংলমতুনা মীয়ুংশি থরতং থংলম্লবদি
—তিন্নবা থরা নুঙাইরমগদবনি।

কমল—শাওরুনু ঈশ্বরনা শিল্লিবা ঙাক্তনি।

(মপান্দগী থুমন হরাও হরাও কৌরকই)

থুমন—ইতা! ইতা!

কুঞ্জমালা—ইতা। লাও চংলকউ। (হরাওনা হৌগংলি) করি
থবক্তীনো ইতা?

থুমন—করিস্থ তৌদে চুন্না চঃথাকলকপনি। থবক য়ান্না চিল্লিব্রা?

কুঞ্জমালা—চিন্দে করি হায়বগে?

খুমন—নথন্তরা নখোইগী ইমা লৈব্রা ?

কুঞ্জমালা—কৈতে করি হায়বগে ?

খুমন—ঐখোয়দা কোয়রুসি শিংজুকা চারুসি হায়বা—

কুঞ্জমালা—অদু ওইরবদি ঐখোয়দস্থ য়াই করি তৌবগে ?

খুমন—তম্লদা নখোইগী নমা চিনগনবী অদুনা শৌ শৌ লাওদুনা ঙাংবদু তাজনিংদেদা।

কমল—য়ায়া ঙাংগনপ্রবো ?

খুমন—এঃ মহানি। মানা কোয়দুনা মহারাণী শাদুনা অস্থম লৈ অদুগা মচানুপী অমা লৈরিবসিবুনা হেক পান্নরদুনা শুমদি শাবমথৈ নৈদুনা লৈ—সিমস্থ হায়রিবমথৈ লোইনা ইল্লি। ঐ ওইরবদি মা-ইতিক থংগদবনি। ঐদি খাংবা ওমদুনা থিনা থিনা হেক খুমদোকপিবা—মখোইগী মমা ইবেম্মনা ঐ লাক্লবদি .কৌনিংগুম কৌনিংদবগুম মচুক্কা পৈদুনা লৈরিবনি—মানা শাওবা হায়বসি ঐবুনা মহেল্লে।

কমল—সংসার হায়বসি অসিনি। অমনা নিংবা থুংবদা অমনা নিংবা কায়বা, অমনা বারগা অমনা মুংঙাইবা, অমগীনা মাংবা অমগীনা তোংবা অদুনা কুঞ্জমালানা কোক থরা মচাওবা—রাগমু, অরাবা মী লেয়া মাংবা কৌনদে—লাইনা তম্বা লাকথিগনি। পুম্নমক অসি ইবুংঙো মানা শিল্লিবা ঙাক্লি।

খুমন—অরা মুঙাইবা অসি ঈশ্বরনা শিল্লিবা ! মী অমবু পুন্সিচুপ্পা কপহনবা—জগৎ অসি ওন্থোক্লা মুঙাইখিদ্রবা, লৈহাও

চেন্দবা লৈকংলা ওলহল্লবা অহুমক্কদা ঈশ্বরবু মীনা থৌজানহৈ হায়রিবা অসি করিগীনো ?

কমল—ঙোং পুন্নমক অসি ইস্পাৎ নত্তে। অহুমকপু মখৌ শংলবদি ইস্পাৎমুক থৌদ্রবস্ন ফবদি য়াম্না হেনগংলি। মীওইবস্ন সংসারগী অৱা-অনা খুদোংথীবা কোক্সাই থেংনরবা মতুংদা মাফু নমহৎনবা ওহা মবদা মীগী শক্তি য়াম্না হেনগংলি।

থুমন—মশক অসি শুকয়ে দা য়েংজনিংদে।

(থুমন থোকখি, কুঞ্জমালা তপশপ্না থিনদোকখি)

লাইট ওফ

———

অনিশুবা পন্দুপ

৬বা উৎপা

ফুবাল্লা খুনগী খুন্দোন—লমহাং ময়া।

ঘুমিদাংবাই, থোইবা ঈশৈ শক্লুনা ফমদুনা পোত্থারমই, কুঞ্জমালা শাঙ্গে অমা পায়দুনা শল থীবা লাকই—লাপলপ কুঞ্জমালা লাকপা উবদা থোইবা ঈশৈ শকপা তোক্লুনা ডাইদুনা ফল্লপ ফল্লপ য়েংদুনা লৈ। য়ৌরকপগা হৌগৎলুনা

থোইবা—কদাই চংকদৌরিবনো ? (খরা কোইনা)

কুঞ্জমাল—(হায়ফেং থুকংলি) ঙসিদি ঐথোয়গী শল অমত্তা কারক্তে—য়েংগে হায়দুনা থোক্লকপদা অম্নুম য়ৌরক্লবনি।

থোইবা—ঙসিদি শীংকা করিকা অরূপ্বা অমতা পুদবনিনা য়াম্না নুঙাইনা চংলেদনা।

কুঞ্জমালা—হোয়।

থোইবা—অদুবু, ঐদি শীংচনবা নোংমতং চংহৌদবা লৈফম হেক্তা খংদে—ঐঙোন্দদি অরাবা থবক ওইদ্রে নুংঙাইনা থোক্লে। ঐদি পুন্সিচুপ্পা অমুম্বা থবক্তা পামই।

কুঞ্জমালা - হোয়।

থোইবা—হোয় য়াম্মনপ্রেকো—(থোইবা, কুঞ্জমালা অনিমক হায়-কেং নোকই) করি থবক্লে অদুদি ?

কুঞ্জমালা—অদুবো—শীংচনবা।

থোইবা—নত্তেয়।

কুঞ্জমালা—অদু'দ .... ?

থোইবা—ঐনা অ সগুম্বা থবক অমা পুন্সিচুপ্পা তৌনিংই—মতুদা মীনা মখুৎথিংজিনবিরক্লবা—

কুঞ্জমালা - হোয়।

থোইবা—লোয়জদ্রিয়ে।

কুঞ্জমালা—হায়বিয়ু করি তৌবগে (য়েংনৈ)।

থোইবা—ঐনা অসিগুম্বা থোংবু অমগা লোইননা চংমিন্ননিংই থাইদগী হেন্না নুংশিজবা—য়াম্না পুকচেল খোইজেল তিন্নবা—অদুগা চপমান্ননা লৈবা — (কুঞ্জমালা নোক্লিংবা উবদা থোইবা নুঙাইতবা) হায়মা, করি তৌরে নোক্লিবদি ?

কুঞ্জমালা—বাথন্দদি পুন্নমক ফজে পুন্নমক ইলাই লাই, অদুবু থবক ওইনা কৌবা [illegible]

খোইবা—(য়াম্না খঙনিংবগা লোইননা হায়রকই) ঐনা হায়রিব-
শিং অসিবু ওইথোক্লরোইদবা ঙাক্করা ?

কুঞ্জমালা—ওইববুদি করিগী ওইথোক্লোই—অহৎদা হৌজিক হায়-
বিগ্রিবা মরূপ অহ্ ফাওবা থিবা য়াম্না বানা থোকপা
য়াই অহুগা ইফং ফংথিদবসু য়াই। অহুওইরবদি থল্লিবা
পাম্নলিবা পুম্বা শোইবদা নমত্রা ?

খোইবা—(মুঙাইতনা) ও ! অহুনা য়াম্না নোক্লিংবা নত্রদো ?
নোক্লিংফম থোকই। অপংবা, খ'দবা মীনা ঙাংথোক্লকপা
তৌথোক্লকপা পুম্নমক অশিংবশিংদাদ য়াম্না নোক্লিংনা
থোকপা মকৌশানি। অসুম তৌহুনা ঐনা থল্লিবা, পাম্লিবা
পুম্নমক অরানবা ঙাক্তা ওইরবদি ঐগী পুন্সি অসিদা কয়াদা
অৱাবগী মশয়ো। কুঞ্জমালা ! ঐনা থাল্লবা পুম্বা অয়াম্বা
ঙাক্তা ওইরগত্রা ?

কুঞ্জমালা—করি বানো—ঐগুম্বী করিসু লৈত্রবী অমগী বাবু
লোইনা চুমগদবগুম তৌরিবা অসিবু।

খোইবা—করিসু লৈতবা,—ঐ অসি নঙোন্দদি করিসু লৈতবা
য়াই অহুগা ঐগীদমক্তি নংনা অনিগুদবা বাথল্লি।

কুঞ্জমালা—অঙকপনি (তপ্না তপ্না বাখন তৌনা চৎসি)।

খোইবা—(মনাক্তা চংশিল্লগা) ঐনা ঙাংবা বা অসি নাদা
গুপহাপ হাপনিংদ্রা-থল্লিবা অহুনা করিনো—ঙকইবনা করিনো
—উম—ঐনা ঙাংইবা মথৈ অমতসু তাদবা, অমতসু খুমদবা—
নংনা ঐবু অসিয়ৌনা তাথি হায়বসি ঙসিতা মথংই—

নংনবু তানিংত্রবদি পুন্সি অসিদা বা অমুক ভাংলরোই(চংখি)।

কুঞ্জমালা—(থুনা তাগ্নহুনা মথুং পায়) করিগী ভাংজোইদোগিবা—
ঐদি নংনা ভাংবা বা য়ায়া তানিংই—নংগা বারী য়ায়া
শাগিল্লনিংই । (থোইবা কুঞ্জমালাদা য়েংই, ওয়্যোকখি) ।

থোইবা—নংনা ঐবু ঙুংশিদে হায়বা য়ায়া য়ুম্না থংলে।

কুঞ্জমালা—হায়মা ঐ নংবু ঙুংশিয়ে ।

থোইবা—(নুভাইতবা লোইননা নোকই) ঙুংশি—অওইথরা, ঐদি
থাজদে।

কুঞ্জমালা—করিগী থাজদ্রিবা—ঙুংশিবা হায়বদি মাবুক্তা খন্দুনা
লৈবা খক কাওবা ঙমদবা মীবু নত্রা ? অদু ওইরবদি
ঐনা নংবু করিগী ঙুংশিরোই—অদু না খরতা ওইরবসু ঐবুসু
ঙুংশিকম থোকই। থোদাং তৌবনা মীওইবগী পুন্সিনি—
ঐগী থোদাং তৌবদা তত্তনা তেংবাংবিরিবা থোংবুবু করিগী
ঙুংশিরোই, তত্তনা নিংশিংই ।

থোইবা—কাওবু কাওদ্রবদি শোইদনা ঙুংশি করিসু হায়নিংজাই
লৈতে। ঐগী মাংনবতা শিল্লিবা মীশিংবুসু খক কাওদ্রবদি
মথোয়বুসু ঙুংশিবমি হায়গদ্রা ?

কুঞ্জমালা—ঐবু পুন্সিচুম্না বানবা শিল্লিবা কোজাইবু হৌজিক
হৌজিক্কি তাখিবা য়াই — অতুমকপু মতমগী মতুংইন্না
নিংশিংবদা মমি শামি ওইরক্লবা, বারী ওইরক্লবা
মতমদদি— তমথিবা অয়াকপা পুম্নমক কাওথিহনা—শুপ্নগী
অথোংপা ফজবা অহুতা লেমহৌগনি। মতম অদুদদি

মথোই অহুবুসু মুংশিরকনি—অহুনা ঐগী দমক্তি মুংশিবা ঙাক্তনি।

খোইবা—ও, ঐনা পাল্লিবদি অহুগুম্বা মপান নাইদবা মুংশিবা অহুবু নত্তে।

কুঞ্জমালা—অহুদি করম্বা মুংশিবনো ?

খোইবা—ঐনা নংবু করম্না মুংশি—নঙোন্দগী করম্বা মুংশিবা পামই—পুম্নমক লীপে খল্লিম্বনি—অহুবু হায়রয়োই, ঐ অসি নঙোন্দদি চুম্না লম্বী চৎমিন্নবা মী অমনি। ঐগী মতম কুইরবা—লুনা থমজরবা পুন্সিগী কল্লনাগী মং অসি নঙোন্দ দ যাম্না নোক্নিংগনি—লমগী চেক্লানা খোংবগুম মরোল য়াওদনা ভাগনি।

কুঞ্জমালা—অমুক্তদি মহায়বিয়ু করি তৌবগে ?

খোইবা—ইপান থাদা ঈশিংনা চাংজৌ নাইত্রবা মতমদা ঈয়াদা নোংলৈ মুংশিং থেংনরবা শিহোনবশিংগুম ঐগী অবাবা অসি অকিবগী মশক্তি। হোরক্লিবা নিংজব ঈথক অসিনা মথঙ্গা নেমজখিবা থোক্লবদি কৈ, অহু নত্রবদি ঈয়াই অসিদা পুন্সি অসি কেমত্রগদবনি।

(থাইবা মিৎকম হোংদনা তপ্পা চৎখি-কুঞ্জমালা মুম্না খেৎহুনা লৈহৌই অহুগা হরাওনা হায়রকই)।

কুঞ্জমালা—অঙকপনি ইবুংঙো নংগী খুংশেম। অচৌবা মপান নাইত্রবা ঈশিংগী ঈয়াইদা চীং থমই—অহাংবা চীংগী চীংদোনদসু অতং অথম নাইত্রবা ঈশিং লৈ—কুঞ্জমালাগী পুন্সিদসু মরক মরক্তা মুঙাইবা মং মংহল্লি।

লাইট ওফ



অনিশুবা শন্দুপ

৭বা উৎশা

লৈকোন

লৈকোনমচা অমদা উখোংদা কমছুনা মথন্তা অচাওবগুম ভাংছুনা চন্দ্রসিংনা অৱাবা পোৎথোকলমই।

চন্দ্রসিং—ঐনা তৌরিবা অসিবু শোই থাস্নিবা হায়বছুনিকো —
করিসু নত্তবা মরাল অমগীদমকপু অস্নুকৱানা লেনবা—নিপ। থৌদাং য়াওদনা নিংশিংবতনা ইশিনজাং ওইছুনা লেনবা পুন্সি, ওস্থোক্লা অৱাবগী মশক্লি। হিংনা হিংনা শিবগা চপ মান্নপ্রে।

(খুমন চংলকই, ড়হাক মুন্না য়েংই—
চংশিন্দুনা হায়রকই)

খুমন—তাদ! করি তৌরে—অস্নুক নুংগুক নুংজানা কন্নিবা অসিবু। ঐখোইদা লৈবগি কয়ামুক নুংঙাইত্রবগে, করি ননিং থুংদবা লৈবগে হায়যুবা।

চন্দ্রসিং—য়ায়া নুঙাইরি ইবেম্মা করিসু নুঙাহতবা লৈতে।

খুমন—য়ুম নত্তবা হায়বসি পোথাকম খংবা নত্তে।

চন্দ্রসিং—য়ুম হায়ববু করিনো, নুঙাইনা, করিসু নিঙাইবা লৈতনা ইনিংতম্না লৈবা কংবা য়ুম অতু ইয়ুমনি। ঐবু ইবেম্ম-খোইগী ইমানা হেক পোকপা মচাগা চপমান্ননা লুনা তৌবিরি।

মমা অমনা মচা অমবু লুনা চান্না তৌবিবা, নুংশিবিব, ঙাকপীবা, মচা অমনা মমা অমদগী ফংবা তৌনবা পুম্নবু পীবিরবদি মশাকপু ইমা কৌবদা করি অরানবা লৈগনি।

খুমন—অত্ত পুন্নমক ওইতুনস্থ পোক্কফম—শাংনফম নত্তবা হান্নবাস চেকশিল্লক্লগা থক মান্নবা নত্তেদা তাদ।

চন্দ্রসিং—পোক্কফম হায়বসি অরাইবান—মফম অত্তুদা ঐগী জীবন হিংবদা খুদোংচাবা অর অনা অাক-অথং লৈতব, পুক্রিংনা লৈতানা লৈজনিংবা মফম অত্ত ইরৈপাকান। ঐনা পুন্সি অসিদা অমুক লৈরুব, ফংল.রাইদবা পোইরৈ মৈতৈ লমদম অত্ত ঐগী ইরৈবাক নত্তে। ঐগী কারিস্থ মরি লৈনদ্রে। মোইরাং লৈরু ঐগী লেবাক্কি, ফুবাল্লানা ইথুন্নি।

খুমন—অত্তুদি করিস্থ ফুডাইতবা লৈদ্রেদ্রা ?

চন্দ্রসিং—করিস্থ ফুড়াইতবা লৈতেনে।

খুমন—য়েঙোই তাদ—ঐখোইগী ইমানা তাদগ ঐগা ঐখোই অনিদা মপোকই অত্তুদা তাদবুনা নিপানি হায়ত্তুনা কয়া লুনা তৌত্রে, অত্তগা ঐবুনা কয়া মীরাইথুবনো। অস্থুন্না তাদ ইফালদস্থ তৌনবা ?

চন্দ্রসিং—সিত্তদা নত্তে, ইফালদত্তা নত্তে—মসি মৈতৈগী য়ুমথোং খুদীংদনি, অত্তবু করিগী শাওবগে। মসি মৈতৈগী চাও-থোকচরবা পৃথিবীনা কল্লকফম থোক্লবা মৈতৈ চনুগী হৌগনি। মৈতৈ নিপা অমগী পুন্সি অসি শাফম লানফমনা থল্লগা ওস্থোক্লা লক্লিদা লৈবা পুন্সিনি। শুপ্পগী মৈতৈ চনুনা মপান্দগী হিংলিবৈও মতম থরা অসি অরা অনা কোঙ্গই

কাওথোকচবা গ্গ্রিবনি। মৈতৈ থুজোক অসিমনা মশিং লাকওমদ্রবা অৱা—খুৎকন পাংগল্লবা জাতি কয়াগা অম্মক তোইনা লানথিনদুনা ঈনা লোথোং ওইনা চেন্দুনা লৈবাক্কী, জাতিগী, মনিং-মথা তম্বা ঙাকচবা ঙমলিবনি। মুপানা লান্দা চোংশিন্দুনা মথৱাই থারী অহুগা মুপীগী থোদাংমু হন্থবা নংঙ্গে। ইবেম্মঃখোই ইমাগী থৌজান্দগী অহুগা ইবেম্মনা লুনা তৌবিবদগী এনা অৱাবা পুম্বা লেন্থোক্কুনা নোকপা ঙম্লিবনি।

খুমন—তাদদি অচৌবা লমদগী লাকপনিনা—নহাক্না নোক্লিংগদ্রা হায়দুনা ওন্থোক্না ইকাইজশ্রে, ঐখোয়বু হঙ্গোইবিগনুকো।

চন্দ্রসিং—করিগী হঙ্গোইরুগদগে ঐবুহুম ৱ রৌগমু পংওং ওংলে।

খুমন—করিম্মু ওংতে। মতম অমদা নহাকপু লৌথংলবা থোক্লবদি ঐখোয়বুদি য়াম্না লাইনা হুন্দোকপিরমগনি। ইলাই লাইনা কাওথোকখিনিদো। ঐখোইদি অম্মুম খন্দুনতা লৈংজোগনিদে।

চন্দ্রসিং—অওইবরনে?

খুমন—থাজদ্রনে, মতম পুম্নমক্না তাদনা কদাইদা মুঙাইখি রোইদগে তাদগী পুক্লিং কদাইদা মুংশিখিগদগে হায়না য়াম্না কম্না হেংনজরিবনি। অম্বুকপা উমংদা, তাম্লবা মফমদা, নু শিবা তাম্নাগী খোঞ্জেন তাগনি। কনানা খোঞ্জন অহুবু থওইবিদ্রবসু অম্বুকপা লোকচপ্তা খোম্থাং য়ৈদুনা মা খিগনি!

চন্দ্রসিং—খুমন। ঐনা নংবু য়াম্না নুংশিজৈ। নংগী থৌজানগী মাহৈ তাবদা ঐগী থম্মোইদা তত্তনা নুংশি ঈথক হৌই। ঐগী পুন্সিগী অরোইবা ফাওবা লৈংদনা লৈহৌগনি। নুংশিবা হায়বসি মওং য়ামই। ঐনা নুংশিবা অসিনা ননিং থুংদ্রবসু ঐগী ইচনবু নুংশিবা অসিতদি লৌথো-কপিগনুকে।

লাইট ওফ
অনিশুবা পন্দূপ
৮বা উৎপা
লম্বী লমহাং—উমথোং অমা

নুংথিল নুমিদাংবাই ওইরকপ মতমনি, কুঞ্জমালা শীংচনবা চৎলুবদগী উথোংদা পোংবারমই, যান্না হয়াও হয়াওনা কোইয়েং য়েংতুনা অরাবা পোথোকলমই।

কুঞ্জমালা—কয়াদা নিংথিজত্রবনো মকোশা লাইরেম্বী। কুমগী নোং লোইথরে, অতিয়া অসি নোংখোংশেংবা হৌরক্রে। কৈপাল লৈপান অপুম্বা মপুংফানা শাংলে। চীংয়া তময়া অপুম্বা ঈশং শংলে। খুঞ্জা পুম্বা য়ান্না আশা চাওনা মহাক মহাক্কী লৌবুক য়েংতুনা অরাবা পুম্ব কাওনরে।
(য়ান্না লাইরবী নুপী অমা ফিমা ফত্তনা য়াম্না অরাবা থোম্বাংদা ঈশৈ শকক্লপা তাবদা মচুক থাঙত্তুনা তাহুনা লৈ)

লাইরবী—(ঈশৈ) পুন্সি লোঙ্গোয়ম্নি তাইশং ইয়াইদা তাওবা,
মিকুপ্না মুংখিনি ফাকথরবা থংলৌরোই।
করিগী কপলি করিগী তেংথারি,
অরাবনা করিনো নুংগাইহবা কদাইনো ?
নংনা শক্সদা কনানা য়াওবনি,
মাগনু পুক্নিং মপুগী শিন্থানি।

লাইরবী—ওস্থোক্লা তোল্লা শেমলমগ্রেদা। ঐনা বানা কপ্পা উরগা কাগুম্বনা থোজানবিগদ্রনে। থাংজিংনা করি হায়না তম্লমগবা, করি উপায় তৌশিবা

কুঞ্জমালা—(মথন্তা) ঙসি ঐবু উৎক্লিবা অসিবো করি মত্তানো। ইবুঙো নংগী সংসারগী লীলা হায়বহ্ন অসিরা ? অসিগুম্বা অসি য়েংলগা নংবু কয়ামুক পেনবগে ইবুঙো নত্রগা লাইবক চাওবী কুঞ্জমালাদগী শকক চামা হেন্না মরাইবক থীবম্ন লৈরি হায়না তাকপিরিব্রা ?

(লাইরবী অতুনা ভাব তাদনা লৈরিবা মনাক্তা চংলুনা)

কুঞ্জমালা— করিগুম্বা অমত্তা ৎংজগেবা ?

লাইরবী—করি ওইরবনো ইবেম্মা।

কুঞ্জমালা—ঙসি করি তৌরুনা অসি য়োনা থবাই শোক্লা বাৎ অসি শক্লিবনো ? ঐঙোন্দা অমুক্তা হায়বিয়ুগবা। বাৎ অসি থংহৌদনা নচাগী থম্মোই অসি কাইখিগদৌরে, অমুক্তা তাকপিয়ুগবা।

লাইরবী—মীনবু মীগী অবাৎদা বাবিবা ভম্বা—(ওশিন্দুনা) করিস্ন তৌদে ইবেম্মা, বারৌগম্ন, ঐ ঈশৈ অসি অমুক হন্না শক্লরোই। ঐতা নত্তনা ঐগা থেংনরুবা মী পুম্নম্ন বাৎল্লব্রা ? ঐ অসি কয়াদা তোনগ্রবনো।

কুঞ্জমালা—ঈশৈ শকপা খাম্বা নৎচদে। অকাইবা লৈত্রবদি করি তৌতুনা বারীবনো অতুতদি তাকপিয়ু।

লাইরবী—ইবেম্মা ! ঐগী অবাবা বারী অসিনা নঙোন্দা করি কান্নগনি ?

কুঞ্জমালা—অবাবা হায়বা অসি হাইদোক্তনা থম্লবদি ময়েং থক তাদে, অবাবা অস্নুম অস্নম হেনগৎলকই ঐনা। ইমা নহাক্কী নত্তেং থরদং পা জনিংই। অতৈমক ঙমজত্রবস্নু মিৎকী পী থরদং শিন্থহুনা নংগী অবাবা অহুদা য়াওজনিংই।

লাইরবী—ঐগী অবাবা অসি মিকুপ থরগী মমাংদগী হৌরকপা নত্তে, মিকুপ থরগী তুংদা লোইখিগদবস্নু নত্তে। পুন্সি অসিমা লোইবা ফাওবা অস্নুম লাইবক খীহুনা লোইগদবনি।

কুঞ্জমালা—ইমা! ঐস্নু নংগুম্বী লাইরবীনি, শেনমখাই অমা ফাওবা পীরমনিঙাই লৈজদে। ঐনা পুরক্লিবা শীং কোকথোং অসি নং লোহৌরো। মোইরাংগী থোরী কৈথেল্দা পুহুনা য়োল্লগা ঙসগী চরা নোংখন্নবা ওকপরা য়েংউরো।

লাইরবী—ইমা! নংবু লাইবকফবী পলেম কনাগী মমোমনো' পন্থো কনাগী মচানো? অস্নুক থৌজান হৈবা, অস্নুক পুকচেল থোৎপা, খুদোংথীরবা, ইমা-ইচা মরুপ-মপাং কনা কন্না য়েংবা ফংখিত্রবা মতম অসিদা কনাগী থোংজিন্দা চংজসিংগে হায়তুনা থোক্লকপনি। ধর্ম্ম চেন্নবী নংবু থাংজিংনা ঐগী অবাবা অসি কোক্লবা থাদিবক্লিব্রা?

কুঞ্জমালা—ঐদি ধর্ম্ম চেনবী নৎচদে, থৌজানহৈবীস্নু নৎচদে, ইথোদাং তৌবতনা ঐগী লাইনিংনি, ঐগী ধর্ম্মনি। ঐগী তৌফম থোকপা থৌদাং তৌজবা অসিদা থাগংপিরবস্নু,

নিন্দা তৌরবস্থ ঐঙোন্দদি চপ মান্নৈ হায়না খক্সানি।

লাইরবী—মসিবু নংগী থৌদাংনে ?

কুঞ্জমালা—মসি ঐতগী থৌদাং নত্তে, মৈতৈ মুপী খুদীংগী থৌদাংনি।

লাইরবী—লাইবকথৗরবা, অরা-অনা তারবা, খুদোংথৗরবা মী-শিংদা থৌজানবিবা হায়বসি মৈতৈ চসুগী থৌদাং ওইরবস্থ ঐঙোন্দদি পুন্সি অসিমা শিংবা লোইররোইদবা ওস্থোক্না চাওরবা সম্মন অমনি।মীওইবা হায়বসি য়াম্না পীবনা ওক পেনবা নত্তে। নহাক্না শী- কোকথোং অসিনা স্না মতুম অমদগী হেন্না মমন য়ামগ্রে। সম্মন অসি হন্দক্তী মপোক অসিদদি শিংবা ওয়রোই। থাংজিংগী থৌজান্দগী নহাক্কী থৌজান অসি তাদনা, খংদবা লৈত্রসনু। নহাক্কী কোলোই তাইথং শাংনা শকনহৌসনু, ঐগুম্বা চংজক্কম লৈতবশিংনা নহাক্কুম্না থৌজানহৈবী থেংনজবা হায়না ঈশ্বরদা নিজসনু।

কুঞ্জমালা—হায়রিবা অসিবু করিনো ঐগী শীংকোকথোং অসিমগী মমনবু অম্তুক য়ামগ্রব্রা ?

লাইরবী—বাগিগ্র্ মসি চিরোন নত্তে, থবাই মওামক য়াওনা থাংজিদা নিজরিবনি। ঐদি অসিদগী হেন্না পিনিঙাই লৈজগ্রে।

কুঞ্জমালা—ওক্কে, কোকপিরো, অরেম্বদা মতম মাংননবনি। পুন্সি অসিদা ঐগী নোমজমন কনাগুম্বা অমতনা অম্তুক য়াম্না পিনিগিদ্রে।

(শীং কোকথোং অদু মভোন্দা থোনবীগে তৌই)

লাইরবী—ইবেম্মা নংবু কদাইদা লৈবগে, করি মিং কৌবগে, অমুক্তদি তাক্লমউদনা ।

কুঞ্জমালা—ইমা ঐগী মিংনা কুঞ্জমালা কৌই, ফুবাল্লাদা লৈ ।

লাইরবী—কু-ঞ্জ-মা লা কৌ ই ।

কুঞ্জমালা—(শীং কোকথোং অদু থোনবী লাইরবী অদু পুবা যাম্না নুম্না উরদুনা) তোকও ইমা, ঐ অসবাই কাওবা থিল্লগে । নুঙাই য়াইকবা; মপান করিবশিংনা হল্লাওনা নোকথেদুনা অবাং-অপ , লৈত-লাইর মকম কয়দনা মোম্পাক মোন্দুমদা ওনথোইদুনা লৈবা । মশীং লাকঁ-ওমত্রবা তোল্লনশিংনা থাংপোকশংদা চক্ক মথক্তা ওনবা অঙম-অখৌ, অচৌ-অশাং, নুঙাই-য়াইফরিবশিং অসিবু মহাক মহাক নুঙাইরি, করিগুম অবাংপা লৈত্রে হায়দুনা। পুম্নমকপুম্ব নুঙাইরি হায়না খংদোক্লব্রা ? নিংথমদুনা নিক্লিবা, চাবা ফংদদুনা লাম্লবা, লাইবকথীবশিং অসিবু য়েংবিনবা, ঙাকশেনবিবা বাখল চাওবা কনাম্ব লৈত্রব্রা ? নিংঙম্নগনু পুক্লিং মশাগী অবাবা পুম্বা কাওথোকপ্রো, কেমৌবগী বাখল থাপ্লা থমপ্রো। লুংতোং অাগা য়োক্তগীম্ব হেন্না কল্লি হায়না খল্লু। অবাবা তারবশিংগী ভেংবাংবা ওম্নবা পুন্সি অসিদা মিকুপ অমা ফাওবা পোথাদুনা লৈথোক্কে খল্লুনু ।

লাইট ওফ

————

অনিশুবা পান্দুপ

৯বা উৎপা

কুঞ্জমালাগী য়ুম—ইংখোল

(চাওযাইমা পয়া সিদুনা লৈরমই)

চাওযাইমা—কোন্দোন ! কোন্দোন !

কোন্দোন—(খোল্লকই) করি ওইরবনো ?

চাওযাইমা—নচা অছু হল্লকপা মতম ওইদ্রিবরা

কোন্দোন—ওহাক্তি বাংলি—মহল্লকলনি।

চাওযাইমা—নংমু খিৎ হাকমল্লিদনা ইবেম্মা— কুমচুপ থাচুল্লবু ওকলেপ হেক লেপ্পুবা মথৈ ইচাবু শীং চনহনবা অসিদি—

কোন্দোন—হোয়নে নচা সুপীনদি থবক ফবনিনা কুমচুপ থাচুপ্পা শীংচত্বা চৎপা অছুননিনে—শীং কোকখোং ফাওবা তাদ্রিবসে।

চাওযাইমা— ঐনা হল্লকপা খুদীংগী অমুক্তম লৈরমদ্রিবা অসিদি।

কোন্দোন—কনানা খংজবগে ঐখোয় অনিতবু ওাইরবদি হুইওক য়েনওক চারহনা—মসি অমদা চপ, অছুদগী মশক হেক্তা উখিদে—কদাইদবু চংশিবনো।

ওাংজৈ হায়বা অছু মওাই মানকা তাবিবা নত্তে। চৎপা মথৈ চৎলুরগা নোংমা ফাদোক শীংজা মরি মওাকা পুশিল্লকই। ঐনা হায়বদা থাজবিদ্রগা লৈকাই য়ুমলোন কৈরোল্লবদা কোইনা চংবিয়ু—ঐদি লৈকাই য়ুমখোং

খুদীংসে চংউগদবা ইকাইজরে। হেক চংউংগ নংবু'দ নচানা অতু হায়রম্মী অদা হায়রম্মী অসিমক্তা মঙাই-শ্রবা। ঐবু বাঙ্গলগা মানা মুঙাইরিবা অসিবু করিদনো। মাগা মায়রুরগা করিবু তৌগবনো, ধর্ম্মতা কাইদ্রগা লোইরে হায়হনা খাচিক্লুনা লৈজরবা অসদা ঐহনা ফত্তবনি হায়না অসদা—ঐবু করি তৌ হায়বগে—নচা ইবেম্মাহনবু চংথাকপিরোই হায়রবদি নোংমদা কয়ারক থুরুমলগা য়াগদগে ঐ থুরুমজরগে।

চাওয়াইমা—হৈখ্রেদকো, ইবেম্মা ভাংবা মক্তু'দ ওন্তোক্লা চংখোল্ল। হৈখ্রেদা—ফরে-ফরে চাসিদিনে কুঞ্জমালা হেক হল্লকপগা নিংথিনা বা ফংলবা তারে।

কোন্দোন—ঐশু অতুনা পামক্করে—(ইমুংদ চংথা—চৎনা চৎন। অওইবনি অমা খংজরগা মোনশেংনা চৎচগে। (থোংজিন পায়হনা) ঐনা চংখগা পুন্নমক ইফ-ফরনি—করিনো নচাদব শিনবা য়াদবনি, নুপী হায়বা অতুদি লাইখেল্লা, নোংমা লোইথোক্লবা মুমিত্তা কোক লোই-থোক্লবগা লাইরে। নিপানা থিগে হায়রবদব নুপী বাংপা হৌনব্রা? (কোনথোংলোমদা য়েংহনা ভাবতানা) ঐনা হায়বদি থাজবিদবদাইদো মিৎনা শং শং উবিরেদনা—নচা ইবেম্মা পাম্মোইবী অসি থাং অমা পায়রহনা হায়রং হায়রং লাকইবা অসি।

(চাওয়াইমা মুন্না য়েংলম্বদগী মরু লুকথৈ - কোন্দোন ইমুংদা চংখি)

চাওযাইমা—ঐ নুঙাইরেদনা, মীওইনা পোকপগা মহৈ ঝাল্লে· দনা। ইচানুপী অমত্তং পোকচবদি মশম মনা ইকা হেক ফারদুনা অঙাওবিরা অকৈবিরা করম্বনো তৌরিব' অসিদি করি উপায তৌগনি।

(কুঞ্জমালা থাংমচা অমগা থৌরি অমগা পাযদুনা চংলকই)

চাওয়াইমা—ইবেম্ম

কুঞ্জমালা—পাব।

চাওয়াইমা—নং কদাইদা চংলুই ?

কুঞ্জমালা—শীংচনবা চংলুই।

চাওয়াইমা—শীংদি কদাই—কদাইদা থনমলে ?

কোন্দোন—(ইমুংদগী পোক্লাই কুঞ্জমালাগী মনাক্তা চংশিল্লি, চাওয়াইমদা ওনশিন্দুনা) চংপ্ৰ চংলুরবদি পুরকক্ত্রবম্ব অতুমঙাই করি তৌবগে (তপ্পা হায়রকই) ইবেম্মা চংলসি লাও শাও ভারুনু—হাংগে হায়বমথৈ ঙাংসনু মীনা ঝারে হায়বমথৈ করুকপদা করোক পোকপনু মঙা- ইরগনবনি।

চাওয়াইমা—ইবেম্ম ! পুকফনী না অসি মীনী খোইদৌ লংখং- নবা শিন্বা ওন্থোক্লা হৈব্রেদকো (কুঞ্জমালাদা ওশিন্দুনা তপ্পা হায়রকই) হায়য়ুনে ইবেম্মা ! শীংচনবা চংলুই হায়- বদাই—য়োম্থোকলম্ব্রা—কনাদা পীথে ক্লাই—অতু হায়বর করি তৌবগে ঐবু হৈরনে ?

কুঞ্জমাল —পাব ভসিদি ওন্থোক্লা অবস্থা ফংখিদ্রবা মুপী অমা থেংনরবুনা মাঙোন্দা পিবদি ওন্থোক্লা পিনিংই অহুবু পিনিংঙাইদি ৈত্রবুনা পাং কোকথোং অদু মাঙোন্দা পীথোক্লমগে।

কোন্দোন—অহুমঙাই করি তৌবগে ইচানা দান ধর্ম্ম তৌববু মমা মপানা শাগুই থারা—ইচাদি কয়া মীনুংশি চাওখ্রবনে—মুমগীদি লৈবা লৈতবা অয়াইবনি—চংলকউ লাকও অতৃবাইদ লপংবগ—বারিরিনি হমা চাক ঈশিংকা থোংদোকউরগে—করি করি লৈনবা ইমা নোমথোক্লগে।

চাওয়াইমা—চিনখিবী নবুনগম্ব! নংনা অহুম্না যৈরেং যৈরেং ভাংশনবীহুনা অঙাং অসি ভাওহুনা চংখিবা তারেনে—

কোন্দোন—মানে—মানে—পুন্নমক ঐ লৈহুনা তৌরিবনি ঐনা হেক চংখিবগা পুন্নমক ফগদবনি।

চাওয়াইমা—মান্নি নংননি, নংনা হেক চংখিবগা ফগদবনি।

কোন্দোন—চৎকে চৎকে, করিগী চংতনি, মীগী মচা মানেব করি শিনগী লৈজকনি—

চাওয়াইমা—চৎকনি চৎকনিদা মথায় চংপদি ইচৎ হেক চংে।

কোন্দোন—চংকনি—করিগী চংতনি। (থোকথি চংখ্রে।

চাওয়াইমা—(মতুংইন্নহুনা) চংলু চংলু কককপা য়াদেকো—

কুজমাল —অসি থোক্লনি হায়বা ঐ শাগ্না খংলবনি. পীরমদনা ওল্লক্লে ঐগী থবাই অসিনা মকম কুইনা নিঙম্মরোই, পোক্লব অমা লাক্লনি হাযহুনা পীথোক্লমলবনি। মীগী মমিক্ত পিগী ঈরা চেনব ঐ যেহুনা লৈবা ভমজদে।

চাওয়াইমা—(অমুক চংলকই) চৎলো চৎলো করিগী মুভাইত্রি-
বনো ইপানদি হেক লাকপগা নং লৈরমশ্রেদা অচুদদি
কয়া খোইবাং খাইশাওশ্রে—ইপা লাক্লবদবু করিগী বা-
জরুগদগে— (মশম মনা শেমজিনবি) । ইপা ডংাক চৎ-
থোকলুগে—নং য়ুম ভহাক্তং শংঙ্ম্মু ।

চাওয়াইমা থোকখি, কুঞ্জমালা পোৎচৈ লোইশিল্লি, ঈশিং পুন অমা পায়ডুনা হৈ, লৈ ঈশিং চাই, অচুদগী লৈ অমগী মনাক্তা চংডুনা খংহৌদনা হরাওবগা লোইননা লৈবু মুন্না যেংডুনা ঈশৈ শকলকই)

কুজমালা—ঈশৈ—লৈরাং শাংচরো নে
পাইরক্লনি মুংশি মানজা পাম্মুবদো ॥
নোকচক্লোরো শিঙেন নাবু,
পাইবক্লনি ভসি শোইরোই,
শাজক্লোরো মুংশি য়ারীদো,
ফাজহৌরো থংলেন মাবু,
পাইখিনি চেকশিল্লু, লোনমচাওবা খোইমুনি ।
(শ্রীযুৎ বাবুসিং)

(থুমন, চন্দ্রসিং কোইরকই লাপলপ লেপ্লুনা
ঈশৈ শবপা তাই, থুমন্না থবা চংশিনখি)

।সিং—নিংথিজদা মোইরাংগী চনু, মীনা লোইনি কায়ডুনা
থওইবিদ্রবা মফম অসিদস্ন মিৎফম হোংবা য়াদনা নীংথি-
জরবী কয়া লৈ। মীনা পান্নদ্রবা মফমদা মমল য়ামলবা
মণি লৈ । —তপ্পা তপ্পা নোমনোম কায়রিবা, ইথক

ইপোম হৌরিবা অশংবা হৈরাং লৈরাঃ মরক্তা ভক্তিগী খৌজানগী থুমহৎলবা স্বরনা তপ্পী হুমলিবা কাম্ব মালংদা স্বরগী থাক লৌহুনা শক্লিবা ঈশৈগী খোম্বাং অসি কয়াদা পুক্লিং হুনবগী মশক্লো ।

থুমন—তাদ ! নংনা অসিমৌনা থাগৎলিবা অসিবু কনাবুনো —কুঞ্জমালাবুরনে ? মোইবাংগী খোইবী উরবদি মুং-শাম্বর হোম্বা ফাওবা কাওৱা তাই ।

চন্দ্রসিং—খোইবীবুস উ.র ।

থুমন—কদোইদ ?

চন্দ্রসিং—থাংজিং করাওবদা ।

থুমন—করম তৌই—ফজদ্রা ?

চন্দ্রসিং—য়াম্না ফজে মিংফম গেংবা য়াদে। মশক মওং তাকপা য়াদবা ফজবা হায়বহু মহাকপু উরগা ফজবা হায়বহু অসিনি হায়না তাকপা য়াগনি। মহাকপু পাম্বোইবী-মক্তী শয়ানি হায়বদা করিস্ন অরানবা লৈতে। অহুবু ফজবা হায়বা অসি শরৎকী থাজতা নত্তে তাইবং তুমথুন হুনবা মতম, ইচিক হুনবা অহিংদ, নোংপোক কোরৌদা তোমথিন ভানবা শজিকস্ন পুক্লিং হুনবগী মশক্লি ।

থুমন—কুঞ্জমালাদি ঐগী য়াম্না চাৱৈ হায়নিংবমথৈ লোইনা হায়ুয় করি অমত্তা চিংনগস্ন।

চন্দ্রসিং—করিস্ন হায়নিংদেদা চুম্না মহাক্তা মতৌমেংবা মুংশিহুনা

থোৱনি— য়েংহল্লিংত্রনে ?

খুমন—অদুবুদি ঐনা থিংবা ঙমই হায়ব্রা ? তাকনবু ঙম্ভাইরবদি য়েংনিংবা মথৈ য়েংবিয়ু—অসিতবু য়েংউসি হায়হুনা লাক্লিবনি ।

চন্দ্রসিং—হল্লসিদা ইবেম্মা ।

খুমন—কদ্রি থোরক্নি ?

চন্দ্রসিং—য়াম্না চাৱৈ হায়রগা, কৌবিবদি লাইরহুনা হল্লা ফাওগা য়েংবিরক্কে ।

খুমন—হাইমা, মীনা উদহুনা থোববু শাওই হায়ব্রা ? ঐ লংনগে য়েংউকো তাদ ।

(খুমন কুঞ্জমালানা নৈবা মাঙৈকেদা খুনিং কাংহুনা থপ্না থপ্না চৎখি)

চন্দ্রসিং—করিগী নো ঐগী রাখল অসি ওন্থোক্লা রারেদা—অশানা মচিন তুমখৎলকপা মতমদা, পাঙমফম য়োনবা কোননদা কয়াদা রাখ্রবা অকিবা কয়া থেংনখ্রবা, অদুবু অকনবা ঙম্মংপা য়াইনা অরাবশিং অত খন্দবা লাইনা ঙম্মী । আশাশিং অত মরুয়াওনা ফূক্কোক্কুনা হুন্দোখ্রবা মতমদা থুপ্নী নিংশিংবতা মঙাইকৌই । খৌরাংলবা মিৎয়েংনা তান্না নৈকৌরবা আশাগী লমদম অদোমদা ঙন্নুনা শিবা ঙাইহুনা নৈ । ঐনা ঙসি নিংশিংলি—পোক্তরে লমদম তামহৌরবী, অঙম্বগী মথোংলোই, হৈরাং নৈরাংনা পম্থোগী নৈকোন, খোঙ্গেন নেয়া ঙংকৌবা কাইনবগী খোম্থাং, ঙসি ঐগী নাকোংদা ঙংলরি ।

(খুমন, কুঞ্জমালা মখুৎ শান্নডুনা লাকই, চন্দ্রসিংনা মথঙ্গাই হুডাইডবা উবদা চপ লেগুনা ভাহাক হুডাইডনা য়েংই)

খুমন—তাদ নং অসিমা বাবডদি হৈব্রেদকো. দ্রবাবা বাখল অসি থরদং কাওবা ঙম্নবা হায়ডুনা অশুক কন্না লাক্লববু নোংম-নোংমগী বাশিন্নকপনা মহেক্নি।

কুঞ্জমালা—য়াম্না হৈনব্রেবনে তাদ. ঐখোইগী অচিকপা, হন্নাও কুম্মেপ লৈডবা, লৈবাক নিংথোউগী শা লানগী বা, চাও-খংলন। অনৌবা বাকম অমতমু থম্নদবা—নোংমগী নো-মগদবা থরা নোমগা পংডুম তুম, পংচা চা, তৌতুনা পানবা লম অসি; ঐখোয়দি অশুম্না পোকই, অশুম চাওই, অশুম্না অশুম শিগিগনি—করম্বা অরাবনো! হায়-য়ুবা তাদ. ঐখোইনা ঙম্বা ওইরবমু নডেং পাংজগে।

চন্দ্রসিং—থংদেদা ইবেম্মা ঙসিদি ঐগী পুক্লিং অসি ওম্থোক্না খোইরাংগ্রে—মওন মওন পংখন্দা থনগ্রে।

কুঞ্জমালা—অডুবু হায়দোকপা য়াদবা বা ডাক্লরনে?

চন্দ্র সিং—কৰি য়াদগে; অডুগা ঙসিদি হায়রোই করিগুম্বা মডম অমদা হায়গে; অডুগা ঐনা লাকপদি মতৌ করম্না অরাপুন্না লোকুনা থম্বগে হায়বা য়েংগে হায়ডুনা লাকুপ'ন।

কুঞ্জমালা—ঐদি করিগু বাদেনা তাদ, বাবা য়াবা মরম অমতমু লৈডে য়ুমদা ইমা-ইপাগী মনাক্তা চানিংবতা পিজ, শেং নিংবতা খোবিডুনা য়াম্না মুঙাইনা লৈ। করিগু বাদেনা

চন্দ্রসিং—হায়রিবা অত্তুবু অচুম্বরনে ঐদি থাজদে, করিগী হারি-
বনো অত্তুদি থংদে। নংগী রাজাংমা, মিংয়েংনা, লেংবা-
হায়বা থুদীংনা পুক্লিংগী অবাবা অত্ত্ তত্তনা কোংদোক্লি।
নংগী অবাবা থাংনবগী শক্তি অসি ভাবত্তনদি পেন্দ্রত্তনা
মিংমক্কা য়েংউগে হায়ত্তনা লাক্লিবনি। ঐনা তাবা,
ঐনা উরিবা পুন্নমক অসিবু অবানবা ঙাক্কা ওইরগন্ত্রনে?
থাজদে—অবাবা হায়বদো মশক মুন্না থংলে। অবাবা
তারবা মী কয়াম্বু থেংনরে। নংম্বু থাজৈশে'না অবাবা
রাখল থলিবী অমনি।

কুঞ্জমালা—অওইবনি তাদ, ঐনা ঐগী ইশাগীদমক রাই, ঐগী
মীগীদমক রাই ঐগী রাখল অসি অবা অনানা থল্লী।

চন্দ্রসিং—অবাবা অত্তুগী হৌরকফম্বু করিনো?

কুঞ্জমালা—অবাবা অসিগী মরুদি ঐগুম্বী মুপীমচা, করিম্বু লৈত্রবী
অমনা তৌবা ঙমলোইদৌব থবক তৌনিংবা, ওইথোক-
লরোইদবনি হায়বা থংনা থংনা রাখল অসি থাদোকপা
ঙমদবা, ঐনা ইশাগী লৈত-লাইরমকম্বু কোক্লবা হোং-
নজবা ফাওবা ঙমদ্রিডৈদা অরেম্বদা মীগীদমক রাই।
অবাবা তারবা কয়াগী মতেং পাংনিংই—অত্তুবু উপায়দি
থল্লুবদা অমম্বনা কুপ্পি। করিগুম্বা কান্দা রাখল অসিদা
লুপখিত্তনা—ঐ অসি হিংলুত্তনা কাম্নত্রে হায়না থল্লি।

চন্দ্রসিং—করিগীদমক নিংবা কাইরিবনো—য়েংউ অতিয়াদা থো-
ক্লিবা মশীং লাকঙ্রবা থবানমিচাকশিংনা পিকই কাঙ-

ফনস্ত ঙান্দনা তোকপা লেত্তে। শুকশুনা মন্নবা অহিংদি পিক্লবা ভন্দন্ ঘঙন্দস্ত সন্নী ভাকপীগনি অরাবশিং অসি খা'বগী মতুঙ্গা অরাবা, মুঙাইবা মশক খাইদ্রবা সংসার অসি শান্তিগী মশক ওইনা খন্দোক্লবা অহ ওই-রবদি ঐনা মত্তৌ তমজনিংইব কল্পনানা শাগৎলিবা মী অহ ইমিংমক্লা উবা ফংজগনি।

কুঞ্জমালা—খাম্না োংনহনা য়ে'লে অহবু, তাদ, ঐগুম্বী করিস্ত খ ভ্রবী অমনা সংসারগী মায়া রাংমা লান্দুনা চৎপসি ওইখোক্কে।

চন্দ্র সং—অচুম্বনি, থাক্লেশেংবমক ওইখোক্কনি। ওইখোক্কবা অরাবা শাংখিশা মীশিবু ঐখোয়না লাইনি হায়দুনা থুরুম্লরিবা অ'সান।

খু'ন—নখোই অনিগী ব অসি ঐ তাবা হৈবা ঙম্কে্কা অর; অনা ঙাক্তা ঙাইগ্রহনা, রারে। দঙাইরে. হায়দ্ মুংশুক মুংজানহনা লৈরগা ফরকখিগদ্রা ? নক্ক নখো-নাদি লতনা মীওইনা পে ক্লবদি নোক্ল নেক্লা পানগদবনি

চন্দ্রসিং—করিগুম্বা কান্দা ভাব মতারক্লনি।

খুমন—চৎলসি তাদ করি হায়বগে ?

চন্দ্রসিং—চৎলসি—চৎলসি. ইবেম্মা ঐখোয় চংচরগে।

কুঞ্জমালা—ফনি ফনি তাদ ইংা হল্লে'কো।

খুমন—চংলগে ইতা। (.থাকখি)

(কুঞ্জমালা অমুক ঈশৈ ঙংলগা লৈমখোংদা চংহনা মপোৎ-মচৈ লোইশিল্লি থোইবা লাকই, কুঞ্জমালা হাইক্কৎ য়েংলমলগা কৌরমদনা ইকাইনা চংখি।

খোইবা—(স্বগত) ঐনা তৌরি-রা অসিবু করিনো, বারিব্রা
মুঙাইবিব্র ? মতম থরগী মমাংদা কুঞ্জমালা নংগী বা
মরক মরক্তা খল্লম্মী, নংগী মনাক্তা চৎপা, বারী-বাতাই
শাবা মুঙাইরমই। হৌজিক্তি মিকুপ অমা কাওবা নংগা
বাথল অসি থাদোকপা ঙমদ্রে। উত্রবস্মু উনিংই, উরবস্ত
খোইরাংইং,—নরাহৈ তাত্রবস্ত তানিংই, তারবস্মু খোই-
শাওই। হৌজিক ঐনা তৌগদবা অসিবু করিনে—
(খোইবা বাথল খল্লি। তোম্বুং তুংলোমদা লাকুনা
লোম্না তাই) । মনাক্তা লৈনিংই লৈবস্মু ইকাই
মাগী বারীতা শারগা মুঙাই, মীবুস্মু থংহন্নিংদে। বাথল
অসি চিংনবা কল্লকপা, লাংতকনবনা থনপ্রে। মহাক্না
তৌবিরিবা অসি লুনা তৌবিরিবরা-মিপাইরিবরা মস্থনা
থম থেংপ্রে। মাগী পুক্লিংগী বা করিগুম্বা কান্দস্ম খংবা
ঙম্নরোইদ্রা ?

তোম্বুং—(স্বগত) মানা ঙাংইবা মথাম অসিবু কুঞ্জমালাগী বা
নত্ত্রনে ? (কুজমালা ইমুংদগী থোরক্কে তৌই, মখোই
অনি গুরম্বা উদ্রুনা অমুক চংশিল্লি)। বা অমুক্তং
খরা কাপশিনগে হায়রবু মতাং চাদনা মেলৈ লাংবা
তারগদ্রা ? (চংশিন্দুনা) শরিশো—মুপীবু অবলানি হায়-
রিবা অসিবু কনানো, মুপী অমনা নিপাসি, য়াম্না
লাইনা ঙাওহনপ্রেনা।

খোইবা—(হায়রক্তৎ নোকই) এ! কদোমদগীনো তৌরক্লিবা অসিদি ?

তোম্বুং—কৈথেন্দা ঙহাক চৎকে তৌবনি খোইবা নৈবা উবহুদ।
ন্থুম চংসকইবনি। ঝা হায়বা অসি পংলু লুনা খন-
নিঙাই লৈতেদা—লুনা খল্লগা ইরাই মরাইবা ঝানি।
পংলু লুনা খনবিরুম্লুদা।

খোইবা—করিবু ওইরবনো ?

তোম্বুং—ঝা হায়বা জাৎ অসিমকবু হায়জরিবা—পলু লুনা খঙ্গীরুহ
পামগদবা ঐনা পাম্লিবদবু মাগুম্বনা লাক্কবা ঙমগদ্রা ?

খোইবা—ঐ ভাব অমতা তাজদ্রে, লৈবিক্লৌখোনে—

তোম্বুং—তাবিরোই, তাবিরোই, ঝা হায়বা অসি অমুক্তং হায়বু
হায়দোকপ্রবদি মুংশিংনা অম্থুম কোইপু পুহুনা চৎখি।

খোইবা—কোয়নে, অহু ঐ খরা হাঙ্গমলগে।

তোম্বুং—করিগীনো ? ঙাইবিখোদা, ঐঙোম্দম্মু কাম্ন-কান্নবা ঝা
য়াম্না য়াওরিবনিদা। হংদ্রবদি তাকপা তৌহৈদে হায়হুনা
তৌবা ঝানি, অমুক্তা হংবিরকও।

খোইবা—অহু হংজগে চৎলাস মীগী ময়ুমদা ফজবরনে।

তোম্বুং—সিবু করিগী মীগী ময়ুম্নো, ইয়ুমগুম্বনি কনাম্মু লৈতে।

খোইবা—করিবানো অতাবা অথংবা মথৈ অমুক্তা চাম্ববিরোনে।

তোম্বুং—জগৎ অসিদা অরোনবা অমতা মতম কুইনা থম্বা য়াদে।
নংনা নিংবা হৌগৎলকপা মুমিৎ অহুদগী থংলবনি, অহুদ।

খোইবা—অহু ঐনা খল্লিবশিং অসিবু য়াম্না লাল্লব্রনে ?

তোম্বুং—মসিগী মরমদা ঐ ঝা কয়া ঙাংজিনংদেদা।

খোইবা—করিগী ওইরবনো ?

তোম্বুং—মরুপনি মপাংনি হায়বুনা নোংমত্তংদগী ভাম্নসিরা হায়-
হুনা খন্দবা, ঐনা অম্বক য়াম্না হায়জরবা কাওব য়াদবা, ঐনা
য়াম্না য়াওজনিংবা ওইনা তৌরুহুনা ঐ ঙাংদবনা ফগ-
দমালে, ঐগী ইতৌসিদা কয়া থাজবিদ্রমানে, অদুমঙাই-
রেনে লেংবিরোনে।

থোইবা—বা অসি কনাগুম্বা মী অমত্তবুস্থ খরজনিংদে। য়াম্না
ইকাইহুনা তৌজবনি। থোইদোক্না খওইদহুনা হৌজবা
নত্তেদা।

তোম্বুং—অদু ওইরবদি হৌজিক্ত মী অমত্তস্থ লৈত্তে, ইবানিদনি।
নংনা নিংলিবা ভাবতা—শারিবা ময়াম অদু অমুক্তং
নলিয়ু অদুদগীদি ঐস্থ ঐনা শাজবা, থংজবা লোইরা হায়রগে।

থোইবা—হান্না অমুক্তা হায়বিরকথোনে।

তোম্বুং—ফরে লেংবিরোনে। অদুয়ৌনা থাজবিদ্রবদি ঐ কয়া
য়াওজনিংদ্রে। বারৌবিগনুকো।

থোইবা—ওস্থোক্না মুঙাইখিদ্রেদকো—ঐনা—

তোম্বুং—ঐনা কৈদৌবা?

থোইবা—ঐনা কুঞ্জমালাবু—

তোম্বুং—অঁ-অঁ

থোইবা—খংদেদা, কৈদৌরিবনো খংদে। হায়ফম খংদে।

তোম্বুং—অদুদি মথোং-ময়ম খংদবা অদুদা ঐথোই য়াওফম খংবা
বা নত্তেদনা। লাঙ্গনা খংদনদি লাইয়েংবা য়াদে—
হা—কম্নি হায়বগে? অদুনি অদানি হায়হুনা শেংনা

হায়রবদি উপায় তৌবা শুবস্থ মরাইদো ।

খোইবা—মতম খরগী মমাংদদি খর গ্রো-গ্রো তৌরম্মী, হৌজিক্তি খংদে রাকা ইঙাং ঙাংখিদরে। থওইদবগুম-করিগুম, য়াম্না খোইদৌ শাওগংগ্রে। ঐদি মহাক নত্তনা করি অমত্তা খনবা ঙমগ্রে। চাই, মরুম খংদে; শুই শিঙ্গংদে। মহাক অসি ওস্থেক্লা চাওথোকগ্রে ।

তোম্বং—আই, আই, ঙাওরিপোংনিনা—মীনা ইকাইহনা তৌ-জববু চাওথোকইকা হায়হনা। নিপা নং ফাওবা কয়া ইকা-গ্রন-না নুপী মাবুদি ইকাই-ইকি লোইনা থাদোকও হায়রিগ্রনে ? সঙ্গ তৌবা য়াবা মী নত্তেদনা !

খোইবা—অহু মীঙোন্দদি হায়দোকপীরুম্মুকো ।

তোম্বং—ঐবু অঙাওব্রনে। সিদগী দি লৌনবা তৌরগদবনি ।

খোইবা—ঐদি চংচরগেনে— (থাইবা খোকখি) ।

তোম্বং—কৈথেনকা অমত্তা চংলরোইদা মোদোন্দুম খিহনা অমুক লংনরুখিগে ।

কুঞ্জমালা—(ইমুংদগী থোং কাংহননা য়েংহনা লৈরম্বদগী থোক্লকই) তাদ কমখোদনা—হল্লগেরা ?

তোম্বং—আই, আই, মোদোনসি য়াম্বকা কেরহনা লাকইনে, ইবেম্মা, নং ইমুংদা চংও—থোরক্লমু ঐ অমুক্তা লংনজগে। (তোম্বং মরুম অমদা লৈশিন্দুনা লৈ, মোদোন মপুক্লিং য়াম্না হরাওনা চৈ অমা হাইর-হায়রহনা লাকই থোদেম্মী। তোম্বং খিক খিক নোকই) ।

মোইরাংগী নোংবান হায়বা অসিদ অমত্তা নকুবা

ওইরে য়াম্না য়ামইবা রা ওইরে। —(মোদোন কো-
য়েংই য়েংই।

তোম্বুংবু উই শাওরংননা য়েংই। শকফম হজিন্দুনা ল)
(মখুং লোম্লত্তুনা)—থাংজিং ইবুঙো! ননাই ঐবুদি মাগী
দশা অসি তাহনবিগনুকো। মাগী ভিবম অসি কয়া
মুত্তাইরম্মোইরে।

মোদোন—কৰিগী লাইনোনে নংনা নথৰাই অতুক য়াওনা
থুরুম্লিবা অতবু।

তোম্বুং—(খোক্লতুনা) অতুগুম্বা দশা অত্তু ফংহনবিম্নু হায়দনা
লাইদা নিজিরিবা। মাইশিংত্তবু কৰম হায়না পুত্তুনা
চংলমগদবনো—অতুগম্ব ইহাকা হৰাওবা শারত্তুনা মথো-
ইনা হায়রিবা 'অপাম্বনা পামদা শাসি, পামদবনা অপাম্বা
শাসি" কা হায়দুনা মসি মথোয়বু পাপ পুরেয়োইব্রনে ?

মোদোন—নংনা হায়রিবা ওসিবু কনাবুনো? ঐবুরনে?

তোম্বুং—ওঃ ঐনা তাংবা রা অ'স থৰা লুমম্লবা রা ওইরে।
ওাংবনা অমদা, মত্তোন্দা ওইরবোই মনিংবা, হায়বনা
অমা তৌবনা অমা। সেরান সেরানবা মী থংননবা
রাহৈ অরাই অরাইবা থৰা থনখিবা তাইয়ে। নাম্ব
ণাবা মী তিম্লবা হায়বসি ওম্বোক্লা রাপ্রবা রা
ওইরে সত্য।

মোদোন—মীনা থিনা হায়গে হায়সম্নু, কজনা হারগে হায়সম্নু
বেরা করি অমতা।লৈত্তে মরুপনি হায়ত্তুনা নোক্লবিবদা

মথংই। করিগুম্বা অমতং পাংবিগে হায়বদি থনদে। ঐনা তৌপদবা লেপ্তুনা লোয়রে। খুদোংচাবা ফংবগ—থংবিরেদনা—

তোম্বুং—অত্থু— ঐবুদি চেন্নবিরকনুকো— আইস অনাবা য়ায় হেজিল্লবা বানিনা—থৌ অমতং তৌথোক্কবা য়াত্রে। (থোকখি)

লাইট-ওফ

অনিশুবা পন্দুপ

১০বা উৎপা

অত্তোপ্পা নুমিৎ—কুঞ্জমালাগী (য়ুম)

(হুংথিল—মহৈ-মহৈ থবক ইংথাং নোমহুনা লৈনৈ)

(কোন্দোন চংলকই)

চাওয়ামা—ইবেম্ম নংবু হরাওবা চংনিংত্রা? নথোং নথুং কামদোক খোকত্তোউদনা।

কুঞ্জমালা—(হরাওনা) হোয়, হোয়, পাব—(থমন লাকই) এঃ ইতা লাকইত্রা? সিদা ফমউসে।

চাওয়াইমা—ইবেম্মা লাকইত্রা—ফমউ, ফমউ।

খুমনু—ফনি পার।

চাওয়াইমা—হরাওবা চংকত্রা? নথোয়গী. পারথোই চংকনি হায়বত্রা?

খুমন—পাবনা য়ুম শংলমগে তাদপা চংমিল্লো হায়। ইতাবু লোইরম্মো হায়গে হায়হনা লাকইবা।

চাওয়াইম — হোয় হোয় চৎলো চৎলো—ওস্তা হেক চৎলু থোরাং লোয়রুরো ।

খুমন—পাব, ইতা লোরম্মোকো—(খুমন থোকখি)

কুঞ্জমালা—হোয় হোয় ইতা ।

চাওয়াইমা—নমাদি চৎকনি হায়রা ? ঐগা চৎসিরা

কুঞ্জমালা—খংদে—ঐঙোন্দদি হায়দে ।

চাওয়াইমা—কোন্দোন নংবু নচাগা চৎমিন্নরুগে হায়বরা ?

কোন্দোন—হোয়, চৎপদি মচৎনিংই ।

চাওয়াইমা—ফরে ফরে অহুদি নখোই অনি চৎমিন্নরুরো । ঐ য়ুম শংবিরমলগে পংথেং থেংনা হল্লকস্ন । ফরে ফরে থোরাং লোইরুরো ইপাস্ন মিৎনা কুপ্পা অমতং ইতাও কমল খোইদা চৎলুগে। (কুঞ্জমালা থোকখি । মখোং মখুৎ হামদোক্লুনা চৎনবা থোরাং তৌই) । হায়-হায়-কোন্দোন ! নখোয়না হাল্লবস্ন থোং নিংথিনা হেক ঙাকশিল্লমউ। কনানবু করি লৌবিরগবনো ?

(চাওয়াইমা থোকখি। কুঞ্জমালা কিঙারুক কি হাপ্পা অমা থা'দোক্লুনা খিল্লি ! য়াম্না হরাওনা মশম মনা হাংতোকই অহুদগী মথক মথা ওনবমথৈ কোইথি থি । মহাক্কা থাংগৎলুবমথৈ অ ন-অকাই ঙাক্তা ঙাইন্নে । কিঙারুক অহুদা কি পুম্নমক নিংথিনা অমুক লোইশিল্লি । মথুম খুমজিন্দুনা সুংনাংহুনা ওহাক কমই)

কুঞ্জমালা—(শোঞ্জব । পোক্ববা । (লাওনা)—ইমা ! ও—ইমা !

কোন্দোন—(ইথুংদগী) করিনো ?

কুঞ্জমালা—ঐদী মৈতৈকুমগী কনেক অহু কাংবীদা থবীরি ?

কোন্দোন—অঙাংনা অহু শেংবা লৌনবেনা ।

কুঞ্জমালা—কদাইদগী থবীরিবগে ?

কোন্দোন—নন্দোন মচা অহু ফনেক অমত্তা শেংনিংঙাইবা লৈত্রে হায়রেনো শীংখিবহুদি—কাওরব্রা ?

কুঞ্জমালা—(অবা চুংশি য়ামনা)পীথোকরবা—ইমানা থমীরমলি হায়রুনা অহক লুনা থমলবা. ইমায়ক্তি থন্দুনা চুমিং খুদোং মঙোন্দা ভক্তি কচত্না অহুবু পীথোকলবা ! পেমে ইবেম্মা নচাগী চুগ্লাইরম অসি ওথোকা দৈখিত্রেনা ।

কুঞ্জমালা ভিরুচ অহু ইমুংদা থমজিল্লুরগা মপান্দা ফমহুনা লৈ, ওহাক লংনরগা চাওরাইমা চংলকই

চাওয়াইমা—(ওক্বা ! হায়মা ! কদি তৌরে চংলবোইদ্রা ইবেম্মা নংদি ?

কুঞ্জমালা—চংলবোই পাব।

চাওয়াইমা—করিগী ?

কুঞ্জমালা—করিস তৌদে, চংনিংদ্রে।

চাওয়াইমা—কোন্দোন !

কোন্দোন—করি ও রবনো? (মক্তিংমরোন শেংপা মোইরহুনা থোক্লকই) ।

চাওয়াইমা—অঙাং অসিনা চংলবোই হায়রহুনা অমুক তৌরিবা অসিনা করি তৌনবে ?

কৈান্দোন—অহু য়ৌরক্লবদি ঐখোয়না খঙজবা নত্তে। নৈশাবী
চাওখোক কাববা কাওবনু নিঙাই তৌরম্না ওইনহনা
লৈরবদি থেমকম থংজবা বা নত্তে।

কুঞ্জমালা—করি অমত্তা তৌদে চুম্না চৎমিংদহনা তৌবনি।

কোন্দোন—করিনোদা ইবেম্মা! মীবু চংহাং হেক হাংপা হো-
নদেদা ওসায়না চৎমিমনিংদে হায়রগা মহাক্নগনি।

কুঞ্জমালা—(থরা শাওরংননা) ইমা ঐগু জাবনি। ইশাও শাঙ-
দনা লৈবা ওমদে। কজ-কজনা তাংনমি। অসী হায়হনা
মীবু ওমহনা থবা হোনদে। তৌরিবা মথৈ য়াই,
হায়রিবা মথৈ য়াই কায়হনবু পাপ, পুণ্য, ধর্ম্মা অধর্ম্মী
অমত্তা য়েংবিথিত্রেনা।

চাওরাইমা—অহুবু ইবেম্ম! ঐঙোন্দা কায়বুনে।

চাওরাইমা—অহুবু ইবেম্মা! ঐঙোন্দা হায়বুনে। করি ননিং
থুংদে; করি বাংলি, ইপা লৈরিদনা।

কুঞ্জমালা—য়াম্না সুঙাইরি পাব, অবাংপা অমত্তা লৈত্তে। মপা
মমানা মচাবু সুংশি হায়বলি ঐদি ভাবদা মঙাইরে।
হায়গা করি কায়গনি। ঐবু চাবা থাকপিরিবা য়ুম
অসিদগী তান্থোকপিত্রিবা অসি ওন্থোক্না লাইবক করনি।
অসিমক্তদা পেনত্রবদি পাপতুম পুগনি।

চাওরাইমা—ঐনা নংবু কয়া পিদোম্না থম্রবগে, নমাক্নরকগী কয়া
হম্বরগে? নমা লৈথিদবা অহুদি ঐনা কনবদি ওমদেদনা।

কুঞ্জমালা—অহুনা সুঙাইরি হায়জরিবা অসিনি। মচাগুপী নৈশাবী

ফারেং করবশু কত্রবশু কনেক অমত্তংদি খোনবীবা মাইন্দনা খোনবীবদি লাইরবনা ইমানা থবীরবা অহ্ কাওবা মীত্তোন্দা শীথোকপ্রে। পাবনা ঐশীদমক হোৎবিবা, লুনা ত্তৌথিবা অসি লৈবাক অতাবনা ওহোক্লা থাগৎনপ্রশদবনি।

চাওবাইমা—কোন্দোন!

কোন্দোন—অহুশী ওইরেসে, চক্ মহুংদা হয়িংখোইশুংবদৌনা ত্তৌরিবসে?

চাওবাইমা—কোন্দোন!

কোন্দোন—কনানা থংশনিদো। মাশী থৌরাং লোইহিন্দ্রিবোই মনিংই! কনেক ত্তাক্তা কিক্তারুক অমা থম্মা থমজরিয়ে বাদি, হেক ত্তাংগ্রহুনা থমুংদা ত্তংলগা কনানা পুবা ত্তমগনি।

চাওবাইমা—ইমাইপেন্ম—ইমাইপেন্ম:—

কুঞ্জমালা—হায়দা ইমা, ঐনা লানবা ত্তাক্তনি, থিত্তা তোক্লসি কি অকবা শেংকেন্ম শায়জদে, ঐন: চৎচনিংগ্রহুনা তোবনি। (কোন্দোন ইমুংদা চংথি) মসিদা ত্তন্নবা থৎনরে ঐত্তা অত্তাং চিন্থিবা মত্তাবা—থুমগ্রে মানা ইচুমত্তা মচুমথিবা। কিদি মানা শেংনবা ত্তাক্তা লাংই। নংশী অসি ওইয়ু হায়নদি তন্বীদনা বাইহুনা বাইহুনা শেংলু হায়বসিবু কনানা মানিংবা কৌনবগে।

(কোন্দোন কিক্তারুক অমা পুহুনা থোরকই)

কোন্দোন—কিক্তারুক অমা থম্মবা লৈনেসে—অপাম্বদা থন্মুনা শেংলু।

চাওয়াইমা—ইবেম্মা ! শেংচিল্লো শেংচিল্লে—শেংঙে—নমাল্লবা লাক্লগা- ইপা ইকাইজে।

কুঞ্জমালা—সত্যানা থংগ্রগে খজিক্তা কি অকবা শেংনিংগ্রবদি ঐগী অমম্বা লৈল্লিবা অসিমকক্সু কবু কমনগে । "অহনগা অঙাংগা কি তিম্নবসি ঐ কম্বা পামজদে। হয়েং কোম্না নোংমা চংচরগে।

কোন্দোম—ঐগ্না চংমিম্ননিংদবগী ওইরবদি ঐ চংলম্লোহ—নপাগা চংলো।

চাওয়াইমা—তায় কোন্দোন ! নং নপ্রনৈ। অঙাংগী মক্কি-মরোন শেংন-চানবা করি রাংলি। করম- তৌরিদি য়েংবিগ্রহুনা মানা কান্না ঝামাং হেক তৌহুনা লৈরে অত্থগা মানা অচুম্বা শারহুনা ঙাংইনেসে। সেনে ইহবম্মা নংবু খিং শেংচিল্লো। ইপানা হায়বম্মু খিং মম্নাওবা ঙসিগীদি পাংন-পাংনবা অহুম চংলো, ইপানা অসি খোকনি কায়হুনা নকাম্না করি বাংলি করম তৌরি হায়হুনা হংম্না চংলোনে।

(খুমন, চন্দ্রসিং যোদোন, তোম্বুং, থোইবা, মরি চংলকই)

খুমন—হায়মা ! ইঙা নংদি হৌজিক ফাওবা লোইত্রি কাওবা লোইত্রিবোরে ঐদি নং লোইরম্মনি হায়হুনা কম্মা কিংনা হোংনরকুগে।

কুঞ্জমালা—ইঙা ঙসিদি ঐ চংসরোই শাওরম্ব । ঙসাইনা হায়ুন-দোবহৌত্রে। অরেম্বদা মম্নামক নামং শিংলে।

(থোইবা মথরাই খাম্না হুডাইতনা য়েংই)

খুমন—হেরা মুংশিখিত্রে নংসিক্না নফিত্বম শেংচিল্লুরো।

চাওয়াইমা—কোন্দোন ! নচাশিংগী কিদা থারোসে। (কোন্দোন
 কিদা থাই)। কমউ কমউ ইচাশা, ঙক্লাক্লং মঙাইবিরো
 কোন্দোন নংগী মফি-ময়োন অসি খরা শেঙ্গী
 শাবীয়ুনেসে।

(কোন্দোন ফিডাক্লক অক্ল ইমুংদা থাংজিল্লি)

কোন্দোন—লাকও লাকও ইবেম্মা। (কুঞ্জমালা চংখি)।

চাওয়াইমা—ইবুঙো তোম্মুংদি জগোই শাগদ্রা, লমজেন চেনগদ্রা ?
তোম্বুং খুড়াবু জগোইম্ব হৈতে। লমজেনম্ব কয়া য়াংদে করম্বনা
 ফগত্রনো থংদে। ভাবক্লগী হেন্দত্রা কবিনো।

চায়াইমা—কোন্দোন ! ইচাশিংগী হিদাক্লা হানবিত্রবরা ?

কোন্দোন—(ইমুংদগী) হাল্লি হাল্লি। (পুখোরকই, পী, ময়াম
 হিদাক থক্লে)।

চাওয়াইমা—ইবেম্মা ! ইচা খুমন্দি জগোই শারোইদ্রা ? কোন্দোন
 লোইত্রিবরা নচাত্বু ?

কোন্দোন—লোইরে। লোইরে।

চাওয়াইমা—লাও নচাশিং জগোই তম্বীরো লাও। ইচাবু জগোই
 শারোইদ্রা ?

খুমন—খংদে পাব, হৈবু হৈতে।

চাওয়াইমা—শাদবা য়াত্রা শারক্লদবনি। জগোই শাদনা হল্লকপা
 ইকাইদ্রা

(কুঞ্জমালা মকি শেংপা লোইহনা থোক্লকই)

চাওয়াইমা—ইচাশা নখোই অনি জগোই শাবা হৈবরা ? নখোই অনি জগোই অমুক্তা শারমউ ইপাদি চৎত্রবনিনা উররোই। ইচাশিংনা জগোই শাবা অমুক্তা য়েংজহৌগে। কোন্দোন লাও নচাশিংসে জগোই শাবা অশোই অঙাম খরা তাকপিরো লাও।

কুঞ্জমালা—কোরেন পংশা শাবা হায়রুনি।

চাওয়াইমা—করিগী হৈত্রিবা, কোন্দোন কারিগীনো নচা জগোই শাবা তম্বীত্রিবাদ!

কোন্দোন লাও লাও ইবেম্মা ইমানা তম্বীগনি।

(কুঞ্জমালা, খুমন, কোন্দোন জগোই শাই। লোইরগা ময়াম্মক চৎননবা হলাং-লাংহ)।

চাওয়াইমা—চৎলো চৎলো ইচাশা ঙম্না হল্লকউকো। (ময়াম্মক মরি মরি থোকখি)। মচাগীদম মপানা কয়া বাই মচানা খংদে তৌশিন্নবনি হায়না খল্লি ঙসিগী থৌদো অসিদি মথরাই চান্না হেক মরেকখ্রেদা কয়া য়ামগ্রবা মুঙাইতবনো মহাক্না ফুমহনা থম্লিবা অসি। কোন্দোম্না তৌরিবা চক্রিং ময়াম অসি অস্থুম খাংহনা লৈরবদি ইচা অসি লাইমন ঙনবা তারে। ইচাগী মাক লাংগনি লৌখিবা শেলমক্লস্থ — হুঁ হুঁ— —

ঙকখ্রেদকো মুপী! অঙাং অসি মাগা কুইনা লৈমিন্নহল্লবদি মাংবা তারে। য়াম্ন থুনা থোইবা হায়বা অঙাং অসিদা

থাজখোকপ্রগে। কনস্তু মবুক মপাও তপই। মচিক মথৌনাস্ত মরৈ। মীনস্তু মবানি অসি কনা লোন্দিরৈস্তু মহায়নৈ। য়াম্না থুনা য়া লোইখোক্তবা য়াদে।

লাইট-ওফ

অহুমশুবা পন্দুপ

১বা উৎপা

থুমনগী মুম

অয়ুক অঙনবা মতমনি, চাক-ঈশিং চাবা লোইরহুনা চন্দ্রসিং শাফি-লানফি শেত্তুনা ইস্ফালদা হন্নবা থৌরাং তৌরি। ময়াম্না ইলাং-লাংহুনা থিন্দোক্নবা শেম শারি।

চাওভল—ইবুঙো! নিংথৌ পাও লাক্লস্বা নিপা অহুদি হনজ্রা

চন্দ্রসিং—হোয়

চাওভল—করম্বনোনে ইপাবু পুক্সিং অসি ইচিং চিংনবা তারে। অস্তুক লাপ্পা লম্বু কনা অমতা য়াওদনা চৎপা তারবদি —মোদোন!

মোদোন—পাব।

চাওভল—নং নতাওবু থিন্নবা থৌরাং তৌ।

মোদোন—কপনি।

চন্দ্রসিং—পাব ঐগীদমক করিস্তু থোইদোকপা খুদোংথিবা থোকনি হায়বা থক্তদে।

চাওভল—ইকেম্মা থুমন! নবুংগী ফিরান পোংচৈ নিংথিনা অমতা চিথদনবা লোইশিল্লু।

চন্দ্রসিং—পাব করিস্ত পুনিঙাই লৈজদে। করিস্ত পুজয়োই।

(থুমন মথল্লাই হুডাইভনা থোকখি)

চাওভল—ইবুঙো! মৈতৈ নিংথৌনা ইচাবু মরান লৈরে হায়বা খংহুনা অমুক লৌথংপিরেদো। ইচাদি স্নাগী মথক্তা ৬ফা থিন্দুনা অমুক পাল্লরনি। ইপাখোইদি লাইরবনিনা চাক চরা অমা ফাওবা হাওনা পীজবা ঙমখিদে। ইচাগী খুদোম্নি হায়হনা করি নিংথিবা অমতবু পীনিঙাই লৈজদে। হৌম্বা থংদে হায়হনা নোক্রবিগন্নুকো। অতো-নবা মীনি হায়হুনা নতাওখোইবু ইলাই লাইনা কাও-থোকপিগন্নুকে।

চন্দ্রসিং—করি বানো ইপা ইবুংঙো। অস্তক কুইবা অসি ইপা ইমা শক্তুনা লাংগোনবিরক্রবা, ঙসিদি করিগী অস্তক পুক্নিং মুংশিবা বাইহ শিঞ্জিন্নবিগে? মীগী তৌবিমনবু ইলাই লাইনা কাওবা ঙম্নবদি ঐ মৈতৈ মচা নত্রেদনা, ইতাও! ঙসিদি ঐগী তৌবিমল থংবা উৎনবা করিস্ত তৌবা ঙমদ্রে। থাং অসি ঙসিদগী নঙোন্দা শিন্নজর-মলগে। ঐগী পুন্সিদা শাফম লানফম খুদোংদা ঐগী খুংগু থাং ওরক্রবনি। ঐবু পোকপা পাবুঙনা থাং অসি পীবা মতমদা ভাকপীখি। "নিপা অমগী পুক্নিদি পুংজা খুদোং শাফম লানফমগী মশক্নি। নোংমা নোংমদোন

য়োন, কাবা য়াই, নোংমনা মীগী খেংনেৎ ওইবা য়াই। কুরিগুম্বা মতমদসু মীগী মাংনবা তৌগনু। মীগী য়াইক নবগীদমক নথরাই কাওবা থাবা থান্মুগনু।" মুমিং অতুদনী হেনা ইরৈবাকী, ঐগী জাতিগী, মীওইবগী য়াই-কনবগীদমক ঐনা থাং অসি থায়রক্লি। (চন্দ্রসিংনা থাং অতু মোদোন্না পী)।

মোন্দোন—"মী ওইবগী য়াইকনবগীদমক ঐনা থাং অসি পায়রক্লি"
(মুন্না মিৎকম কোংদনা য়ক্লি)

চন্দ্রসিং—ইপা ইবুঙো। নংগী খোঙজান করিগুম্বদসু কাওজরোই।

চাওভল—মৈতৈ অথৌবা—লাইরেন মৈদিঙুগী মনাই—নহাক্না কাওবিরোই হায়বা অসিদা ওন্থোক্লা নুঙাইরে। মোদান, নতাওগী শগোলদি কদাইদা লৈরে?

মোদোন—মপান্দা কোপ্নোংদা —

চাওভল—নংগীসু শগোল অমাংথোরাং তৌরুরোদনা—

মোদোন—হোয়—লৈজরে। (থাং অতু মুন্না য়েংচুনা থোকখি)।

চন্দ্রসিং—ইবেম্ম খুমনদি?

চাওভল—খংদেনে নচল অতুবু কদোমদনো—

চন্দ্রসিং—অমুক্তা তাক্লমগে হায়নবু - - ইবেম্মা—(থোকখি)।

লাইট ওফ

— ———

অষ্টমশুবা পন্দুপ

২বা শুংপা

লৈকোন

খুমন— ঙসিদি চন্দ্রসিং শোইদনা চংশ্রগনি। মপুগী য়াথং ফংলে
হুংশিরবী পোক্লকম লমদম পাংশ্রগনি। মাগীদি নিংবা
থুংশ্রগনি। ঐগীদি পুন্সি অসিমা বানা অশুম লেল-
হোৌরগনি। ইত-কুঞ্জমালা! নংনা ঐভোন্দা তাক-
পিখিবা ঙসিদি অতিয়াদগী লাওথরকপা লাইগী পাওত'ক
"কুমনা থোক্লরে। নতিক-নপা চাদবা মফমদা হুংশিরুগনু
নংগী অশাগী পুন্থুংকম য়োবা থোক্লগা স্বর্গদগী হেন্না
নুঙাইগনি। থুংদবা থোক্লবদি অপাকপা লাজ ইয়ংইদা
—হিনাও শাবা য়াওদবা হিগুম পল্লেপম খংদা—পুন্থুং-
কম য়োদনা, চিন্তানা লাইথুং ওইগনি"।

খুমন—

ঈশৈ

মংলান ওইরে পুন্সিসে, কাইখরে নিংজবা আশা,
থম্মোই লৈকোন থাজদো, নোংচুপ চীংয়া থাংখরে॥
লাইজনিংথো মমোমলোই, থারিকথা কোৌবী লৈরাংগুম
নুজা থম্মোই কাঙ্গনবা থোক্লরুনি অরাবা নুমিৎ॥
নোকচহোৌরো নিংথিবী, ঐগী বসন্তা ঋতু রাণী,
নামিবা ফোৌরোই তুংইন্না লৈনম লৈনম্না থুমহংলো,
গুমহংলো নুজাগী পুক্লিংসে, থাজগী মঙাম্না মুংত্রিৎতে
ঙাইজরী নংগী মিরবা হুংশিব থোম্থাংগী স্বর॥

(চন্দ্রসিং লাপতক্লা ঈশৈ তানা তানা হায়রকই)

চন্দ্রসিং—য়ুমদা অমুকহন্না লৈজবমক কংব্রবসু, পোইরৈ লমদম অতুদা অমুক্কং খোং অসিনা চৎচবত্তা কংবদা, অচাকপা পুম্বা কোকনি খল্লমই। মকম অসি থাদোক্তুনা চৎপা তারবা মত্তম অসিদা মকম অসিবু অমুক কল্লাদা হুংশিরক্লবনো। খোং অসি থাংদোক্তুনা চৎপা ভয়োই-দৌরি। (খুমনগী মনাক্তা চংশিন্দুনা) ইবেম্মা ইচন্না ভসি থর'ই অমুক হুণ্ডাইত্রিবা অসিবু 'করি তৌরবগে? ইচনগী মিত্তা পিগী ঈরা চেনবদি ভসিদা মউরি।

খুমন—য়াম্বা অশম্বা! ঐনা মকম অসিদা কমলহুনা মিৎ পাংনা পাংনা হুডাইরবা মং কয়া মংলুই, ভসিদি ঐগী পুন্সিগী শাগৎচবা মং কাঈবা হুমিংনি।

চন্দ্রসিং—অমুক কুইবা অসি ইচংগী মোমোন নোকপা মাই থোংনা, অরাবা কোঙ্গাই কোকপিহুনা পুন্সি অসি হিংহুনা লৈরক্লি। ভ'সদি নভোন্দগী বিদায় লৌবা লাক্লি। নোক্লা-নোক্লা বিদায় পিরক্নি খল্লমই। অতুবু অরাবা পি অসিনা অনৌবা অরাবা অমা অমুক পুত্নুনা হনবা তারবা?

খুমন—দারোৗগম্বু, অরাবনা থুমহৎখিত্নুনা পি অসি লোংপা নংকৌ-দ্রে। য়াম্বা অচম্বা লেংও, পোইরৈ লমদমদা পালেম পম্বোগা লোইননা পুন্সিগী নিংজবা অপুন্বা থুংহুনা নোক্লা-নোক্লা পাল্লুরো। বিদায়, ঐনা মত্তমকুংনগী দমক নত্রে পুন্সি অসিগীদমক বিদাব পীজরগনি ঐনা তৌখিবা

অয়োল অরান পুম্বা পাংহুনা হৌনবী লোনচং খংজ-
দগুনা তৌবনি খন্দুনা ঙাকপিয়ু ।

চন্দ্রসিং—ইবেম্মা ঙসি নহাক্না ঐহা অপুক কোইরিবা, মুক ইকাই
খুমননা লোইনরিবা অসিবু করি তৌরবগে ?

খুমন—ঋতুগা লোইননা পৃথিবীগী শকক্ম অসি ইতং তহুনা
লোংই । মতম, ফিবম য়েংহুনা লিচং.বাঙাংস্ত হোংদবা
য়াদে, অহু নত্রবদি হৌনবা খংবা মী কৌবা য়াদে ।
নহান মখেদি অগুম্বা, নিঙোনগী খুংনা শেমজবা, লৈরাং
নাচোমগুম মুক্তাগী নাপদা থেংচরগা নিংোন ইমান্নবা
মমাংদা লেরজ.গ খল্লরে । ডাসতা মকুপ খরগী মতুংদা
অরানবনি হায়বা তশেংনা খংলগনি । মখিক নেম্বনা
থা লাম্বা ফংকম থোক্লে ।

চন্দ্রসিং—ইচনগী অবাবা অসি ঐনা শকক খরা পুবা য়াগদ্রা ?
ইবুংদসু খব থুংবিয়ুদনা ?

খুমন—(শোঙব) মাগী মুঙাইবদা মিংকোহনা বারিবা ঐ অসি
কয়াদা তোনঞ্চনো ? (চন্দ্রসিংদা) অবাবা হেন্নবা
নচনবু লংনবিরগনু । মহাক মহাক্না তোজবা মহাক
মহাক্না ফংজবনি । অরানবা বাখনশিং অহুনা ইথঙ্গা
থম্মোই পোমজবনি । ঐনা কনাদা তেংথাক্লগনি কনানা
ঐগী অবাবা য়াওবিগনি !

চন্দ্রসিং—হরাও হরাও শক খংনখি হরাও হরাও লৈমিন্নরক্নি ।
হরাও হরাও কাইনগদবনি খল্লমই । মচন্না মবুংবু

চৎলে হায়না হরাও হরাওনা হায়দনা করম্না হূমদে
ক্তনা চৎপা ওমগনি ? নহাক্না হরাও হরাওনা চৎলে
হায়ব্রিবা কাওবা ঐ। চৎলরোই।

খুমন—লেংবিরো য়াম্বা অথোবা। পোকক্ষম লমদম য়োরবা
কান্দগ মতম পুম্বদা নংতবু শোঙ্গরম্বনা, নহাকী মঙ্গোল
তনা লাইনিং ওইজরবী লাইবকথীবী অমা লমদম তাম্
লৈহৌই হায়বা অসিতদি কাওবিগনুকো।

চন্দ্রসিং—ঐগী খোং, অসি নমাংদগী থাংদাক্তনা চৎপা ওমদ্রে।
নংগী অরাবা মাইথোং অতু থাদোক্লো। মহৌশাগী
ওইবা হরাওবা অমকপা লৈত্রবা পূকচেল্লা বিদায় পিরো।

খুমন—(পুকনুংদদি রাবনা থংথেংলবগু মপালথোংদদি হরাও
হরাওনা লোকই)। লেংবিরো য়াম্বা অওম্বা ঐনা নোক্না
নোক্না বিদায় পিজরি।

(খুমন থোকখি। চন্দ্রসিং ওাহাক মুডাইতবগা লোই-
ননা রাখল চৌদুনা লপই)

চন্দ্রসিং—পুকচেল তিংলবী খুমন! ঐ নংবু য়াম্না নুংশিজৈ অতুবু
ঐগী ইথোনা ঐবু কৌরে। মকম অসিদা লৈথোকপা
ওমদ্রে। পুক্লিংগী বা পুকচু দা অম্বম মাংগ্রসনু। নংবু
অরাবা কোকহল্লম্বা ওমদ্রে। মতমনা নংগী অরাবা
কোকপিসনু। নহাক ঐবু ওাকপিয়ু। ঐ চৎলগেকো
খুমন— ঐ চৎলে খুমন।

চন্দ্রসিং হন্না য়েংদুনা থোকখি। শগোল তোংদুনা ইম্ফাল

তাম্না হনখি, খুমন চন্দ্রসিংবু মিংশেংদগী মাংখিবা কাওবা য়েংহনা লৈহৌই। কুঞ্জমালা খুমনগী মনাক্তা লাকই)।

ঈশৈং:—মংলান ওইরে ....

কুঞ্জমালা—(স্বগত) মীওইবগী পুন্সি! শাওন তাওনবগুম ওনথোইদুনা খাংলম্বা চন্দ্রসিং অবাবা লেম্লদুনা হরাওনা মযুম পাংনা হনগ্রে। অবাবা মশক থংদনা লৈজরম্বী খুমন কাইনবগী মৈনা চুংবিরগলে।

(কুঞ্জমালা খুমনগী মনাক্তা চংদুনা কোনখৎপিদুনা)

ইতা! করিগী অহুক বাবি? অবাবা নুঙাইবা পুম্বা বাখলগী অমম্নি। মতমগা লোইননা অবাবা পুম্বা অমুক কোকখিগনি। অবাবদা বাব, নুঙাইবদা হরাওবা অয়াম্বা মীগী সিচংনি, বাগনু, অবাবা অপুম্ববুম্ব নুঙাইবনি হায়বা খল্লগা পুক্নিংগী অচংবা ফগনি। বাগে নুঙাইগে ওম্বা কনাগুম লৈতে, পুম্নমক ঈশ্বরগী লীলানি। ঈশ্বরনা ঐশ্বর্যাদমক শিনবিরিবা পুম্নমক মঙ্গলগী মশক তাকনি।

খুমন—মৈরানবীগী মতোংগুম, থংন থংনা, উনা-উনা, বাখলনা ঐবু অরানবা মাইকৈদদা চংশিল্ল। পুক্নিং নেমথৌ কোবক্তা য়াদে।

কুঞ্জমালা—লাকও ইতা চৎসি লাকও।

(কুঞ্জমালানা খুমনবু কোশিন্দুনা মযুমদা পুশিনখি)।

লাইট-ওফ

— — — —

অহুমশুবা পন্দুপ

ওবা উৎপা

লোক্তাক মপান—নুংথিল

কুঞ্জমালা, খুমন, মোদোন, থোইবা, তোম্বুং লোক্তাক্তা থবো চাবা কোইবা লাকই। নিপাশিংদি নৌ আমম পুবকই।

মোদোন—হি থাংউগদবা কনা কনানো? ঐদি সিদা লৈরমগেনে

তোম্বুং—লৈনে, অতৈদি কনাশু লহোরোইদনা?

(মরি মরি চৎখি। কুঞ্জমালা তুং ইথং থংই।)

মোদোন—ইবেম্মা শুম ভাইহৌরসদা। চংলুবদগী অঙ্গানি মখোইনা মর ইনা পুজরকন।

কুঞ্জমালা—কনি তাদ—

মোদোন—(কোইক কোইক্র ৎেংলগা) ইবেম্মা, ভসিদি বা অমত্তা হায়জনিংব্রেদা?

কুঞ্জমালা—কবি ওইরবনো তাদ?

মোদোন—বা অসি হায়সিরা। হায়গুসিবা হায়বা খনবদা অহিং কয়া তুমদ্রবনি। হায়দোক্তনা লৈবা ভমদ্রে, ঐ ইবেম্মগী পুক্রিংগী বা অমতং খংজনিংই। গাঁজিক হায়বিগদ্রা নত্রগা করম্বা মতমদা, কদোঙ্গ হায়বিগনি?

কুঞ্জমালা—তাদনা হায়রিবা অসবু ঐ নিংথনা ভাব তাবা ভমজদ্রে।

মোদোন—ইবেম্মনা ঐবু থোইনা থোইদাবিরমদবা মাই অহৃবু ঐগী বাখল অসিনা নংগী নতুং কোইনা ইন্দুনা চৎলি। ঐগী অবাবা বাখলগী হৌরকফম নংনা ওইবিরি।

ঙসিদি মতম কুইরবা ঐগী পন্নেপকম থংত্রবা বাখল অসিদা পল্লেকম অমা লিবিরে। মতমনা থূদোং চারক্ত্রবনিনা বাখল অসি লোত্তুনা থম্বা ঙমদ্রে।

কুঞ্জমালা—(থবাই মাম্না মুডাওনা) এ অসি ওস্থোক্লা লাইবক থোক্লেদা অদুক কুহবা আস ইবুংমকনি থন্দুনা কৰিগুম্বা অথুপ্পা হঙ্গোইবা অমতা লৈজরমদবা—অদুবু ঙসিদি অসিগুম্বা বাকৈ, ঐদি অসিগুম্বা আশা তৌজরমদে। ভাদনা ঐবু লুনা চান্না পোকমিন্নবা মচনগা চপমান্নবা তৌবা হায়না ওস্থোক্লা মুঙাইজরমই। শস্থোকপনি ঐ অসি ওস্থোক্লা লাইবক থী। ওস্থোক্লা তোল্লি, ঐগী আশা অসিবু কাইখিবা তারবরা ?

মোদোন— ঐগী বাখল লাল্লবা—মীগী মাইকনবা ঐনা অবাবা থাংববু ধর্মচেনব কৌত্র ? .ফ। ইবেম্মা! ঐনা লাল্লে ঐগী তোল্লবা বাখল অসিনা ওস্থোক্লা তোম্ন খল্লমলে। নং ঐবু ঙাকপিযু। মবুংনা মচনগী মকমদা অসিগুম্বা কায়ৈত্রবা, তাবদা তুচুংলবা বাকৈশিং অসি হায়খি হায়বা অদি নবুংনি খল্লি হায়বা অদুদতনা অশেংবা ওইরবদি, মিকুপ অসিদগী কাওথোকদ্রো। তৌজিকফাওবা পাঞ্জদ্রিত্র? বাশকুবদি থাজগদ্র ?

কুঞ্জমালা—করিগী হঙ্গোইক্লগদগা। মবুংগা মচনগগী মরি ঙসিদগী অমুক হেন্না নক্লরগনি।

মোদোন—ঐনা বাশকলিবা আসনি। করিগুম্বা কান্দা ইচম্নি

ছায়ৎদগী অতোপ্পা ৱাখল অমা খল্লবা— থাংজিংনা
শাখি ওইসনু ।

কুঞ্জমাল—অসিগুম্ব ৱাশক—ওম্থোক্পা থম্মোই কল্লি ।

মোদোন—অসিনম্ব থাজদ্রবরা ?

কুঞ্জমালা—ঐ ওম্থোক্পা কিরে ।

মোদোন—কররিগী কিরিবা ?

কুঞ্জমালা—মবুংনা মচম্ব খরদং লানথিংগীদমক অম্বুক লুবা ৱাশক, মীওইনা পোক্লবদবু লান্দবা ওম্বা কনানো ? অসিয়োনা পুকচেল কল্লবদি করগুম্বা ঐনা লাল্লবা মতমদম্ব ইলাই লাইনা ওাকপিদবা য়াই ।

মোদোন—ঐবু থাজো—শাহিং চাব শা নত্তে । ওসি থাজদ্রবম্ব মতম অমদা থানক্কনি ।

ওসি ঐবু তাথি তাওই তোঁতুনা ইকাইবা পিরম্লবদি মতিক চাবা লমন খুম্নবা কন্না হোৎনরমগদবনি । ওসি নংনা ঐবু থাঙ্গৈশেংনা। মাইথিবক্লে নহাক্পা ঐবু ওসি অতোপ্পা নুংশিবা অমা অমুক তম্বীরে। কল্লক মিহৌবা য়াওদবা, অরাম খোরাংবা লৈতবা অতোপ্পা নুংশিবা থম্মোই অসি অমৃত ঈরা চেল্লে। লমচৎ নাইদবা শানি হায়তুনা ঐবু হক্লোইগনু ।

কুঞ্জমালা—করি ৱানো তাদা নচপ্পা ৱাহৈ কারন চনখিবা অপুম্বা অপংবী নচম্নি খন্দুনা ওাকপীগনি ।

মোদোন—ইবেম্মা ময়াম হি পূনরক্লে তোংলুরসি চৎলসি ।

(কুঞ্জমালা লোক্তাক তাম্না চৎখি। থোইবনা হোন্নকপা হিদা কাখৎলি। খুমন্না তোম্বু না হোন্নকপা হিদা তোংলকই লোক্তাক ময়াইরোমদা হোন্দাকখি।

তোম্বুং—ইবেম্মা নংগী তাদ অসি ওম্বোক্না তনগ্রে অম্মম কমহোংবগে হায়রিমান্নে কয়ি বিভুলানো মানা চুরিবসি কয়া নুঙাইশ্রবনো ইবেম্মা ঙস ইমথৈ অতুক শাবহু লোক্তাক হেক ম্নোবদা কয়াদা নুঙাইরবনো। কয়ি অমত্তা শাখিদ্রে।

খুমন—নুংশিংনা ঙিরি হুমলবলি। ইথব মচা মচানা ঈপোম নাইনা নাইনা লাক্নুনা অমগা অমগ ঙাথু-থেংথুনরি কয়াদা নিংথিশ্রবনো ? তাদ থরোশিং অসিদি লোইনবা উমশিন্নে।

তোম্বুং—মাগী মাগী হায়বসি কাইবা লৈতে। নুংথিন্দা উমশিল্লি। নুমিদাংবাইরম ওইবগ অমুক শা.ওাকলকখিনি।

খুমন—ঈশৈ—মংলান ওইরে পুন্সিসে, কাইখরে নিংজবা আশা। থম্মোই লৈকোন থাজদে।, লাইবী চীংনা খনখরে

(থবা লাপনা থোইবা কুঞ্জমালা)

থোইবা—ঈশৈ—

পুন্সি চাংজো য়াইহুদ পাক্লবা ঈপাক থকুদা
তত্তুনা ঈপোম কৌরকপা ঈপোমগী তাংথক নাইদবা
ঈমাইবু লানগে খোরাংলা॥
অপামগী থোরাং মওংলা কাইনবগী ঈহুন ঈপোম্না

মুংশি ঈথক চাংজোদি ঈপোমগী তাংথক নাইনদে
লানবগী লোইবা নাইনদে ॥ (শ্রীযুৎ বাবুসিং)

(থোইবা হিহোনবা তোকই, হিরুবাক্তা নৌ থাক্তুনা থমই)

কুঞ্জমালা হোল্লরোইব্রা, মীদি আ য়েংব্রে।

থোইবা—কোল্লরোই।

কুঞ্জমালা—করি তৌরে রাবব্র ?

থোইবা—বাদে—অচুদা, ঙসিদি পুক্লিংগী অরেপ্প বা অমতদি থংনিংই।

কুঞ্জমালা—হায়রিবা অসিবু করিনো ? করম্বা অরেপ্পা বানো ?

থোইব—নংগী পুক্লিংগী অরেপ্প বা য়াওদনা, অচল্লমনগী মাথং ঙাকপগীদমক, মীনোক কিবগীদমক, পোম্বা য়োকপা চেক্লাগুম পূন্সি অমা থোইদৌ লংথত্তুনা পানগদবগী ইথত্ত নিংবা কাইদুনা অপুম লেপ্পখিবনা ঐ।

কুঞ্জমালা—ঐবু করি হায়না খুমউ হায়বগে ?

থোইবা—ঐনা হায়রিবা অসি অরেপ্প বানি। ঐগী চিনরিবসি কোকচন্দ্রবদি ঙসিনা ঐথোই অনিগী অরোইবা বিদায়গী মুমিংনি।

কুঞ্জমালা—করিনো হায়রিবা অসিবু, ঙমই হায়দুনা অঙম্বনা অতোনবদা ওৎপা অসিবু মী অমতা নংথিদ্রব্রা ? ইশা ইশাগী মুঙাইবগীদমক মী অমগী মরান থরতগীদমক মীগী আশা ভরসা পুম্নমক থুগাইবিদুনা শিঙম নাঙম- দনা মাংহনবা অসিবু চুমব্রা ? ঙসিদি তাবিরে, থাজ- বিবা থোক্লগা পুন্সিগী নিংজবা আশা অসি থুংহনবীয়ু।

থাজদনা খোঙবস্থ ঈশ্বরনা ঐবু থবা বাও তম্বনানি ঐ খক নিন্দা তৌজররোই। নংগী অপাম মুংশি বাখলদা পম্বুফম খংদবা লমশাং চৎপদা বাৎবা, চাকথৱবা লইফ চৎপশিংদা পোত্থাফম পীবিবা, লেংদ্রবা খোংনাং তবনি। চেল্লানা লোইনা চাকথাবা চৎলুরগা য়াইরেকফম উজাও থিরকপগুম নিঙোন বাখন পোত্থাফমনি। মুজ পুরগী ভুংনফমনি।

খোইবা—নৈনা খৌরাংনা ঙাইজরম্বা বাইশিং অদু ঙসত থরই পেন্না তাজবা ফজবা। ঐঙোন্দা পাম্বনা কবনে ?

কুঞ্জমালা—ঐবু মুংশিবিবা মুংশিদবা ঐ খঙদ ঐনা মুংশিজবাদা মমল পাম্বনি নচ্চদে।

খোইবা—অদু ওইবনদি ঙসিদগী ঐগী থবাই মঙ অসি মুংশি খুদোল পীরবনি। নংবু অবাবদগী কন্নবগীদমক থবাই অসি চিনবা নৈতনা থাগনি। থাংজিন শাক্ষী ওইসনু।

(তাইন হরাওনা ঈশ অমুক শকুনাফি হোল্লি। থরো হেক্কুনা কোইকোন হোন্দুনা শাম্নে)।

লাইট-ওফ

——— — —

অহুমশুবা পন্দুপ

৮বা উৎপা

কুঞ্জমালাগী য়ুম—ইমুংগী কা অমা

সুমিদাংবাই

কোন্দ্রোন—হে, হে, ঐবুকা অমতা ভান্নদনা থোইনদা কোক্তা থাজথোকপ খংগনিদে। মপানকা হরাওজবা শাগ্নিবা লৌরি য়ুমফমকা লোইনবা উৎথোকানিকা হায়বা শাগ্নরবুনা, ঐবু ভিক্ষ নিহুনা পাহৌ হায়বিত্রা করনো শংলেনে। ঐগী ইভিকশু খংগনি হায়বা, কোন্দোনগী মাওংশু থ ঙোইদ্রদো। হিস—থা অমা করি অমা নোংমা, হায়বশু নত্তবা, ক য়ুং হংচিং সুমিং অথবা অমদা লোক থংথোকখ্রনিকা হায়বা শারহুনা, সুঙাইদবো মানগী নিংদা অসিনা চৌজবা শানিবসি।

(কুঞ্জমালা চংলকপা)

এ ইবেম! লংবিররবোর, চাওথ্রেনে মচা ইবেম্মাথোইনা চাওরিবসি, য়ুমদা অংল অমা লৈহৌরি করি হায়রমগদগকা থনবিবা নংলেনে, খুয়াগী উফুনগুমনা উবিরবান। ইবেম্মা ঐশু মিনাই নচ্চ দয়ে, মসিমতদি বাওবিরোইদবা ওইরে। লৈপুংনা বল শাবান হায়বা খংই। নশম অহু খুদাংদা য়েত্তুনা, হায়রোইদবো লৈবাক মমাংদা থুঙ্গে ইনরোইদবো, লৈবাক মমাংদা লেপ্পরবিবা হায়বা অহুরা? মীনা ওস্থোক্তা কল্লুকনরিনিদা।

কুঞ্জমালা—ইমা ঐনা লানবা ভাক্তনি। রারোবিরগন্নু, অহুকথিনা হায়রগা করি কান্নগে? ঐনা তৌরম্মা থবক্তা

করি ননিং থুংদবা লৈরবগে ? মীগী খোইদৌ শিক্নুনা ভাংবগী মহুৎ করি তৌরগা পেনগদগে ? কৈ মমিং কো-ভ্নুনা পুরকউ হায়রম্ব পুরকে।

কুঞ্জমালা—হরে, কিজরেদা ইবেম্মা! মী অতাবা অমনা তারগা ওম্মোক্লা হায়বা ইনক্সবা, অফল-লম্মন কিনা চংঙবা অচাং-কা ওইনা তারোইদ্রসে, ঐবুনা হিংচাবীকা ওইনা খল্লো-ইদ্রসে,। কিজৈ কিজৈ ইবেম্মা মাইকা ওনশিনবিরক্কগ। ইমানা ইতিক ইপা ওইজবা পোং নত্তে। মায়াবী দৈবী অমগা লৈমিন্নৌ হায়তুনা তম্নস্নিবা লাই অসিবু করি লাই ওইরিগবা।

কুঞ্জমালা—ইমা বাগী বা চুন্না মন্নায়বিয়ুবা. করিগী অতক খোইশা-ন্নিনখা থাবগে ?

কোন্দোন—হোয়নে, হোয়নে ইবেম্মা। ইমানা লানবা ভাকনি। চাওরক্লেদো, পাঙ্গন মান্নরক্লেদো থেক তেকপমগৈ পঙ্গন থেক্লবা ভমলগনি। ইমানা চিনগনবী ওইতুনা তৌরি-বনি। চাওরবনিনা মখা-মপা য়োকপগী বাধলকাদি তৌরিক্লবস্থ। সিদগীদি খোংপাক্লা পোক কাওখো কপির-ল্লগদবনি। করিনোদা মৈতৈ অসি, করি বাংলিবা করি লৈতবা হায়বদি য়েংদ্রতুনা, ঐদি চাওরিদে—মুভাইরিদো হায়তুনা কোনবকা থুংখিদ্রেনা করিনো।

কুঞ্জমালা—ইমা ঐনা লল্লে। চাক-ঈশিং থোংউরগে ?

কোন্দোন—অং চাকস্থ লামন্নিবোইরে। অহবু করিগী ইস্থ।

নোনে নংনা হাগদসিব ?

কুঞ্জমালা— অহুবু কয়া কুইবা রানো। হেক হেকলুরগা লো-ইরেদনা।

কোন্দোন— হিস, সন্ধ্যা অসিদা, ইংখোন্দা ইশাং মনা-অমা অনিদং চৌবত্ন ফোইদোকপিরুরগে হায়রিবা; খোংবি-রুরগু, খো বিরুরমু। ঐদি চাক্কা অমতা চাজনিংদ্রে। শক অত্ন উবদা পুক্কা ইথন থনদ্রে।

(কুঞ্জমালা ঈশিং পুল য়েংই। ঈশিং যাওনে)

কুঞ্জমালা—ঈশিংকা থজিক্ক লাকথংলুখিগে। (খোকথি)

কোন্দোন—ঈগদকাই ঙসিদি, মখিবোংকাসি। অমত্তা হেক পীজরেই। মপা হায়রা ঙসিদি, কুমলকলরোই।

(কুঞ্জমালা ঈশিং পুদুনা চংলকই। কোন্দোনা থুনা চংশিন্দুনা ঈশিং পুল অদু মুন্দুনা থমই।)

খোংবিরুরমু হায়রবমক্তদা মরম ওকপীরেদা। হয়েং নোং ঙাল্লগা ননাই ঐ খোংজগে অদুগ হেক কংশিনজরক্কে। ফুং-দাংকা তৌবিমু। ইপাই চৌই। (কুঞ্জমালা তৌফম থংদহুনা তিঙক-মাইরুত্তনা লেম্লুনা লৈ) ঐত্তা তুম্বদা তুমজগে।

কুঞ্জমালা—অত্তদি ফমুং অহু অমুক্তা কন্থোককৌথিগেদনা ?

কোন্দোন—হিস—হাহাযো নোক্কুম নোকচনিংই।

কুঞ্জমালা—অহু ওইরবদি তোক্লসি। ঐশু চাররোই।

(কোন্দোন ফমুংদা হিপথি। কুঞ্জমালা ফমুং মথক্তা ফমই

ঐগী নুমিৎসি শুদ্রিবোইদা, করি নুমিৎ থাদা অরাবা লেল্লগবা। মসলবা অসুম্বনী মরক মবক্তা নিংথিজরব লংলবা মঙাল্লা কুপফেৎ কুপফেৎ চোন্দুনা মঙানগী নিংথিজরবা উৎন্দুনা অমম্বা অসি লোইরা ঙাইব ঙম্লব শুমংৎ লাং থাক্লি। অমম্বা লোইশদোরে কাংলশ্ল তোক্লি। অসুম্ব অঙান শিনরমদাইরা খংকৌদনা শুক শুনা মমলাক্লি।

(ঙাইকাক লৈরগ কুঙমাল হিপ খা)

কোন্দোন—(ফমুংথক্তা ফমই) বেলোদ তুম্বকা ইম্ম য়াদেদা ঐদি মীনা লাকচবসে থাংবকা চেমজাদনে লৈফম খংদ্রে, বরি তৌশিনা—মাংম্বগী লোইশং খেল পাম বা নে। ঐনা হায়নদ ফরবসু ফং, ফং কুহল মথৈমিৎরব্রবনি, বরি লবগে নংম তংগে হায়দনা মঙাবলমউদন, তরাই তর হনন দ কাল্লোইদ। লোং অসুম ঙানগদো রদ্রা, (হৌগৎতুনা য়ু হু) হের ঙানগে ঙানসন্নু ওল্লে ই তে কসন্নু, থেংবা ঙনব, কার লৈবনো (চ শিংক্লুনা) ইবেম্ম! মরম ওকপী। লেংখংলে দনা, কদাইদগী নোদা হৌদোবপগা মানিপোৎ নৎতেদা। মী অসি মংনুমীদাং হায়রা চরা লেল্লে, অহুক পরপ পরপ নোমথোকসিনকা হায়রবা খনবিপোংনত্তেনে।

কুঙমাল—(হৌগৎতুনা ফমুংথক্তা মমিৎ মমাই নোইহুনা) নোংবু ঙাল্লবরনে ইমা? ঐদি তুমথবতা ঙাইরিবোই নিংইদা

বান্দোন—নি গনি বরিগী নিংদনি। হুঙাইরবা রাগ অমদা

তা ওহুনা লৈরবনিনা। তাইবং শেবাংলবনি, স সান অসি ওয়ত্তনা খনবিরবনে। মীনা লৌনত্রি-ঙদ এনা হাপ্পা হৌহনা করিগুবা অমত হায় মৈথম থাকওগেকাদি খনবিবা বা নত্তে। কুঞ্জমালা মায়াদা তুমনিংমা লৌগৎ-লকই। থবক ইংথাং লৈথরবা কোন্দোন অমুক হিপথি

কুঞ্জমালা—হৎচাং অসে লাপপোইদা হাপ্পোইদা। মনা মং ফুঙাইত্রিবা এবু কবি থোক্লগবা ওসি পাবি কুমলক্কবদি ফুঙাইত্রিনদা, এগী পুন্নিং অসি নিংথৌক নিংথোকই।

(কুঞ্জমালা কয়ুংদ কয়থে)

কোন্দোন—লোইরবরা ?

কুঞ্জমালা—লোইরে। ইমা চাক্তি লোংঙাপ্লগা থোংঙগে।

কোন্দোন—চরা হেংদুংসা কংখাং লৈতহুনী তৌদ্রবান হায়বা কাওবিরবোইরে। এদোং খরত্তদ মথেকতাদা কনস্থ মচানিংই। অহুবুনা ওইনা তাবিগদবা পোং নত্তরে।

কুঞ্জমালা—অহু কাক্তদ থোংলগা চংকেননা ইমা, মানা শা তাওই কায়নবনে কবিনে মা অমা। অনদং চংদা। মতম নত্রবাদ—

কোন্দোন—মাগে মায়ে—খুমানংঙাহনা অমুক হাংপা নত্তেয়ে। এতা হেক চংচনগা লোইরে, এগুম্বগী শক্তিনা তিন্নবা ওম্বপোং নত্তে। লৈবাক মমাংদা খুজোইনবিত্রিত্তদা এতা চংচাহাবনা ফরেদা।

(অকিমবোল লোইশিত্তি)

কুমমালা—কৈ-কৈ-ইমা, ঐ চৎকেকো। ঐনা হিংহনা লৈরসে নং য়ায়া হুডাইরমাজে, ঐনা শিরগা নং হুডাইনা থুরা ভূশিহন্না পানথৌরো।

(থাংমচ অমগা থুম্মুক অমা লোয়হনা চৎনবা থোক্লই) অসি শিহৌরবগ নোংমদি শোইদনা শিগদবা লৈ। শিগনি শিবনু অত্রক কিরিবা অসি করিগীনো? ইমা পক্লেম অপোকপী! নিংনা লৈথিদবা হুমিত্তগী নচাগী বাথল অসি মিকুপ অমা কাওবা পোথাকম লৈখিদ্রে। কোক অসি উমহনা ওংহনা লৈদ্রে। অত্রক বানা হিংগদবগী শকক শিখিবনা হেন্না পামজরে। (কপ্না কপ্না থোকখি)

কোন্দোন—(হৌরংতুনা) অং অত্তুগা থোংবু থিরিবনি হায়হনা থুম্মুক থুনথা থুবা চৎলুখো। হুমিংনা মধ্যান য়ৌরবা কান্দা হেক হল্লকউ। (থোক্কুনা য়েংই)। চৎসন্নুবহাই কনানা থংজবগে মিকপ থোক্লকপদা লৈরমজ্রে হায়রগা হেক ল্লোইরেদনা।

(কোন্দোন হনজিন্দুনা কমুংদা তুমই)।

লাইট ওফ

অহুমশুবা শন্দুপ

এবা উংগা

মকম ওনবা লমীথা—কুঞ্জমালা

কুঞ্জমালা—ইমা ! নচায়ু বাবৌথয়ুকো, মাগী মাগী লাইবক্তা যেক্লবা অহুক্তা মহাক-মহক্কা কৎলেবনি। ঐনা কনাবু নিলা তৌনিঙাই লৈতে। করিগুম্বা লাইবক কহনা হিংবা থোক্লবদি সেবা মতোঙোমনা তৌজবকথিগে নক্লবদি নচাবু অয়ানবা কোল্লাই ঙাকপিয়ুকো। গুরু-খিবিকী অথোইবা ঐবু পোকপা পম্মোহ্ নিংথোন পোম-দনবনি নিংহ্লা কবিগুরুগী নিঙাই শংঙানবোই মহাক্কা হায়বা পুম্নমক ইল্লগে নিঙোনগী পাইমগুংদা থাক্কচবনি, অহুবু পাপ চেননি কুঞ্জমালানা মপাক্লা মৈ চুৎপা ওইনা থোক্লগত্রা .... নচায়ু ঙাকপিয়ু পম্মো অপোকপা। পুম্মি অসিদা মিকুপ অমা কাওবা বায়রোই, অমা-মুঙাই কায়বা অদি কবিগু নত্তে বাথলগী ঙমখৈদি থাদোক্লবনি। অহুবু ঙসিদি থথোই অসি বাবনাকুপং-বে মিং অসি পিগী ঈশ্বানা মমক্লে। চিংনবলা থোক্লং অসি থাংবা থোক্কে, কিবনা হকচাং পুম্বা নিক্লে। অঙকপনি মতম নমী থোংলৈ, মতম পুম্বদা নিঙোনগী অমা পোথোককম, ওইরম্বা মুংশিনবা শককম অপুম্বা অকিগী শকতম অমমম লৌহনা লৈরমলে। অমুক অকিবগী মশক ওইনা কজবদি ঙসিদা মউঙ্বি। মিংল চোংনিংগা

উচেক্লা লাক্লালাক্লা [illegible] ঐবু [illegible]সিরা। থোইবা। থোইবা! নংনা ঐবু [illegible] [illegible]বদাই, ঙসি—[illegible]রবা কিরবা, খুদোংথীরবা চুমিং অসিদা, ঐ [illegible] কিগ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ন[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অসি [illegible] [illegible] [illegible] অসি [illegible]মুক্তা [illegible] পুনি অসি [illegible] পকপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পু[illegible] [illegible] [illegible]চাংয়েংদা মিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], মপুনা [illegible] অসি [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible])—[illegible]! [illegible] [illegible] [illegible] চাংয়েংবা অসি [illegible]? [illegible] অবাবা অসি [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] ঐ[illegible] [illegible] '[illegible]' অসি পুবা [illegible] ইথুংলো। [illegible] [illegible] চা[illegible] অ[illegible]-হবা 'চুমিং' ওইহনবিরোকো।

[illegible]

অষ্টম শুব. পান্দুপ

৬বা উৎপা

খোইরেনতাক—নোঙাল্লমদাই

কুঞ্জমালা এপাং খরা হেকই, ঙাহাকটা লেরগা খোইরেন্তাক মনাক্তা ইনক নকনা কৈ অমা খংঙং ঙংলকই ! কুঞ্জমাল খংহুনা চোংথোকলই ।

কুঞ্জমালা — ইমা ! ইমা ! (কোইচেন চেনগে কোৎনৈ) ইমা ! ইমা ! ঐনা চেনখি-চেনখিবা মাইকৈদা অঙ্কু অকিবা মশক ওইরবা চাওরবা কৈ অসিনা ঙংল ঙংলহুনা খংলি। ইস ! ঐবু কদোমদনো ··· কদোমদা ! চেনগদগে ? থোইবা···থোইবা ! নংস ঐসু কনবিবা, লাক্লরোইদ্রা ? ইবুঙো নাইবু কনবিরোইদ্রা ? চেনকম খংদ্রে ···· ঐবু চেনকম খংদ্রে ।

(কুঞ্জমালা ঙাকাক্তং মুংশাখর ফুইনা ফুইনা হোল্লহুনা কৈগা মনিং চানহুনা লেপই অহুদগী থরাই শোক্না নোক্লকই)। হা-হা হা — — —চেনবা. শিবা কিহুনা চেনবা করি থন্দুনা কুঞ্জমালা শিবা কিরিবা ! (ইচংথৌনা মখ ক্রক ক্রক চিক্লহুনা নিক নিক লাওনা) চেন্নরোই ঐ চেলরোই, (ইননফিনা মখাংদা কন্না লাকশিল্লি, তপ্না চেকশিন্না চংহুনা থাং লৌই চোংথোক্লকই)। পাম্বা অথৌবা ! ঐ অসি মৈতৈ চন্নুনি, মাই ওন্দুনা

শিবদি শিবদি মৈতৈ নিঙোলগী ধর্ম্ম নত্তে। নংস্থ চেনখিগন্নু, ঐনা নংবু কাংপা ঙমলে জীবা লিশিং লিশিংগী থৱাই কনগে। মাইথিবা থোক্ল স্থ মিচিক মীরাওথোল তাদ্রবা অচিকপা লমজাও অসিনা মৈতৈ চন্নুগী থোনা মমিং থিংনা য়েংজহৌসন্নু। (কুঞ্জমালানা কৈদা চোংশিন্দুনা থানা থিল্লি। কৈনা লাক্লগা থাদোকই। কুঞ্জমালানা থরো থরো ওন্থোকলকই) ইমা! ইমা! ও...ও....ও ঙসি অসি ঐগী পুন্সিগী অরোইবা নুমিৎ ওইবা তারবোইদকো। ওঃ—হয়েংগী ইনুংঙানবদা মহৌশাগী ফজবা শকফম অহু উবা ফংলমদবা তারেদকো। ও—ও—ও পাঙ তাবা কেকলাগী শংগুন্নু উররোই, তাইবং কনাগী খোঙ্গেনস্থ তাররোই (ফুক হৌগৎকে হোংনবা) ঈশিং—ঈশিং থজিক্ক থক্কে খারাংলে। থবাক অসি থ্রক থ্রক কংলে। ঈশিং—ঈশিং ঐনা পৃথিবী আসদগী বিদায় লৌহ্না চৎলমদাই অসিদা কনাদস্থ পুকমেন পাওমেনজব। ফংলমদ্রেদকো। ইমা ইমা মিচিক মীরাওথোন তাদ্রবা শোংলব লমজাও অসিদা কনা য়াওদনা মৈচাক থাংলিবা অসি ইমা, নংস্থ উত্ত্রবরা? ঐগী চান্নৱবী লমজাও মালৎ অইংবী নংতনা নিঙোনগী অৱাবা পোথোকচকমনি। নংগী চিক্লবা নশাইকোন আসনা নিঙোনগী পুন্সি বাথন শেমগৎফমনি। পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপকমস্থ নংগী নতস্থক্লনি। মোমন্ন লাইবক চাওবীগী অৱাবা পুন্সি

বারী নংতনি চিথদনা থংগদবা। নংতনি ঐগী অবা-বদা য়াওবিগদবা, পুন্সিগী অরোইবা মিকুপ, অরোইবা অরোইবা পুংজা ফাওবা কাওজরমদে। পুন্সিগী বিদায় নিজরমই শায়হনা নিঙোনবু হুংশিবিবা মীপুম খুদিংদা নাপচিকনা তম্বীযুকো। বিদায় — নোংমদোনথক্তা ঙাক্লিবা মশিং লাকওমদ্রবা থবানমিচাকশিং! হে অচিকপা থাজ, নগোইপুম্বদগী বিদায় নিজরি। বিদায় —ইবুঙো, তেংবানবা শেম্বা মপু, ঙসি ননাইবু সংসারগী অবাবা পুম্বদগী লানবিরে নখুয়াদা লৌ-সি-ন-বি-য়ু-কো ইবুংঙো।

(খরা নৈরগ। সংসারদগী মুক্তি কংখি)

লাইট ওফ

অহুমশুবা পন্দুপ

৭বা উৎপা

লম্বী

চাওভল — ত ইবং মীওইনা পানবা হায়বসি ওন্থোকপনি। তুঙাইকম ইরৈ নৈতেদা।

মুং — (লাকই) পাবা! করম তোরে লেংউরবরা?

চাওভল — য়োরুরে ইবুংঙো। হল্লসি ঙসিমক কৈবল শাররনি লৈবাক্কী কুইল্ল ওইররনি।

তোম্বুং — কয়ম তৌরবগে পাব ?

চাওভল — ঙসি কংলাদা খম্বা নোংবান অনি য়ারেপনৈ। খম্বগা নোংবংনগা অনিমক মোইরাংদা হিংহুনা লৈরবাদ পোইরাংগী রাথোক লোইররেউ। মখোই অনিগী মরক্তা অমতা হিংহৌবনা ফরে হায়হুনা চাঙ্গনবুং থোক্লগা মখোই অনি তা লংহনগনি হায়হুনা থৌরাং লোইরমলে। ইপানা কৈবাও হেকা তম্বদা কৈবন্দা খম্বা নোংবান অনি থাজিন্দুনা ধর্ম্ম বিচার তৌরগনি হায়হুনা কৌখৎহৌরে। মোইরাং নিংথো অঙম্বা, ফচনাই কাম্লাইবা পুন্নমক লোইনা লাক্লনি। ইতাও চাওযাইমা অহুব লাকহৌববরা ? ঐনা ঐখোইগী খুন্দা নুপীমচা অমা কৈনা শোক্রে হায়বতা ঙাইরিঙৈদা মকাক অহুম চেনখ্রেনে ইবুঙো ?

তোম্বুং — পাব, য়েংকৈন্দ্রে মচাগী অউনপোৎনি হায়হুনা লাংইবা পুন্নমক লোইনা থুগাইবগা লংথাইবগা তৌরম্বদগী ময়ুম মৈ থাদোকহৌরে। য়েংকৈন্দ্রে য়েংকৈন্দ্রে পাব, লৈপাক্তা পুনত্রে পুনত্রে ওন্দুনা লৈহৌরে।

চাওভল — হল্লসি হল্লসি; কৈবন শানবা থৌরাং তৌরুদবা য়াদ্রে। লাকও লাকও চৎলসি। মৈহুম পাও চংকদবনি।

তোম্বুং — কনি পাব। (চাওভল খোকখি, লাঙ্গয়বী চংলকই)

লাঈরবী — ইবুংঙো কনানোনে শানা শোকই হায়রহনা হায়-নরিবা অসিবু ?

তোম্বুং — ঐ খাইগী খুন্দগী দৈশাবী অমা ওইরমগভ্রা হায়রহনা চিংনরি।

লাঈরবী — করি খুনগী ইবুংঙো ?

তোম্বুং — ফুরালাদগী।

লাঈরবী — কনানো মমিং করি কৌবগে (ফিংলপনা)

তোম্বুং — ইমা ! কুঞ্জমালা কৌই।

লাঈরবী — অওইবরা ? ইমা ! শোইদনা নং ওইরমগভ্রা। ইমা ? ত্থাংইবং অসিদা তেংগদবা থৌদাং লোইরে হায়রহনা লাইবৈবাক্তা অমুক হল্লবরা ? লাইবকথিবশিংবু থৌজা-নগী মিংয়েংনা য়েংবিনবা কনাদা শিন্নরমই ? খদোংথী রবা কান্দা কনাদা চংজগনি কুঞ্জমালা, ইবেম্মা।

তোম্বুং — মমিংতা তাবদা মী কয়া থরাই শোক্লা কপ্পলি নংবু কনানো ইবেম্মা, রাগদবা মথৈ রারবা নোকনা নোকনা পানজরগদব , ওম্ভোকনা নোংদমথিদা। (তোম্বুং চংখি)

লাঈরবী — ইবেম্মা ! ঐ নংবু উবা ফংলরোইকো, থিরুগনি ঐস্ত্র খিরুগনি। ঐস্ত্র নংবু অমুক্তং উজনিংই।

(লাঈরবী চংখি)

লাইট ওফ

তম্বুবা পন্দুপ

৮বা উৎপা

খোইরেন্তাক

হুমিদাংল্লাই—কৈবন ৱাংমদা, থম্বনা কুঞ্জমালাগী অশিবা মশা পুথোল্লকই।

চাওম্বাইমা—(চেম্না চেম্না) ইবেম্মা ! কুঞ্জমালা ! ইপাগী ইবেম্মা (খুরু খুদক কুন্দুনা) ইবুঙো খুমন অথোবা ! লাইবকথিবা মপাগী তম্পাক্তা ইচাবু অমুক্তা শিন্নবিয়ুবা। (থম্বনা কুঞ্জমালাবু চাওম্বাইমগী মতম্পাক্তা থাপই)। ঈবুঙো পুকচেল চাওরবা অথোবা ! নংগী নপান্দগী গতি লৈজ-দ্রবা শোল্লবা মপানা ইচাবু অমুক হন্না উজা ফংজরে। শাকম লানফম পুম্বদা শিদবা মপুগী কুপাদগী মাইপাকপা পীনবিসন্নুকে।।

থম্বা—ইপা ইবুঙো, ঐদ ঐবু পালেম পম্বোশঙ্কুনা শাংগোবিবা ইচেম গম্ভু পোক্রেন লাঙ্গৈরবীনা কৈবন মহুং চংলগা পাম্ব থেংনগে থোরাংগন্ন, নিঙোন মরু থুল্লগা পলেম পম্বো হুংশিনবশিংদা শিন্নৌ তাকাপরকপা মম্বাথং ইনজ-বান। ৱাম্বোগন্নু, ঐ কৈবনহুংদা চংজরগে, (থম্বা চংখি)

চাওম্বাইমা—লেংও অথোবা লেংও পাম্ব মাবু ঙমহনা লেংদ্রবা শর্মগী উরো খিল্লমউ। ইবেম্মা ! ইপাগী ইবেম্মা কুঞ্জমালা ইপানা কৌবসে অমুক্তা খুম্মুবা, ইপাগী ইবেম্মা ইপানা কৌবা অসি তাদ্রবরা ?

(কোন্দোন মশম মনা ইকা কারহুনা অঙাওবীগুম চংলকই)

কোন্দোন—ইমাগী ইবেম্ম ! ইমাগী ইবেম্মা ! (তুবা)

চাওয়াইমা—কনানো ? কে ন্দোন ! নং চৎথোকখ্রো, য়াম্না থা-
পনা চৎথোকখ্রো। লাকপি, নং কৌজিক ফাওবা লাক্লি।
শিরবা ফাওবা ইচাগী ঈচুপ্পা লাক্লি। কুঞ্জমালাগীঈ চুপ্পা
পেন্দ্রি নং ? নংবু মুপী ওইনা শেমলক্লিবা অসিবু করি
লাইননো লৌ তা অসি লৌ। ঐগী থবাক অসিদা
থিল্লু, ঐবুস্ন হাংলু। ঐগী ঈস্ন নবুক থম্না চুপ্ল্ু। করি
য়েংই ! য়া ভাংঙু, লৌনম তৌ—আঃ—মমা লৈজদ্রবা
ইচানি হায়দুনা মিৎনা ফাওবা কপ্না য়েংজদবা ইচাবু
—হাঃ—হাঃ—ঐ মল্লে।

কোন্দোন—ঐগী ইরাপ অসি ভাকপিবা য়াবা মরাম নত্তে।
থাঙ্গেশেংবনি নচা হাংপা ঐননি তা অসি লৌবিয়ু,
পুকচেল ফঞবী হিংচাবী ঐবু হাত্তুনা নচা হাংপগী
লমন থুম্বীয়ু !

চাওয়াইমা—কৈ হাংকে। নংবু হাংকনি। ঐস্ন শিগনি।
(চাওয়াইমা তা লৌই, কমল, খুমন চংলকই)

কমল—(থুনা) ভাইবিথো ইতাও, অমুক্তা তপথবিথো। করিগী
অহুকথীনা ভাব তাবিদবগে। পুম্নমক ঈশ্বরগী লীলানি।
ঐস্ন মীস্ন শিগদবা ভাক্তনি। হৌজিক্তি ঐখোই ময়াম
চংহুনা ইচাগী মঙ্গলগীদমক ঈশ্বরদা খুরুমসি।

চাওয়াইমা, য়া অমতা ভাংদনা পংথহুনা কমথৈ। খুমন্না কি অমনা
কুঞ্জমালাবু কুপশিল্লি। কোন্দোন লাপ্পপ কমথৈ।

থুম্বন—ইতা ইবেম্মা ! কুঞ্জমালা ! থাংহৈবন্‌ মূর্তি ওইনা লেপ-
লগী । লাইবক চাওগী নংগী পু লগী পোগোইবু অসির ?
মহাক্কী হকচাংদি লৈরাংশুম্মা খোংসি অত্তুবু থম্মোইগী
পাক্কন্দি য়োত্তগীস্থ হেন্না কল্লি ! পৃথিবী অসিদা কনানা
থওইবিস্ত্রস্থ নংগী অরাবা কোলোই কনানা সকমতৌ-
ত্রবস্থ লাইবক চাওবী নংগী অরাবা পুন্সি, অসি মপোক
আসদদি কাওররোই । নংনা পুন্সিদুম্না অরাবা থাংবগী
মহৈদি ঈশ্বরনা অসুম্না পীবিবরা ? চৌংজাওশুম্না অথাং কল্লি ।
খোজানকৈ, খোনথাংনা তাম্না্‌ব উমজবিনি । ইত চান্নবী,
নংগী নপান্দগী মোইরাংগী খোইবী, নিংথৌগী মমো
মলোই, মহাক্কীস্থ থাংহৈবগী সতি ধর্ম্মগী অরোইবা
চাংম্নেংবা শুমিংনি । মহাক্কি অরাবশিং অত্থু বারী ওইদুনা
নোক্কা নোক্কা পুন্সি অসি লেল্লগনি । চৎলো ইতা
লাইরৈবাক্তা মতম কুইনগীদমক পোথাকরো । লৈবাক
অপুম্বনা ধর্ম্মনা জয় ওইরে হায়দুনা লাওরি । নংগী
ধর্ম্মগী জয়দি অসিরা ?

কমল—মানি, মাসি মাগী ধর্ম্মগী জয়নি । মশিং লাকমক্রবা
পুন্সি কয়া মীনা তাদনা, উদ-খংদনা লোইখি । ধর্ম্ম
চেল্লবী অসিগী মিংদি তাদবা কনা লৈত্রে । মতম
কুইনগীদমকস্থ মাগী কোলোই শরুহোরগনি ।

(খোইবা, তোম্বুং মোগোম্নচিংবা কাই পুদুনা চংলকই)

মোদোন—তোম্বুং পরপ পরপ চৎনখিনবা তেসি । খোঁদো

অসি য়েংহৈরে ।

থোইবা—নবক্তা বাংলাদা জগৎ অসিকয়াদা হাংল্লবনো ।

কোম্লোন—অোক্লি, ঐ অসি ওয়োক্তা তোক্লি, পুম্নমক কাদনা মুক্কাইমিংবা ওইজবা পাম্বদগী থোক্লিবা ওাক্তনি । ঐ অসি থোজান মশক থংদবী শাহিং চাবা জীবনগীম্ন থেম্না তমথি । ইমাগী ইবেম্মা ননাক্তা চংকদবা য়াম্না কিরে । ঐগী ইয়ান অসি তাইবং পুম্নমা নিন্দা তৌ-রগনি । কনানাম্ন ঐবু ওাকাপরোই, ইমাগী ইমোম পুকক্বী নংতনদি ইমাবু ওাকপিরমউকো । ইমাগী ইবেম্মা !

চাওয়াইমা—হাঃ—হাঃ— হাঃ .... কুঞ্জমালা, ইপাগী ইবেম্মা ! য়েংউ নরুপ নপিজং, থংন-চায়বা নরৈকোক-নরৈকাই, নথুঙ্গা-নপি ময়াম্না নংগী খোংকুললিবা লাক্লি । মকোশাদি মখোইবু যাম্না তরাম তরাম ওকপদাই, য়াম্না হরাওবদাই, হোৌগংলোনে কুঞ্জমালা মাংথারো চংলসিনে । নংবু য়াম্না থোজান কৈবদাই, মীতুংশি য়াম্না চাওবদাই, নপা অশোনববুদি করিগী অক্তক চান-বিদে । অশুক লুস্বা অরাংবু করিগী নপা অশোনবক্তা থোনগৎপিবগে ? য়েংউ নপাগী থবাক অসিদা ওমক্তনা চাক্লিবা অসি য়েংউ ।

কমল—ইতাও অমুক্তা ইংথবিথো । ঐওইবগী পুক্লি হায়বসি কোংগোনগুম্বনি, মোংমা শোইদনা ওাকথিনদবনি । চেক্লুনা হিংরবা লমন অসিগীদমক কিকমম্ন থোক্লে, য়াকমম্ন থোক্লে ।

কোম্লোন—ইমাগী ইবেম্মা চংলোকো লাইরৈবাক্তা পলেম অশো-কপীগী মনাক্তা চংলোকো । ইমাবু য়াবৌসমুকো হিংসা

মশকওইরবা তাইবংনি থন্নুনা ইমাবু ঙাকপিয়ুকো।
অৱাংপা লৈত্রবা, কল্লক-মিহোৱা ম্বাওত্রবা, মতমচূপ্পা শান্তিগী মশক ওইবা খোইথুমনা ইংলবা স্বর্গদা মতম কুইনগী দমক চিক্লা পোংথারুরোকো। ইমাগী ইবেম্মা পুকফবী চংলোকো।

কমল—খোইবা য়াম্না ফজদ্রে তৌরিবসি থরা থুনা চংলসি। লোইশিন খোমজিন্নবা তৌরসি।

খোইবা—মিকুপ অমা ফাওবা ঐগী মিৎয়েংদগী হেন্দোকহল্লিংত্রবী থম্মোইদা চেংনা থমজ্রিবী কুঞ্জমালাবু ইথুনা লৈমুংন্নবা নচাবু ঙাকপিয়ু, কায়বা ইন্দে কায়হনা নিন্দা তৌবিগনু। ঐনী শংয়ং পাম্নোম অসি হিকথরে। হাইগৎচবা ফাওবা ঙমদ্রে। কুঞ্জমালাবু কৈনা শোকদোরে কল্লু কায়বা ওইরবদি কনবমক ঙমদ্রবনু মমাং থাহনা শিবতদি ঙমলমগদবনি। অহল্লম্মন অপুম্বনু—কংলা, পুংজাও থিন্দুনা ত্তাল্লবা লেমনিংথৌ, মোইরাং লেবাক পুম্বনু তাংবোরসনু মুংশিজরবা চেংলৌ অসিতনা পুন্সিগী নাইজবা অশানি।

(চংশিন্দুনা কুঞ্জমালাবু মকোক মতম্বাক্তা থাংগৎলি)

মুংশিজরবা চেংলৌ অসি লাইবকথীরবা ঐগী তম্বাক্তা মতম কুইনা লৈক্লবীয়ু। অসিতদি থুংলবীনু।

চাওয়াইমা—(য়াম্না কয়াওনা হৌনা নোক্লকই) হাঃ...হা,—হাঃ ঙুত্তাইরে, পেঙ্গে, ঙসি ঐগী ইচাগী পুহোংবা নিংথিজরে, ইচানা মাইথেং মকা লামনা নোকপা ঙসিতা পেম্না উজরে। খোইরেম্ভাক লময়াইদা মুমিৎনা চৌয়া থাংলবা

কান্দা, লমজাওগী মালং ইপোম মবক্তা, নিংথিজরে।
ইচাগী লুকোংবা নিংথিজরে। ইতাও ঐগী লৈজবা লৌরি
ইংথোন অশঙ্গী ইচাগী অউনপোংকা লোইননা ইচাবু
কংলবনি। লুনা তৌনিয়ুকো ইতাও।

(চংশিন্দনা বোল্লি। তোম্বুং মোদোম্নচিংবনা কুঞ্জমালাবু কাই মথক্তা থাঙ্গংলি। চাওযাইযা লৈমাইথক্তা অমুক হাইথখি)

তোম্বু—কৌগংলো খুরা চংলসি। হৌজিক্তি ঐখোই মযাম চ.ত্থনা ইচনগী মুংঙাইনবা সেমশাক্লসি লাকও খুরা লাকও

(তোম্বুং চাওযাইমবু কোনথংগল। কুঞ্জমালাবু পুত্থনা মযুম তান্না তপনা তপনা হনখি। কুঞ্জমালাগী মরু খুল্লগী মরূপ মপাং খংন-চান্নবা পুম্বগা লোইননা মহাক্কী সেবা লোইখি)

ঈশৈঃ—

মৈতৈচন্নু মমোমলোই সতি কুঞ্জমালা
পলেমম্নু নাওয়োক্তে মুজা লাঙ্গিরবী
চীকনা তোমথিন নাইতোম শাংগী
চীংদা শাংগী ইঙেল্লে—চীন্নদনা কেনথিবী।
মালংবনা হুমত্থনা লৈরাং লৈথোক লোইদনা,
থাংজিং খুংশেম তুংইন্না কেমথি লম্মুথাংদা।

অমুমনা কুঞ্জমালাগী পুন্সি লোইখি।

অরোইবা ফিজং
